ভোল্যুম 1 ইশু 9

দিসেম্বর 2020

মনিপুরি

আত্মনির্ভর ভারত

পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়
ভারত সরকার

# গ্রামোদয় সংকল্প



"ভারতকী লৌউশিংউগী ইন্দস্ত্রি, লৌমী অমসুং খুঙ্গংগী মীয়াম অসি ভারতকী আত্মনির্ভর ভারতকী মঙলানগী য়ুম্ফম ওইরি। করিগুম্বা মখোয়না পাঙ্গল লৈরবতদা ভারতকী য়ুম্ফম অসি হেন্না মরা চেৎকনি।"

**নরেন্দ্র মোদী,**
প্রধান মন্ত্রী



**নরেন্দ্র সিংহ তোমর**
পঞ্চায়তি রাজ, রুরেল দিভেলপমেন্ত, এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মরস ৱেলফিয়র অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজগী মন্ত্রী




## ইশু অসিদা

• আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানগী মরমদা • 15শুবা ফাইনান্স কম্মিশন • MoTAগী থৌদাং • মায় পাকপগী ৱারী

# কেন্দ্রগী পঞ্চায়তি রাজনা য়ু.পি. দা পঞ্চায়ত ভাৱন অমসুং কম্যুনিতি তোইলেৎশিং ই-দেদিকেৎ তৌখ্রে

**- নরেন্দ্র সিংহ তোমর**



কেন্দ্রগী পঞ্চায়তি রাজ, রুরেল দিভেলপমেন্ত, এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মরস ৱেলফিয়র অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজগী মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র সিংহ তোমরনা হায়খি মদুদি মীকোক মশিং য়েংবা মতমদা ভারতকী রাজ্যশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেশনা খ্বাইদগী হেন্না য়াম্বনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা উত্তর প্রদেশতা চাউখৎ থৌরাং অমা পায়খৎপা মতমদা ভারত তংখাই অমদি লেপ্পা লৈতনা খুমাং চাউশিল্লি হায়না লৌবা য়াই হায়খি। শ্রী তোমরনা রাজ্য অসিদা পঞ্চায়ত ভাৱন অমসুং কম্যুনিতি তোইলেৎ ই-দেদিকেৎ তৌবা অমসুং উরেপ উয়ুং তম্বা মতমদা হায়খি। য়ু.পি. গী মুখ্য মন্ত্রী য়োগী আদিত্যনাথ অমসুং কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রী শ্রী গজেন্দ্র সিংহ শেখাৱৎসু থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

মুখ্য মন্ত্রী য়োগী আদিত্যনাথপু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী তোমরনা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা রাজ্যশিংনা স্কিম কয়া অমদা য়ু.পি.গী মতৌ তম্লি হায়খি। উত্তর প্রদেশনা স্বচ্ছ ভারত অভিয়ান (ক্লিন ইন্দিয়া কেম্পেন)দা য়াম্না চাউনা শরুক য়াখি অমসুং কোরোনা ভাইরস শন্দোকপা মতমদা রাজ্য অসিনা মীয়ামদা উৎখ্রে মদুদি খুঙ্গংশিংগী লৌউশিংউদা য়ুম্ফম ওইবা শেম্মিৎলোন্না লৈবাক অসিবু খ্বাইদগী শাথিবা মতমদা মাইয়োক্লবা ঙমহল্লি।

পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রীনা হায়খি মদুদি অপুনবা ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং 65দি 13শুবা ফাইনান্স কম্মিশন্না প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীগী মীৎয়েং মখাদা থাদখি, হায়রিবসি 14শুবা ফাইনান্স কম্মিশন্না লুপা ক্রোর 2,00,292দা হেনগৎখি অমসুং মসিবু খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিংদা থাখি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি লুপা ক্রোর 60,750না চহী অমগী ওইনা গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা পীখি। অহানবগী থাদোকপা ওইনা লুপা ক্রোর 30,375 তি PR ইনস্তিত্যুসনশিংদা পীখ্রে।

শ্রী তোমরনা মসিমসু পনখি মদুদি খুঙ্গং চাউখৎ থৌরাং মন্ত্রালয়গী স্কিমশিংগী মখাদা অচৌবা শেনফম অমসু গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা ফংহনখ্রে। প্রধান মন্ত্রীনসু ভারতপু ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎননবা কন্না তকশিল্লি মসিমক খুঙ্গংশিং হান্না আত্মনির্ভর ফংহন্দুনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না হায়খি। পঞ্চায়তশিংসু অফবা লৈঙাক্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা তঙাইফদে। শ্রী তোমরনা ওনর্শিপ স্কিমশিংগী মতাংদা পনখি অমসুং হায়খি মদুদি হায়রিবা স্কিমশিং অসিনা লৈবাক অসিগী খুঞ্জা ক্রোর কয়াদা মপু ওইজবা ফংবগী হক পীদুনা মায় পাকহনগনি।

থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রী শ্রী য়োগী আদিত্যনাথনা হায়খি মদুদি মসিগী ই-দেদিকেসন অমসুং উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমশিং অসিনা রাজ্য অসিগী খুঙ্গংশিংদা চাউনা অহোংবা পুরক্লবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মাইগ্রেন্ত ৱার্কর লাখ কয়াসু রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা গরীব কল্যান থৌশিলগী মখাদা থবক পীগনি। উত্তর প্রদেশতা লৈবা পঞ্চায়তশিংদা শেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা কম্যুনিতি তোইলেৎশিংবু য়েংশিন্নবগীদমক পুক্লিং থৌগৎনবা ওইনা লুপা 6000 পীনবা ৱারেপ লৌরে। মসিগী মথক্তা, অফবা খুঙ্গং অমগী কেম্পেন অমগীদমক থৌশিল অসিনা SHGশিংদা য়াওরিবা নুপীশিংদা থবক পীবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। শ্রী য়োগী আদিত্যনাথনা হায়খি মদুদি হায়রিবা নৌনা শাগৎলিবা পঞ্চায়ত ভাৱনশিং অসিসু ওপ্তিকেল ফাইবর শম্লি। মহাক্না হায়খি মদুদি বেঙ্কশিংবু মমুৎ তানা মথৌ পাঙথোকপা য়াহন্নবগীদমক বেঙ্ক শাখিশিং হাপ্লে। মুখ্য মন্ত্রীনা হায়খি মদুদি রাজ্য অসিদা চাউখৎ খোঙথাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎলি অমসুং নুপীনা চাদা 43 ওইদুনা রাজ্য অসিদা গ্রাম প্রধানশিং য়াওরি।

কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রী শ্রী গজেন্দ্র সিংহ শেখাৱৎনা হায়খি মদুদি প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদীনা অন্ত্যোদয়গী ৱাখল্লোন পুশিন্দুনা মীচম কয়াগী পুন্সি হোংদোক্লবা পান্দম থম্লি। মহাক্না পাউদমখি মদুদি মপং ওইবা অমসুং মহী ওইবা ফত্তবশিংবু তোখাইনা খাইদোক্লবা থবক পায়খৎলি অমসুং লাক্কদবা চহী মরিরোম অসিনা মোদেল ভিলেজশিং শেমগৎনবা কত্থোক্কনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি অফবা থক্লবা ঈশিংসু অঙ্গনৱাদী অমসুং মহৈলোইশঙ খুদিংদা মথংগী নুমিৎ 100নিদা পীনবা শেম শারি।

**পাউগী হৌরকফম: PIB**



# মনুংদা য়াওবশিং



**এদিতর ইন চিফ**

**সুনিল কুমার, IAS**
সেক্রেতরি
পঞ্চায়তি রাজ মিনিস্ত্রি

**এদিতর**
**দোক্তর বিজয় কুমার বেহেরা, IES**
ইকোনোমিক এদভাইজর

**এদিতোরিয়েল এসিস্তেন্স:**
অলোক পান্দ্যা
রাধে শ্যাম ভারদ্বাজ
অঞ্জনি কুমার তিৱারী



4 
ইকাইখুম্নজরিবা মন্ত্রীগী পাউজেল

5 
ইকাইখুম্নজরিবা সেক্রেতরীগী পাউজেল

10 
রুরেল স্পাসিএল প্লান: মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা খুঙ্গং ওইনবগী মাইকৈদা হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমগী শেম শাবা

13 
তরামঙাশুবা ফাইনান্স কম্মিশন্না পঞ্চায়তশিংদা থাদবা – আত্মনির্ভর ভারতকী মায়কৈদা

18 
আত্মনির্ভর ভারতকী ৱাখল্লোন থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনবদা ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয় অমসুং পঞ্চায়তি রাজ ইনস্তিত্যুসন (PRI)শিংনা লৌরিবা থৌদাং

33 
রুরেল স্কিল

43 
আত্মনির্ভর ভারত ওইনবগী মাইকৈদা: প্রতাপাদিত্যনগর GPগী রিপোর্ত

আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান – ভারতপু হেন্না মপাঙ্গল লৈনবগী অনৌবা থৌরাং 6

মায় পাকপগী ৱারী 22

মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজ ফোর্মেলাইজ তৌবা অমসুং চীঞ্জাক শেম শাবগী মতাংদা ইরোমদোম লেপচবা ভারত ওইহনবা 26

ফুদ প্রোসেসিংদা মায় পাকপগী ৱারী 29


নমানা নর্সরী – মেনেজমেন্তকী নেচরেল রিসোর্সশিংদা মরোমদোম লেপচনবগী অনৌবা ৱারোল 39

বসন্তপুর কাউ সেঙ্কচুৱারী – ইরোমদোম লেপচনবগী থৌরাংগী মাইকৈদা অপুনবা ওইনা হোৎনবা থৌদাং 41

আউন সোর্স রেভিন্যু মোবিলাইজ তৌবা – প্রতাপঅদিত্যা নাগর GPগী মায় পাকপগী ৱারী 47



The translation of Gramoday Sankalp has been carried out by experienced translators and duly vetted and corrected by State Institues of Rural Development (SIRDs) under Ministry of Panchayati Raj, with an attempt to convey the meaning in easy and commonly spoken words. Any inadvertent error or omissions, if any, found in the translation is unintentional and not meant to hurt any feelings and therefore may be excused.




सत्यमेव जयते

# মেসেজ



**নরেন্দ্র সিংহ তোমর**

**পঞ্চায়তি রাজ, রুরেল দিভেলপমেন্ত, এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মরস ৱেলফিয়র অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজগী মন্ত্রী, ভারত সরকার**

**'গ্রামোদয় সংকল্প'**কী 9শুবা খুৎফোং অসি আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান্দা কখোকচরি। ঐখোয়গী জাতিগী মপা, মহাত্মা গান্ধীনা হায়বীরম্মি, করিগুম্বা নহাক্না ভারতপু ইরোমদোম লেপচহনবা পাম্লবা, খুঙ্গংশিং অসিনা চাউখৎপগী মশক থোকপা শরুক অমনি হায়না লৌগদবনি অমসুং খুঙ্গংশিংবু মরোমদোম লেপচহনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংনি হায়না লৌগদবনি। লৈবাক অসিদা পঞ্চায়তি রাজ লিংখৎখ্রবনিনা, পঞ্চায়তশিংগী মীহুৎশিংগী মমাংদা তারিবা খ্বাইদগী চাউবা শীংনবা অসি খুঙ্গংগী জগাশিংগী ওইনা খুঙ্গংশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্লবা হোৎনবনি। অদোমসু খঙলে মদুদি, মার্চ 2020দগী হৌদুনা কোভিদ-19 লাইচৎ শন্দোক্লকপনা লৈবাক অসিদা তম্বা ঙমদবা লাংফম অমা মাইয়োক্লখ্রে, মসিনা খুঙ্গং অমসুং সহরদা লৈবা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা চাউনা অহোংবা অমা পুরকখ্রে।

লাইচৎ অসিদগী লাকপা হকশেলগী খুদোংথিবশিংবু লৈঙাক অসিনা মায় পাক্না লাকশিনখ্রে অমসুং ঐখোয়গী খুঙ্গং, তাউন অমসুং সহরশিংবু 'আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান'গী মখাদা শেন্মিৎলোন চাউখৎনবা পান্দম থম্লি। ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীজিনা "ভোকেল ফোর লোকেল"গী লাইৱা পীবীদুনা লমদম অসিগী শেন্মিৎলোনগী এন্তরপ্রাইজশিংবু মালেমগী মমিং লৈরবশিংগা চাংদম্নবদা মান্ননবা চাউনা মতেং পাংখ্রে। মসিনা লৈবাক অসিগী শেন্মিৎলোনগী খোঙজেলসু য়াঙখৎহনখ্রে।

লৈবাক অসিনা ইরোমদোম লেপচবা ভারত অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা খুমাং চাউশিনবগী মাইকৈদা য়াঙনা চঙশিনলি। পঞ্চায়তি রাজ ইনস্তিত্যুসনশিংনা খুঙ্গংশিংদা লৈঙাক্না হোৎনরিবা কয়া অসিদা চাউনা মতেং পাংখ্রে, খঙ-হৈরবা অইবা কয়ানা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা ওইনবগীদমক থমোই শেংনা হোৎনদুনা আত্মনির্ভর ভারতকী পান্দমদা খুঙ্গংগী মফমশিংবু চাউখৎনবা লৈঙাক্কী মরুওইবা থৌরাং কয়া ইবীরিবা হন্দক্কী **'গ্রামোদয় সংকল্প'**কী খুৎফোং অসি খুদোল তমজবদা ঐহাক য়াম্না হরাউবা পোকচৈ। ঐহাক্না খুদোংচাবা অসি লৌজদুনা ভারতকী খুঙ্গংগী মীয়ামদা ঐহাক্কী ইফমদগী য়াইফবা ওইমিন্ননবা নিজরি।

**(নরেন্দ্র সিংহ তোমর)**

সত্যমেব জয়তে

**সুনিল কুমার, IAS**
সেক্রেতরি
ভারত সরকার
পঞ্চায়তি রাজ মিনিস্ট্রি

# মেসেজ



'আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান'গী মতাংদা ফোংবা গ্রামোদয় সংকল্পকী অখন্নবা খুৎফোং অসিবু ঐখোয়গী পাবীরিবা ময়ামদা কখোকচবদা ঐহাক নুংঙাইবা ফাওজে। লৈবাক অসিনা মার্চ 2020দগী হৌদুনা কোভিদ-19 লাইচৎ শন্দোক্লকপদগী অৱাবা কয়া মাইয়োক্লখ্রে। লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী হকশেলগী ইনফ্রাস্ত্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা অমসুং গ্রাম পঞ্চায়তগী হৌরগা রাজ্য অমসুং জাতিগী থাক্তা লৈবাক এদমিনিস্ত্রেতিব মছিনরীশিংবু মথৌ হেনগৎহন্দুনা লাকশিন্নবা অরৈবা থাক্তা হোৎনখ্রে।


লাইচৎ অসিদগী ওইরক্কদবা শেন্মিৎলোন অমসুং শেল থুমগী অৱাবা ফিবম কোক্লবগীদমক মীয়াম্বু অথুবদা শেলথুমগী মনীং তম্বা পীবগী তঙাইফদবা লাকখি। মসিদগী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রীনা অসিগুম্বা ফিবম অসিদা আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানগী থৌরাং অমা মরু হুনখিবনি।

ঐখোয়না আত্মনির্ভর ভারতকী মতাংদা ৱা ঙাংবা মতমদা, ঐখোয়না ঐখোয়গী ৱাখলদা আত্মনির্ভর পঞ্চায়তশিং থমগদবনি, মরমদি পঞ্চায়ত অমনা আত্মনির্ভর ফংবা মতমদা মসিনা ইশাগী কোন্ননবা ফংহনবতা নত্তনা লৈঙাক্লোন্দা হেন্না থাজবা হেনগৎপা অমসুং মনুং মপাল ফাওনা উবা ঙমহন্দুনা মখা তানা খুঙ্গংগী ওইবা মরা চেৎপা অমসুং খুমাং চাউশিনবা শেন্মিৎলোন অমা ওইহন্নবগী মাইকৈদা চিংশিল্লি। ভারতপু ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগী থৌরাংশিং অসিদা, পঞ্চায়তশিং অমসুং লোকেল বোদীশিংবু মীয়ামগী ৱাখলনা চলাইবা ওইহন্নবা পান্দম থমগদবনি। ভারতকী খুঙ্গংদা লৈরিবা অরোইবা মীওইদুনা "আত্মনির্ভর" ওইরবা মতমদতা ঐখোয়না "আত্মনির্ভর ভারত" ফংবা ঙমগনি।

অইবশিংনা হোৎনবীরকপশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা, অখন্নবা খুৎফোং অসিনা লৈঙাক্লা খুঙ্গংশিংগীদমক পায়খৎপা থৌরাং, আত্মনির্ভর ভারত ফংনবা হোৎনবদা মায় পাকখ্রবশিং অমসুং মখা তানা মাইকৈ অসিদা স্তেকহোল্দর খুদিংমক্লা চঙশিল্লিবা থৌরাংশিং পুথোক্লবা হোৎনরি। মসিমসু থাজবা থমজৈ মদুদি, হায়রিবশিং অসিনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমগীদমক থৌরাং য়াৎপা ঙম্বা অমসুং পায়খৎপা ঙমগদবা ঐখোয়গী অপাবশিংদা ইথিল পীবা ঙমগনি।

ঐহাক্লা আসা তৌজরি মদুদি হন্দক্কী খুৎফোং অসি অপাবশিংদা হেন্না ৱাহন্থোক লৈবা ওইরসনু।

(সুনিল কুমার, IAS)




# আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান – ভারতপু হেন্না মপাঙ্গল লৈনবগী অনৌবা থৌরাং

**-নরেন্দ্র সিংহ তোমর***

*"লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংনা লাংফম অসিবু খুদোংচাবা অমা ওন্থোক্নবা ৱারেপ লৌরি। ঐখোয়না মসিবু লৈবাক অসিগী মরুওইবা মমাই চুম্ফম অমা ওইহনগদবনি। মাইকৈ অদুদি করিনো? ইরোমদোম লেপচবা ভারত অমনি।"*

*- ভারতকী প্রধান মন্ত্রী, নরেন্দ্র মোদী*

লৈবাক অসিনা নৌহৌননা শেমগৎচবগী লম্বী অমদা চৎলি। ঐখোয়না হৌখিবা চহী চা অসিদগী তাদুনা লাক্লে মদুদি 21শুবা চহী চা অসি ভারতকী চহী চা ওইগনি। মতম, ফিবম, চাউখৎ থৌরাংশিং, মাইকৈ লোংবা অমসুং শক্তি লৈবা লুচিংবা অমসুং মাইকৈ অসিদা থাংজিল্লিবা থৌনা লৈরবা খোঙথাংশিং অসি 21শুবা চহী চা অসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিনা নৌনা অমুক ময়োল চোংখৎলক্তুনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা য়ুগ অমা ওইগনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে।

চৎখ্রিবা চহী অসি ভাপ্পা শাবদা লাম্বা ফংলোইদবা শেন্মিৎলোন, হকশেলগী কাংলোন অমসুং পুন্সি মহিংদা মালেম পুম্বদা অদুক্কী মতীক শাথিনা শোকহনখিবা চহী অমনি। কোভিদ-19গী লাংফম অসি মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা লৈহনখিদবদা নত্তনা মশিং য়াম্লবা ইন্দস্ত্রী কয়া লোকদাউন্না মরম ওইদুনা লোন্নখিবনা মীওই ক্রোর কয়াবু থবক ফংদবগী অৱাবা মাইয়োক্নহনখিবা মতম অমনি। হায়রিবা অৱাবা তাখিবা মতম অসিদা, ঐখোয়না মায়কৈ অনি লোংবা শিংনবা অমা মাইয়োক্লখি। নাকল অমদনা ঐখোয়না ঐখোয়গী মীয়াম্বু কনবা ঙম্নবগীদমক খ্বাইদগী ফরবা হকশেলগী সার্ভিসশিং পীবা তাখি অমসুং নাকল অমদনা ঐখোয়না মীয়ামদা থবক পীবা ঙম্নবগীদমক শেন্মিৎলোনবু মাংজিল থানা পুখৎপীবা চঙখি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিনা অসিগুম্বা চাউনা শিংননিংঙাই ওইবা খুদোংথিবা অসিবু থেংনবগী মওং মতৌ অমসুং মতীক চাবা প্লানশিং অসি অচেৎপা ফিরেপ, মঙম শান্না য়েংবা মীৎয়েং অমসুং মতীক চাবা লুচিংবা অমগী শক্লোন লৌথিবা ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীগী শক্লোন কয়া পুবা লুচিং মখাদা ঙমখিবনি। ঐখোয়না কোভিদ-19 লাইচৎ অসিবু থৌনা লৈনা মাইয়োক্নখিবদা নত্তনা মোদীজিগী লিংজেল লৈরবা লুচিংবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না শিংনবা অসিবু খুদোংচাবা অমদা ওন্থোকপসু ঙমখি। আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান অসি ভারতপু 21শুবা চহী চাগী মনুংদা মালেমগী লুচিংবা লৈবাক অমা ওইনবগী মায়কৈদা য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক লৈবা অসিবু শেমগৎ শাগৎনবা অচেৎপা ফিরেপ অমনি।

হায়রিবা খোলাও অসি কোভিদ-19 শন্দোক্লকপনা মরম ওইদুনা থোক্লকপা শিংনবশিংবু লাম্হেংননবা ইচম চম্বা থৌনা অমা অখক্কী ৱা নত্তে, মসি লৈবাক অসিবু তুং কোইননা চৎহৌগদবা অনৌবা মায়কৈ অমদা পুনবা অচৌবা থৌরাং অমনি। প্রধান মন্ত্রীগী ৱারেপ অসিনা নাকল অমরোমদা খুন্নাই অসিগী শোত্থরবা কাংলুপ্পা কিরিবা থবক ফংদবগী নুংঙাইতবসি খরমখৈ কোকহনলগনি অদুগা নাকল অমরোমদনা মসিদা ভারতকী পোথোকশিং অমসুং ব্রান্দশিংবু মালেমগী ওইনা শেন্মিৎলোন শোত্থরিঙৈ চৈরকসিদা মালেমগী থাক্তা ৱাংনা পুখৎলম্নবগী লাইৱা অমা য়াওরি।

লুপা লাখ 20গী পেকেজ অসি পুন্নমকপু কোনশিনবা অদুগুম্বা পেকেজ অমনি মরমদি মসিদা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমকপু ৱাখলদা থম্লদুনা লাউথোকখিবনি। করিগুম্বা ঐখোয়না দেতা অসি চাংদম্নদুনা য়েংবদা, আত্মনির্ভর ভারত পেকেজকী মপুং ওইবা স্কোপ অসি মহাক্কী শেনফম অসি লৈবাক অসিগী GDPগী চাদা তরারোম য়ৌরি হায়বসিনা লায়না খঙবা য়াররবনি। অসিগুম্বা প্রধান মন্ত্রীনা লৌখৎপীরক্লিবা চাউরবা থৌরাং অসিনা ভারতকী শেন্মিৎলোন্দা পাঙ্গল লৈরবা য়ুম্ফম অমা থোল্লগনি অমসুং মসিনা তুংদা

***পঞ্চায়তি রাজ, রুরেল দিভেলপমেন্ত, এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মরস ৱেলফিয়র অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজগী মন্ত্রী, ভারত সরকার**


লাক্কদবা মতমদা ইনফ্রাস্ত্রকচর, এগ্রিকলচর, ইন্দস্ত্রী অমসুং ইমপ্লোইমেন্তকী খুদোংচাবা পীগনি। প্রধান মন্ত্রীনা অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা "ভোকেল ফোর লোকেল"গী লাইৱা অমসু পীরি। লমদম অসিদা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংবু মালেমগী থাক্তা লৈবশিংগা মান্নবা হোৎনবগী খোঙথাং অসিনা তোঙান-তোঙানবা সেক্তরশিংদা অনৌবা খুদোংচাবশিং শেম্লি অমসুং মসিনা স্বাদেশি মশক তাক্কুনা ঐখোয়না হেন্না চাউথোকপা





পোকহল্লি। আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান পেকেজ অসিনা খুন্নাই অসিগী তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিংগী তঙাইফদবশিং পীবদা নত্তনা লম, লেবর, লিক্বিদিতী অমসুং আইন কয়া শেমদোকপদসু মীৎয়েং থম্লি অমসুং মসি পুন্নমকপু কোনশিনবা অদুগুম্বা অখন্নবা খোঙথাং অমনি।

প্রধান মন্ত্রীনা মে 12, 2020দা আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান লাউথোকখি অমসুং হৌখিবা থানিপাল্লোমসিদা লৈঙাক্লা কম্যুনিতিগী থাক্তা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী ফল উৎপা হৌরে। আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান পেকেজ লাউথোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রীনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা শেমগৎকদৌরিবসি য়ুম্বী মঙাদা য়ুম্ফম ওদুননি হায়বসি ময়েক শেংনা তাকখ্রে। অহানবা য়ুম্বীদি 'শেন্মিৎলোন'নি। আত্মনির্ভর ভারতকী মরুওইবা পান্দমদি ঐখোয়গী শেন্মিৎলোন অসি অকা অকুম তৌহনবগী মহুত্তা অমুক্তা চাউনা কানবা ঙম্বা অমা ওইহনবনি। প্রধান মন্ত্রীনা হায়বীবগী মতুং ইন্না অনিশুবা য়ুম্বীনা "ইনফ্রাস্ত্রকচর"নি, মসিনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী মশক তাক্কনি। "সিস্তেম" হায়বসিনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারতকী অহুমশুবা য়ুম্বীনি অমসুং হায়রিবা সিস্তেম অসিদা অনৌবা তেক্নোলোজী কয়া অমা হাপতুনা 21শুবা চহী চাগী তঙাইফদবশিং ফংহনগনি। প্রধান মন্ত্রীনা হায়খি মদুদি আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানগী মরিশুবা য়ুম্বীদি "দিমোগ্রাফী"নি। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা গনতন্ত্র চৎপা লৈবা অসি ঐখোয়না ওইরি অমসুং ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা শক্তিদি ঐখোয়গী পাক চাউরবা কাংলুপকী মীওইশিং অসিনি। ঐখোয়গী আর্তিসান অমসুং শিন্মীশিংগী স্কিল অমসুং আর্ত অমসুং অখন্নবা লেবর ফোর্সনা ভারতপু ইরোমদোম লেপচহন্নবা ইনর্জীগী খ্বাইদগী চাউবা হৌরকফম ওইরি। "দিমান্দ অমসুং সপ্লাই"বু আত্মনির্ভর ভারতকী মঙাশুবা য়ুম্বীনি হায়রি। দিমান্দ লৈহনবা অমসুং মতম চানা সপ্লাই তৌবা অমসুং অপাম্বা পোত্থোকশিং ফংহনবনা ইরোমদোম লেপচবা হায়বদু মশা মতোন্তা লাকচনবগী ফিবম অমা লাক্কনি।

ভারতকী ইরোমদোম লেপচনবগী থৌরাংনা মালেমগী থাক্তা মায় পাকপা উরকপসি কোভিদ-19গী মাইয়োক্তা লান্থেংনবগী মনুংদা ওইখিবনি। দ্রগ কন্ত্রোল্লর ওব ইন্দিয়া (DCGI)না ভারত্তা পুথোকপা তীকা অনিগী অয়াবা পীরকপনা ঐখোয়বু লাইচৎ অসিগী মাইয়োক্তা লান্থেংনবা মতমদা মালেমগী মকোক্তা লৈহনবা ঙমখিবনি।







হায়রিবা তীকা অনিমক হৌবদগী লোইবফাওবা ভারতকী লেবোরেতরীশিংদা শাখিবনি অমসুং মসিসু অচৌবা শক্তি লৈবা লৈবাকশিংনা হীরম অসিগী মতাংদদি য়ৌবা ঙমখিদ্রবা মতমগী মনুংদনি। তীকা থাবগী থবকশিংসু হৌখ্রে অমসুং হৌজিক্তি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা মতম হায়বদু ওইরে। ঐখোয়না তীকা অসিবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু কোরোনাদগী ঙাকথোক্লবা খক্কী পুথোকপা নত্তনা তীকা অসি অতোপ্পা তঙাইফদবা লৈরিবা লৈবাকশিংদসু থাদোক্লবা হোৎনরি।

ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রীনা মতম চুপ্পদা হায়রি মদুদি ভারতকী মঙলান অসি খুঙ্গং, লাইরবা, লৌমী, লৌউশিংউ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা ইন্দস্ত্রীশিংনা খুমাং চাউশিল্লক্লবা খক্তদা ওইথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রীগী আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানগী য়ুম্ফম অসিসু লৌউশিংউদা ওইরি।

চহী তরারোমসিদা লৌউশিংউগী হীরমদা প্রোসেসিং, স্তোরেজ অমসুং মার্কেত্তিং তৌনবগী মতীক চাবা ইনফ্রাস্ত্রকচর ৱাৎলে হায়বসি খঙদুনা লাক্লবনি। মসিগী মথক্তা, কোল্দ স্তোরেজ, ৱেয়রহাউজ, ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎশিং অসিনচিংবা কয়াসু খুঙ্গং ময়া নক্লা শাবগী মহুত্তা সহরগী মায়া নক্লা থল্লি। অসুম্না, অপীকপা লম লৈজবা লৌমীগী চাদা 85 ওইরিবা লৌমীশিং অসিদি মখোয়গী মহৈ মরোংগী মতীক চাবা মমল ফংবসু ঙমদবতা নত্তনা অহেনবা চাগা তান্নবগীদমক




মখোয়গী পোত্থোকশিং প্রোসেস তৌনবা শেল লৈতে। অসুম্না, মতীক চাবা ইনফ্রাস্ত্রকচর লৈতবনা, লৈবাক অসিগী পোত্থোক্কী চাদা 15দগী 20 ফাওবদি লেম্না মাঙদুনা তোক্লি। লুপা ক্রোর লাখ 1গী এগ্রিকলচরেল ইনভেস্তমেন্ত ফন্দ শেমগৎপনা মাইকৈ অসিদা লৌখত্তবা য়াদ্রবা থৌরাং অমা ওইরি। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা প্রাইবেৎ ইনভেস্তমেন্তশিং খুঙ্গং, লৌবুক অমসুং লৌমীশিংদা ফংহনবা হায়বসি হৌজিক হৌজিকমক তঙাইফদনা লৈরিবা থৌদাং অমনি।

আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানগী মখাদা মতীক চাবা শেন্থেংশিং লৌউশিংউগী নাকন্দা চঙবা মরী লৈনবা সেক্তরশিং শেমগৎনবা অমসুং ইনফ্রাস্ত্রকচর বিল্দিং শাগৎনবা থাদরে। মসিদা এনিমেল হজবেন্দরীগী লুপা ক্রোর 15,000, হর্বেল কলতিবেসনগী লুপা ক্রোর 4,000, ঙা য়োকপগী সেক্তরগীদমক লুপা ক্রোর 20,000 (শমুদ্র, দোমেস্তিক অমসুং ওনশোর ফিশিংগী ক্রোর 11,000 অমসুং ইনফ্রাস্ত্রকচর শাগৎনবা লুপা ক্রোর 9,000), খোই য়োক্লবগী লুপা ক্রোর 500, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্দস্ত্রীশিংগী প্রদক্সন লিঙ্ক ইন্সুরেন্স (PLI) স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর 10,000, অপীকপা অমসুং মার্জিনেল ইন্দস্ত্রী অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা হেল্লা ফগৎনবা অমসুং হায়রিবা সেক্তরশিং অসিদা প্রধান মন্ত্রী ফোর্মেলাইজেসন ওব মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্তর্প্রাইজ (PMFME) স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর 10,000 য়াওরি। অনৌবা ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গানাইজেসন (FPO) লিশিং তরাগী মথক্তা শেমখ্রে। লুপা ক্রোর 6,850গী শেনফম অমসু ঐখোয়গী লৌমীশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরিবা FPOশিংদা কাইথরি।

আত্মনির্ভর ভারত পেকেজগী মরুওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবদি কোভিদ-19 লাইচৎকী মনুংদা লৈজদ্রবা, লাইরবা অমসুং রিসোর্স ৱাৎলবা মীওইশিংদা তেংবাং পীবা অমসুং মখোয়বু শেল থুমগী অৱাবদগী কোকহনবনি। প্রধান মন্ত্রী গরীব কল্যান য়োজনাগী মখাদা লুপা ক্রোর লাখ 1.70গী শেন্থং অমা কোরোনা শন্দোক্লিঙৈ মনুংদা হায়রিবা কাংলুপকী মীওইশিং অসিদা তেংবাং ওইনা পীখি। লৈঙাক্লা কোরোনা য়োধাস ওইনা মথৌ তৌরিবা হকশেলগী থৌমীশিংদনা হেন্না মরুওইবা মীৎয়েং থমখি। হেল্থ ৱার্কর খুদিংদা ঐখোয়গী হেল্থ দিফেন্সকী অহানবা পনখৈদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা থৌনা ফনা লান্থেংনবা ঙম্নবগীদমক লুপা লাখ 50গী ইন্সুরেন্স




পীখ্রে। কোভিদ-19 তীকা থাবগী দ্রাইবতসু, হায়রিবা হেল্থ ৱার্করশিং অসিবু লৈঙাক্কী ৱারেপকী মতুং ইন্না অহানবদা তীকা থাখি।

আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানকী মখাদা থা অহুমগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই ক্রোর 80গী ইমুং অমমমদা গেহু অমসুং চেঙ কিলো 5 অমসুং হৱাই কিলো 1 পীনবা ৱারেপ লৌখি। অকোনবদা, হায়রিবা ফেসিলিতী অসি নবেম্বর, 2020 ফাওবা থা মঙা অমুক শাংদোক্তুনা লাইরবা ইমুংশিংদা লেপ্না পীখি। হায়রিবা মতম অসিদা "লৈবাক অমা রাসন কার্দ অমা"গী স্কিমসু রাজ্য/য়ুনিয়ন তেরিতোরী 28না শন্নদুনা পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসন সিস্তেম অসিবু হেন্না মনুং মপান ফাওনা উবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা হেনগৎনবা হৌদোকখি। থা অহুমগী ওইনা থা খুদিংগী লুপা 500 নুপীগী জন ধন একাউন্ত ক্রোর 20.65তা হাপখি। অপুনবা ওইনা লুপা ক্রোর 31,000বু স্কিম অসিগীদমক থাদখি। মসিগা মান্ননা, লৈঙাক অসিনা অহল ওইরবা মীওই, লুখ্রাবী অমসুং নাম্মা শোইরবা কাংবু ক্রোর 2.82গী খন্দুনা মখোয়দা অনিরক থোক্না লুপা 500-500 পীদুনা মী অমদা লুপা 1000 ফংহনখি। মসিদা লুপা ক্রোর 2,815 চাদিং তৌখি। লৈঙাক অসিনা থা অহুম লৈবাক অসিগী ইমুং ক্রোর 8দা গ্যাস সিলিন্দর লেপ্না পীনবা ৱারেপ লৌখি।

লাইচৎনা মরম ওইদুনা মশাগী খুঙ্গংশিংদা হল্লকখ্রবা থবক ফংদ্রবা মাইগ্রেন্তশিংদা থবক্কী খুদোংচাবা পীবনা লৈঙাক্কী মরুওইনা পায়খৎকদবা থৌদাংনি হায়না লৌখি। মসিমকসু চাউথোকচনিংঙাই অমসুং পেঞ্জনিংঙাই ওই মদুদি লাংফম অসিগী মনুংদা খুঙ্গং চাউখৎ থৌরাং মন্ত্রালয়না MNREGA য়োজনাগী মখাদা গরীব কল্যান অভিয়ান (GKRA) সু রাজ্য 6কী জিলা 116তা রাজ্য 12গী স্কিমশিংগা পুন্দুনা পায়খৎখি। GKRAগী মখাদা ক্রোর 50গী মী অমগী থবকসু নুমিৎ 125নিগী পীথি অমসুং মীওই ক্রোর 10না থা তরারোমসিদা MNREGAগী মখাদা থবক ফংখি অমসুং অপুনবা থবক ওইনা কওর 315গী মী অমগী থবক পীখি, হায়রিবসিসু মমাংদা ওইখিদ্রিবা অমনি। লৈঙাক অসিনা 2021-22গী ওইনা MNREGAগী বজেৎসু হেনগৎহনখি। হন্দক চহীগী বজেৎ অসিসু মমাংগী 61,500 ওইবদগী 73,000দা হেনগত্তুনা অপুনবা ওইনা কোভিদ শন্দোক্লকপদগী অহেনবা থবক পীবা ঙম্নবা অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগীদমক লুপা ক্রোর 1,11,500দা হেনগৎখি।

ভারতনা কোভিদ-19 লাংফম্বু পাঙ্গল ফুদোক্তুনা মাইয়োক্লখি। ঙসিদি কোরোনা শন্দোকপা লাকশিনখিবগা লোয়ননা ঐখোয়না খোঙজেল য়াঙনা খুমাং চাউশিনবগী মায়কৈদা চঙশিল্লি। আত্মনির্ভর ভারতকী য়ুম্ফমশিংগী মখাদা ৱাত্ত-পাদবা লৈবাক অমা শাগৎনবগীদমক লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি। "পাঙ্গল লৈবা ভারত, মশা ফবা ভারত"কী পুৱারীগী ওইবা অমসুং অফবা প্রোবিজনশিংসু 2021-22গী কেন্দ্রগী বজেৎতা হাপচিনখি। ঐখোয়গী ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদীগী মশা লোঙবা লুচিং অমগী মখাদা, ঐখোয়না ময়েক শেংনা হায়বা ঙম্মি মদুদি লাক্কদবা তুংগী মালেমদি ভারতকী ওইগনি অমসুং মসিনা মায় পাকপা অসিবুনা মালেম পুম্বনা থাগৎনগনি।

প্রধান মন্ত্রী মোদীনা লৌউশিংঙউ রিফোর্মশিং অমসুং জল জীবন মিসনগী মরমদা করি হায়খি? খঙনবগীদমক ভিদিও অসি য়েংবীয়ু!

ভিদিও কনফরেন্সিংগী থোঙদা গরীব কল্যান য়োজনা হৌদোকপদা প্রধান মন্ত্রী মোদীনা পীখিবা ৱারোল


# রুরেল স্পাসিএল প্লান: মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা খুঙ্গং অমগী মঙলান্দা হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমগীদমক থৌরাং য়াৎপা

- সুনিল কুমার *

*"করিগুম্বা খুঙ্গংশিংদা পুং 24 মৈ অমসুং ঈশিং পীবীরবা অমসুং ইন্তর্নেতকীদমক ওপ্তিকেল কেবলশিং শম্বীবা তারবদি ওজা, দোক্তর অমসুং ব্যুরোক্রেৎশিং অসি মফমদুদা লৈবদা হৈনিংদবা পোক্লোই। মখোয়না মতম শাংনা লৈথবা হায়বসিনা মখোয়দগী কান্নবা কয়া লৌবদা মতেং ওইগনি।"*

- প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদী

হৌখিবা চহী খরসিদা, লৈবাক অসিনা হকশেল, লৌউশিংউ, খুঙ্গংগী চাউখৎ থৌরাং, লাইরবা কোকহনবা, মহৈ-মশিং অমসুং সাইন্স অমসুং তেক্নোলোজীগী লমদা মশক থোক্লা মায় পাকপা পুরক্তুনা শেন্মিৎলোন্দা চাউখৎপগী মমি তাখ্রে। অদুমওইনমক, সহরশিং চাউখৎলকপনা খুঙ্গংগী লাইরবশিং সহরদা হোংগৎলক্লবগী মরম অমা ওইরি। মসিদগী ভারত সরকারনা খুঙ্গংগী লমশিংদা হিংবদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক খুঙ্গংগী লমশিংদা লৌখৎপা য়াবা মতীক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে। পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়না মসিগা মরী লৈননা তুং কোইনা চৎপা য়াবা (ক) মীয়াম্না হিংবা অমসুং থবক শুবদা হেন্না নুংঙাইবা (খ) মচু থোকপা অমসুং মগুন লৈরবা সার্ভিস ফংহনলবা, অমসুং (গ) নীংথিরবা, হেরিতেজ অমসুং অইং অশা অমসুং শেন্মিৎলোন্দা অহোংবা পুরকপা বাইওদাইবর্সিতী লৈরবা খুঙ্গংগী খুন্নাই অমা শেম্নবগীদমক রুরেল স্পাসিএল প্লানিংগী থবকশিং লৌখৎখ্রে।




সংবিধানগী মখাদা পঞ্চায়ত্তা পীরিবা শক্তিগা লোইননা, অর্বান লোকেল বোদীশিংনা লৌখৎলিবা স্পাসিএল দিভেলপমেন্তেল প্লানশিংগুম্না মখোয়গী অকোইবদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা শেন্মিৎলোন চাউখৎনবগীদমক তৌবা য়াবা থবকশিং পায়খৎপা হায়বসি পঞ্চায়ত্তা মহৌশাদগী লৈজরবা অমনি।



*অহাংবা লমদা লৈকাইগী অমোৎ অকাই হুন্দোকপা*



*অহাংবা নালাদা ফত্তবা হুন্দোকপা*

*সেক্রেতরী, পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়



*ঈশিং লৈবা মফমদা শা শন ইরুজশিনবা*

মসিদা য়াওরিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা, নেসনেল হায়ৱে নত্ত্রগা মশক থোকপা স্তেৎ হায়ৱেশিংগী অনকপদা লৈরিবা GPশিংদা চাউখৎনবা হোৎনবা, মথং মনাও নাইনা শীন্দোক্লবা ইনফ্রাস্ত্রকচর দিভেলপমেন্ত, পঞ্চায়তনা করি তঙাইফদবা লৈ হায়বদুগী অহান অকোন খঙদোকপা; খুদোংচাবশিং মতীক চানা য়েন্থোক্তুনা রিসোর্স মেনেজমেন্ত হেন্না ফগৎহনবা; তুংগী পোলিসীগী ৱারেপকী পোরম অমা শেম্নবা লোকেল আইদেন্তিতী মপাঙ্গল কলহনবা; অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা মমল তাঙদবা য়ুমশিং ফংহনবগা লোইননা ফগৎলবা শেন্মিৎলোন, তুং কোইনা চৎপা য়াব খুন্নাই অমসুং অকোইবা। মসিনা অহেনবা কম্যুনিতি সার্ভিস মখল কয়া, থবক্কী খুদোংচাবা, সহরদা চৎপা নত্ত্রগা য়ুম হোংদনা খুঙ্গংগী খুন্নাইদা ৱাখল মঙম শানবা মীওই কয়া থোক্লকপা হেনগৎহনবদা মতেং ওইগনি।

মসিগুম্বা তোপ তোপ্পা থৌরাং অসিগী মখাদা, মন্ত্রালয় অসিনা একাদেমিক ইনস্তিত্যুসন 17কা খুৎশম্নদুনা অন্ধ্র প্রদেশ, অসম, ছতিশগর, গুজরাৎ, হরিয়ানা, ঝারখন্দ, কর্নাতাকা, মধ্য প্রদেশ, মহারাস্ত্রা, ওড়িশা, তমিল নাদু, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং



*শঙ্গোন অমসুং ওর্গানিক ওইবা ফত্ত-হাউথী*

নোংচুপ বেঙ্গালগী নেসনেল নত্ত্রগা স্তেৎ হায়ৱেদা লৈবা পঞ্চায়ত 34দা মাস্তর প্লান অমা শেমখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা, ময়ামগা শম্নরিবা হায়ৱেশিং অসিদা লৈবা ত্রাফিক ফ্লো (কার, ত্রক অসিনচিংবা) অমসুং নেসনেল অমসুং স্তেৎ হায়ৱেশিং অসিদা লল্লোন ইতীক্কী ওইবা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরিবসি খুঙ্গংগী মীয়াম্না মপুং ফানা লৌবা ঙমদ্রি। স্পাসিএল প্লান্নিংগী খোঙথাংশিং অসিনা মখাগীশিং অসিদা মীৎয়েং থম্লিঃ



*অহাংবা লমদা ফত্তবা হুন্দোকপা*

i. হেন্না মমল চঙদবা য়ুমশিং তুংদা ফংহনবা, তলব মতীক চানা পীবা থবক অমসুং সার্ভিসশিংবু পাম্বগা ফংহনবা
ii. অহেনবা য়ুম ফংহনবা অমসুং অহল ওইশিল্লক্লবা অমসুং মশিং য়ামখৎলক্লিবা মীয়ামগী থবক পীবা
iii. শেন্মিৎলোনগী অৱাবা কোক্লবা অমসুং লৈবাক



*ফত্তবা পোলিথিন অমসুং প্লাস্তিক অশংবা লমহাংদা হুন্দোকপা*

পুম্বদা থমখিবা কোভিদকী অথিংবা কোক্লবা ভারতকী খুঙ্গংদা তঙাইফদ্রিবসি লোকেলিজম্নি
iv. অইং অশাগী অহোংবদগী লাকপা অকিবা মাইয়োক্লরিবা মালেমদা ইকো সার্ভিস পীবা



*ত্যুব ৱেলশিংদগী থোকপা অতোৎপা ঈশিং*

হায়রিবা স্পাসিএল প্লানিং অসিনা পঞ্চায়তশিংদা লৈবা অকক্নবা মফম অমসুং জগাশিংবু অরৈবা রিসোর্সশিং য়েংদুনা তুংদা করি শেমগৎ-শাগৎপা য়াবগে হায়বদুগী পোরম য়াৎনবা হোৎনরি। হায়রিবা প্লনিং অসিনা লম মপু, দিবেলপর অমসুং লৈঙাক্কী ওথোরিতীশিংদা পুন্নমক্কী ওইবা অমসুং গনতান্ত্রিক ওইবা প্লানিংশিংগী লমজিং লমতাক পীগনি।

হায়রিবা থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না, গ্রাম পঞ্চায়তশিংনা মখোয়গী খুঙ্গংশিংদা লৌউশিংউ, লৈনবা মফম, লমদম অদুগী কৈথেল, পার্ক, ঈশিং তুংশিনফম, এগ্রোদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দস্ত্রী, MSME ইনস্তিত্যুসনশিং হায়বদি বেঙ্ক, পোস্ত ওফিস, অঙ্গনৱারি, PHC, স্কুল অসিনচিংবগী লম লেপথোকপা অমসুং রেস্তো নত্ত্রগা সার্ভিসকী লম নত্ত্রগা হায়ৱে নাকন্দা গারী পোথাফম শেম্নবগী মফম লেপকনি। মতীক চাবা প্লানিংগী থৌরাংনা অচিবা রিসোর্সশিংবু চাউখৎ-থৌরাংগীদমক ৱারেপ লৌবদা মপাঙ্গল কনখৎহনগনি। অসিগুম্বা প্লানিং প্রোসেস অসিদগী লাকপা মরুওইবা ফলশিং অসি GPশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগীদমক আউন সোর্স ওব রেবিন্যু (OSR)গী খুদক্কী নত্ত্রগা তুংগী ময়েক শেংবা পোরম অমা য়াৎনবা সোর্স ওইগনি।

স্পাসিএল প্লান মায় পাক্লা থবক্তা পায়খৎপা



*ফিবম শোক্লবা বিল্দিং*

হায়বসি শিংনবা কয়া অমা মাইয়োক্লগনি। মসিদা মাইকৈ কয়াদগী লাকপশিংগা পুনশিন্নবা অমসুং নেসনেল/লোকেল রাজনিতী পার্তীশিংগা মরীক চুন্না পুনশিন্নবগী তঙাইফদবা লৈগনি। মসিদা ইমপ্লোইমেন্ত, হাউসিং, ইনর্জী, সেনিতেসন, রিক্রিএসন অমসুং কঞ্জর্বেসনগী মরক্তা অমগা অমগগী মরক্তা লৈনবা মরী অমা শাগৎপা চঙগনি। লোকেল ওইনা মসিদা কম্যুনিতিনা লুচিংবা প্লানিংগী থৌরাং অমসুং প্লানশিং অমসুং লোকেল ওথোরিতীশিং অমসুং অতোপ্পা স্তেত্যুতোরী বোদীশিংগগী মরক্তা মরী অমা শাগৎপা চঙগনি।




**মন কী বাত:** লৌমীশিংনা হৌজিক্তি মশাগী অপাম্বগী মপু ওইজরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রী মোদীনা ফার্ম বিলশিংদা হায়রি

# তরামঙাশুবা ফাইনান্স কম্মিশন্না পঞ্চায়তশিংদা আত্মনির্ভর ভারত ফংনবগীদমক পীবা শেন্থুং

**- MoPR***

*"লৈবাক অসিদা লেপ্লিবা ক্যগী খ্বাই অরোইবদা লৈবা মীদুফাওবা কান্নবা পীনবা রিসোর্স লৈজে অমসুং অফবা লৈঙাক্লা অপাম্বা ফল ফংহনবা ঙমগনি।"*

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

## 1. হৌরকফম

1.1 হৌখিবা চহী নিফুরোম অসিদা, চাউখৎলক্লিবা মালেম অমা উবা ফংখ্রে, হায়রিবসিদা রাজনিতী, এদমিনিস্ত্রেতিব অমসুং শেল থুমগী শক্তি অসি লোকেল সেল্ফ গবর্ন্মেন্তকী য়ুনিৎশিংদা য়েন্থোকপগী চৎনরোল অমা উরে। ভারতনসু হায়রিবা চৎনরোল অসিগা খোঙথাং মান্ননবগীদমক হুম্ফুতরাহুমদোই অমসুং হুম্ফুতরা মরি শুবা সংবিধান শেমদোকপদা হোৎনরি। 73শুবা সংবিধান শেমদোকপগী এক্তনা পঞ্চায়তি রাজ ইনস্তিত্যুসনশিং (PRI)দা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী মফমশিংদা মীখল তৌদুনা শেম্বা সেল্ফ গবর্নিং লোকেল বোদীশিংগী মতুং ইন্না কন্সতিত্যুসনেল স্তেতস অমসুং ইনস্তিত্যুসনেল ফ্রেমৱার্ক পীরি। অসুম্না 73শুবা কন্সতিত্যুসনেল এমেন্দমেন্ত এক্তনা রাজ্য/য়ুনিয়ন তেরিতোরীশিংদা মীয়াম শরুক য়াবা, আইনগী কাংলোন, মনুং মপান ফাওনা উবা, পাউখুম থুনা পীবা, ইক্বিতী লৈবা, কান্নবা ফংবা অমসুং থাজবা য়াবা অফবা লৈঙাক্কী মতৌ উবা ফংহনখ্রে। 73শুবা সংবিধান শেমদোকপগী এক্তনা PRIশিংদা শক্তিশিং ফংসনেল অমসুং ফিস্কাল দিসেন্ত্রেলাইজেসন তৌবদা মীৎয়েং থল্লি।

1.2 কোভিদ লাইচৎকী মতুংদা, ভারত সরকারনা শেন্মিৎলোনগী ওইবা থবক থৌরম খুদিংদা লোকেল ওন্ত্রপ্রিন্যুরিএলগী ৱাখল্লোনগী থোঙদা শেন্মিৎলোন চাউখৎনবা অমসুং লৈবাক মচা খুদিংমক্তা হিংবদা লায়নবগীদমক আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান লাউথোকখ্রে। ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রীনা ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না, "আত্মনির্ভর ভারত অসি ইশানা পেন্থোকচবা নতত্রগা মালেমগা শন্নদবদু নত্তে, মসি ইশানা ইশাগী কোন্ননবা অমসুং ইশানা পুথোকচবা ঙম্নবা হোৎনবদুনি। ঐখোয়না কান্নবা ফংজবা, ইক্বিতী লৈবা অমসুং খাঙবা কনবগী মঙলান অমা শাগৎনবা থৌশিলশিং পুথোক্লবা হোৎনগনি।" থবক শুবা মীওইশিংগী মশিং অয়াম্বনা ঐখোয়গী খুঙ্গংদা লৈবনা মরম ওইদুনা, আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান অসি মায় পাক্লবগীদমক, খুঙ্গংগী পাক চাওরবা মীয়াম্বু মহুৎ শিল্লিবা পঞ্চায়তশিংনা হেন্না মরুওইবা থৌদাং য়াবা তঙাইফদে।

1.3 রুরেল লোকেল বোদী (RLB)শিংবু মখোয়না গবর্নান্স সিস্তেম অসি লোকেলাইজ তৌদুনা মীয়াম্বু ফঙ্গন, ফন্দ অমসুং ফংসনরিশিংগী শক্তি য়েন্থোক্লবা হোৎনরিবা অসি শৌগৎকদবনি। RLBশিংদা শেলগী অৱাৎপা লৈতনবা অমসুং থৌদাং পাংথোক্লবগীদমক শেন্থুং মতীক চানা পীবীবনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা তঙাইফদবা সার্ভিসশিং পীনবগীদমক মতীক চাবা লন শেম্বদা মতেং পাংগনি। মসিনা মীয়াম্বু সার্ভিসশিং অসিগী কান্নবা ফংলবা মী ওইহনবদা নত্তনা ওন্ত্রপ্রিনর্শিপ অমসুং পুন্সিগী লম্বী ওইনবগীদমক শেন্মিৎলোন চাউখৎনবা লম্বী পীনবগীদমক এন্তর্প্রাইজিং কম্মর্সিএল ভেঞ্চর কয়া শেম্বদা মতেং ওইগনি।

1.4 73শুবা এমেন্দমেন্ত এক্ত, 1993গী মখাদা হাপচিনখিবা সংবিধানগী আর্তিকল 280(3)গী মখাদা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশন্না রাজ্য অদুগী ফাইনান্স কম্মিশন্না পীবা পাউতাক্কী মতুং ইন্না রাজ্যগী পঞ্চায়তশিংগী রিসোর্সতা মতেং ওইনবগীদমক রাজ্য অমগী কন্সোলিদেতেদ ফন্দ শেম্বগী পাউতাক পীবা তঙাইফদে। অদুম ওইনমক, খুঙ্গংগী লোকেল বোদীশিংদা শক্তি শিন্নবগী থবক্তি তরাশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (মতম 1995-2000)দগী হৌখ্রে, অদুবু তরানিথোইশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (মতম 2005-10) ফাওবনা, মমিংগী ওইবা শক্তিদি RLBশিংদা লম সম ওইনা পীখ্রে।

## 2. তরাহুমদোইশুবা অমসুং তরামরিশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (XIII&XIV FC) – পীবগী মতম 2010-15 অমসুং 2015-20

2.1 তরাহুমদোইশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (XIII FC)না RLBশিংদা লম শমদা পীক্লা পীবদগী নাথৈরগা, দিবিজিবল পুলদগী চাদা খাইদোক্তুনা পীরে হায়বদি, (ক) দিবিজিবল পুলগী চাদা 1.5 য়ৌবা বেসিক গ্রান্ত (খ) 2011-12দগী হৌদুনা চহী মরি ফাওবা পীগদবা অহানবগী চহী অমসিদনা দিবিজিবল পুলগী চাদা 0.5গী চাংদা লৈবা পার্ফোরমেন্স গ্রান্ত অমসুং লেমহৌরিবা চহী

*পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়দগী ফংবা ইনপুৎশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা পীবা

অহুমদুনা চাদা 1 পীগনি। মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা সেদ্যুল এরিয়াশিং অমসুং সংবিধানগী পার্ত IX অমসুং IXAনা কোন্দবা মফমশিংগী ওইবা অখন্নবা স্পেসিএল এরিয়া বেসিক গ্রান্ত অমসুং স্পেসিএল এরিয়া পার্ফোরমেন্স গ্রান্তসু পীনবা কম্মিশন্না হায়খি।

XIII FCগী অপুনবা লুপা ক্রোর 65160.76 অসিদগী লুপা ক্রোর 58256.63দি RLBশিংদা থাদখ্রে।

2.2 তরামরিশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (XIV FC)না লৈবাক অসিদা লৈরিবা সংবিধানগী পার্ত IXগী মখাদা শেমখিবা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগীদমক অপুনবা ওইনা পর কেপিতা পর এনমদা লুপা 488গী মতেং ওইনবা লুপা ক্রোর 2,00,292.20 থাদনবা হায়রি। মসিগী মনুংদগী লুপা ক্রোর 1,80,262.98না বেসিক গ্রান্তনি অমসুং লুপা ক্রোর 20029.22না রাজ্য 26কী পার্ফোরমেন্স গ্রান্তনি। অতোপ্পা মাইকৈ অমদা, XIV FCনা থাজবদা য়ুফম ওইবা খোঙথাং অমা হৌদোকখি অমসুং হায়খি মদুদি শক্তি য়েন্থোকপসি অতোপ্পা মথাং অমত্তা য়াওদনা GPশিংদা হকথেংননা পীগদবি হায়খি, মরমদি মখোয়সি খুঙ্গংগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পীবগী থৌদাং মহৌশাদগী লৌদুনা লাক্লি। পীরিবা গ্রান্তশিং অসি ঈশিং, সেপ্তেজ মেনেজমেন্ত, সিৱরেজ অমসুং সোলিদ ৱেস্ত মেনেজমেন্ত য়াওনা সেনিতেসন, স্তোর্ম ৱাতর দ্রেনেজ, খুনগী এসেৎ য়েংশিনবা, লম্বী শেমজিনবা, খোঙ লম্বী শেমজিনবা অমসুং লম্বীদা মৈ থানবা অমসুং মী ফুম্ফম, সংস্কার তৌফম, অমসুং অতোপ্পা তঙাইফদবা মখোয়দা পীরিবা থবকশিংগী মনুংদা লৈবশিংগী ফিবম ফগৎনবা শীজিন্নগদবনি। XIV FCনা থাদবা অপুনবা লুপা ক্রোর 1,83,248.54 (থাদরিবা শেনফমগী চাদা 91.49) শেনফমদি XIVFC এৱার্দকী মতম 2015-20গী গ্রাম পঞ্চায়তশিংগীদমক শেমখি।

## 3. তরামঙাশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (XV FC) 2020-26

3.1 তরামঙাশুবা ফাইনান্স কম্মিশন (XV FC)না, মসিগী মরক্কী ওইবা পাউদমদা, শেনবা চহী 2020-21গী ওইনা মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা সেদ্যুল এরিয়াশিংদা লৈবা ত্রেদিসনেল বোদীশিং য়াওনা পঞ্চায়তি রাজগী মথাং খুদিংদা লৈবা RLBশিংগী লুপা ক্রোর 60,750 থাদনবা হায়রি। মসিগী শেন্থংশিং অসি শরুক অনি থোক্লা খায়দোক্লি, মমিং ওইনা পল্লবদা, তোলোব অমসুং অতোপ্পা ইস্তাব্লিশ্মেন্ত এক্সপেন্দিচর নত্তবা মফম অদুগী তঙাইফদবশিংগী ওইবা বেসিক (অন্তাইদ) অমসুং তঙাইফদবা সার্ভিস হায়বদি (ক) সেনিতেসন অমসুং ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইবগী ফিবম য়েংশিন্নবগী, (খ) থক্লবা ঈশিং থাবা, নোং ঈশিং লোকপা অমসুং শেনবা চহী 2020-21গী FC XVগী মচাক ওইনা ঈশিং রিসাইক্লিং চপ মান্নবা চাংদা তৌনবা (চাদা 50) তাইদ গ্রান্তনি।

3.2 মসিগী অরোইবা পাউদমদা XV FCনা চহী মঙাগী ওইনা 2021-26 ফাওবা রুরেল লোকেল বোদী গ্রান্ত ওইনা লুপা ক্রোর 2,36,805 থাদনবা পল্লি। 2021-26 ফাওবগী ওইনা তাইদ গ্রান্ততা লৈবা বেসিক গ্রান্তকী রেসিও (অন্তাইদ) অসি চাদা 40:60 নি।

3.3 XV FCনা অন্তাইদ গ্রান্তশিং অসি XI সেদ্যুলদা য়াওরিবা সবজেক্ত 29দা লৈবা অৱাৎপশিংদা তোলোব অমসুং ইস্তাব্লিশ্মেন্তকী অচঙবা শেনফম নত্তনা অতোপ্পশিংদা শীজিন্নববা হায়রি। হায়রিবা গ্রান্ত অসিদগী রাজ্য সরকারনা য়ারবা মপানগী এজেন্সীশিংনা একাউন্ত ওদিৎ তৌবগী অচঙবা শেনফম অদু শীজিন্নবা য়াগনি। অন্তাইদ গ্রান্তশিং অসি জাতি অসিনা মীৎয়েং থম্লিবা হকশেল, মহৈ মশিং অমসুং চীঞাক্কী হীরমশিংদা থানবা RLBশিংদা পুক্লিং থৌগৎপীগনি। তাইদ গ্রান্তশিং অসি জাতি অসিনা মরুওইনা লৌরিবা তঙাইফদবা সার্ভিসশিং হায়বদি (ক) সেনিতেসন অমসুং ওপন দিফিকেসন ফ্রী (ODF) স্তেতস য়েংশিনবা অমসুং (খ) থক্লবা ঈশিং, নোংগী ঈশিং লোকপা অমসুং ঈশিং সাইক্লিং তৌনবগীদমক শীজিন্নবা য়াগনি।

3.4 2021-26কী তাইদ গ্রান্তকী চাদা 60গী মনুংদা চাদা 30দি থক্লবা ঈশিং, নোংগী ঈশিং লোক্লবা অমসুং ঈশিং সাইক্লিং তৌনবগীদমক থাদগনি, অমসুং চাদা 30 অমনা সেন্তিতেসন অমসুং ODFকী ফিবম য়েংশিন্নবা শীজিন্নগনি। অদুমওইনমক, করিগুম্বা লোকেল বোদী অমনা কাংলুপ অমদা হেন্না মপুং ফাখ্রবদি, ওতোপ্পা কাংলুপশিংদা শেন্থং অদু শীজিন্নবা য়াগনি। মরী লৈনবা খুঙ্গংগী এসেম্বলী/গ্রাম সভা অদুবু মকোক থোংবা ওথোরিতী নত্ত্রগা রাজ্য সরকারনা কনফার্ম তৌরবা মতুংদা সর্তিফাই তৌগনি।

3.5 লেমহৌরিবা স্তেৎ ফাইনান্স কম্মিশন (SFC) শেম্ববু 2024-25দগী হৌদুনা লোকেল বোদীশিংদা XVFC থাদোক্লবগী তঙাইফদবা মচাক অমা ওই হায়রি। মসিদসু নত্তনাপল্লিক দোমেন্দা ওনলাইন্দা প্রোবিজনেল/ওদিৎ তৌরবা একাউন্ত লৈরবা রাজ্য/ রুরেল লোকেল বোদী (RLB)শিংতনা হায়রিবা শেন্থং অসি 2021-22দগী ফংবা হৌগনি।

3.6 হৌজিক্কী ওইরিবা লাইচৎকী শিংনবশিং অসি কোক্লবগীদমক, হকশেলগী সার্ভিসশিং খুঙ্গংগী লমশিংদা ফগৎনবগীদমক, XV FCনা লুপা ক্রোর 70,051গীবু তোখাইনা 'হকশেলগী শেন্থং' ওইনা খাকখ্রে, হায়রিবা থবক অসিসু লোকেল বোদীশিংগী খুত্থাংদা পায়খৎকনি। হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদগী লুপা ক্রোর 43,928না প্রাইমরী হেল্থ কেয়র ফেসিলিতীশিংদা দাইগ্নোস্তিক ইনফ্রাস্ত্রকচর

শেমগৎনবা, ব্লোক লেভেল হেল্থ য়ুনিৎশিংদা তেংবাং পীনবা, বিল্দিং লৈতবা সব সেন্তরশিংদা বিল্দিং শানবা, প্রাইমরী হেল্থ সেন্তর অমসুং কম্যুনিতি হেল্থ সেন্তর অমসুং রুরেল প্রাইমরী হেল্থ সেন্তরশিং অমসুং সব সেন্তরশিংবু হেল্থ অমসুং ৱেলনেস সেন্তর ওন্থোক্নবা RLBশিংদা থাদগনি।

## 4. গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত প্লান (GPDP)গী শেম শাবা

4.1 শেন্থংশিং অসিবু মতীক চানা শীজিন্নবগী মরুওইবা য়েংদুনা, শেন্থংশিং অসি পঞ্চায়তশিংনা মীয়ামদা সার্ভিসশিং ফংহন্নবা পোরম য়াৎলবা মতুংদা শীজিন্নগদবনি। পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয় (MoPR)না GPDPগী চৎন-কাংলোনশিং ফোংখ্রে অমসুং রাজ্যশিংদা রাজ্যগী ওইবা অখন্নবা পঞ্চায়তশিংনা শক্তি পায়বা কেন্দ্রগী FCগী শেন্থং,

MGNREGSকী শেন্থং, স্বচ্ছ ভারতকী শেন্থং, স্তেৎ ফাইনান্স কম্মিশনগী শেন্থং অসিনচিংবশিং অমত্তা ওইনা



*মীয়ামগী প্লান কেম্পেন*

পুনশিন্নবা GPDPগী অখন্নবা কাংলোন শেমগদবনি হায়রি। GPDP প্লানশিং অসি লমদম অদুগী চাউখৎ থৌরমগী হীরম শেন্নবা অমসুং চাউখৎ খোঙথাংশিংদা লৈবা খুরৌশিং কোক্নবা পাম্বৈ থিনবগী খুন্নাই অদুদা পীবা খুদোংচাবা অমনি। মসিনা অমুক্কসু হায়রি মদুদি GPDPগী পান্দম অসি সস্তেনেবল দিভেলপমেন্ত গোল (SDG)গা মরী লৈনবশিংবুসু কোনশিন্নবা অমসুং মসিগী মায় পাকপশিংবু মতম চানা কোনশিন্নবা হায়রি।

4.2 মীয়ামগী প্লান কেম্পেনগী থোঙদা MoPRনা হেন্না লাইথোকহনখ্রে অমসুং রাজ্যশিংগী পঞ্চায়তশিংদা মখোয়গী GPDPশিং তোঙান-তোঙানবা রিসোর্সশিংদগী লাকপা ফন্দশিং পুনশিন্দুনা মখোয়দা ফংবা রিসোর্সশিং শীজিন্নদুনা শেম্নবা পুক্কিং থৌগৎলি। মসিনা শেন্থংশিংবু লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লমশিংদা থোং মান্নবা চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক শীজিন্ননবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

## 5. সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশন ফন্দ ফ্লো অমসুং শীজিন্নবা য়েংশিনবা

### 5.1 গবর্নান্স মেকানিজম

ফাইনান্স কম্মিশনগী শেন্থংশিং য়েংশিনবা অমসুং মতীক চানা শীজিন্নরিব্রা য়েংশিন্নবগীদমক, রাজ্যশিংগী চীফ সেক্রেতরীশিংগী লুচিং মখাদা হাই লেবেল মোনিতরিং কম্মিতী (HLMC) শেম্বা তঙাইফদে। HLMCশিংদা মরী লৈনবা রাজ্যগী বিভাগশিংদগী মীহুৎ শরুক য়াগনি খুদম ওইনা, রুরেল দিভেলপমেন্ত, পঞ্চায়তি রাজ, দ্রিংকিং ৱাতর অমসুং সেনিতেসন, হকশেল, শেল থুম অসিনচিংবশিং অমসুং মখোয়না চাং নাইনা মীফম পাঙথোক্নুনা রাজ্য অদুগী খুমাং চাউশিনবগী চাং য়েংশিনগনি। রাজ্য সরকারশিং অমসুং লোকেল বোদীশিংনা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশনগী রিকমেন্দেসনশিং থবক্তা ওন্থোকপা, কেন্দ্রগী থাক্তা লৈবা মন্ত্রীশিংগী অরক্তা মরী শেমগৎনবগীদমক, লোকেল বোদীশিংনা CFCগী শেন্থংশিংগী চাদিং য়েংশিন্নবা অমসুং য়েংশিন্নবগী খোঙথাংশিংগী পাউতাক পীনবা, লমজিং লমতাকপীনবগীদমক অমসুং শৌগৎপীনবগীদমক, কোওর্দিনেসন কম্মিতী অমসু পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়দা শেমখ্রে। কম্মিতী অসি পঞ্চায়তি রাজ সেক্রেতরীনা লুচিংলি অমসুং মসিদা তোঙান-তোঙানবা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়, C অমসুং AG, NIRD অমসুং PR অমসুং রাজ্য তরেৎকী পঞ্চায়তি রাজ বিভাগকী মীহুৎশিংনা শরুক য়ারি।

### 5.2 ইগ্রামস্বারাজ

MoPRনা লিংখৎপা ইগ্রামস্বারাজ হায়বসি অমদগী অমদা পীবা ইনফোর্মেসন সিস্তেম অমা পঞ্চায়তকী শেল থুমগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবগী অপুনবা ওনলাইন সিস্তেম অমনি। প্লানিং মোদ্যুলনা পোরম য়াৎখ্রবা থবক থৌরমশিংগী তোঙান-তোঙানবা স্কিমদগী লাকপা শেন্থংশিং পুনশিলহনবদা মতেং পাংগনি, মসিনা অউক অরৈবা শেন্থংশিংবু য়ারিবমখৈ অঙম্বা থাক্তা শীজিন্নবা য়াহনগনি, অদুগা নাকন অমরোমদনা মরুওইবা থবকশিংবুসু শেন্থং লৈতবনা মরম ওইদুনা পাঙথোক্তনা লৈখিবদগী কনবা ঙম্লগনি।

PRIগী থবক থৌরমশিং হেন্না থাজবা হেনগৎনবগীদমক PRIদা চনিং তাবা শেলথুমগী পানবগী পথাপ অমা থম্বা হায়বসি মতম শাংনা পামদুনা লাক্লবা অমনি। eGS–PFMS ইন্তর্ফেস (eGPI) য়াওবা একাউন্তিং মোদ্যুল অসি পঞ্চায়তশিংনা ভেন্দরশিংদা অমসুং সার্ভিস প্রোভাইদরশিংদা মরী লৈনবা পঞ্চায়তশিংদা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী শেল খুদক্তা পীবা য়াহল্লিবা অহানবা মখল অমনি। MoPRনা অসুম্না পঞ্চায়তশিংদা eGPI শীজিন্নদুনা ভেন্দর/সার্ভিস প্রোভাইদরশিংদা সেন্ত্রেল

ফাইনান্স কম্মিশনগী শেন্থংশিং হেন্না মনুং মপা ফাওনা উবা অমসুং থাজবা হেনগৎনবা শীজিন্নবা য়াহল্লে। মসিগী মথক্তা, মোবাইল এপ–এম.এক্সন সোফকা লোইননা শেন্থংশিংদগী শেমখিবা ফিজিকেল এসেৎশিংসু হেন্না মনুং মপান ফাওনা উবা অমসুং থাজবা হেনগৎনবগীদমক জিও তেগিং তৌগদবনি হায়রি।

## 6. পঞ্চায়তশিংগী আউন সোর্স রেভিন্যু

6.1 সংবিধান্দা য়াওরিবা প্রোবিজনগী মখাদা, রাজ্যশিংনা লোকেল গবর্নমেন্তশিংবু লোকেল সেল্ফ গবর্নমেন্তকী ইনস্তিত্যুসন ওইনা মথৌ তৌবা য়ানবা অখন্নবা থৌদাং য়াৎচবগী শক্তি লৈজে। রাজ্যশিংনা খুঙ্গংগী অমসুং সহরগী লোকেল গবর্নমেন্তশিংবু অখন্নবা চুন্নবা তেক্স, দ্যুতী, তোল অমসুং ফীনচিংবা খোমগৎনবা অমসুং অখন্নবা রাজ্যগী থাক্তা লৈবা তেক্সশিং খোমগৎনবা শক্তি পীবা য়াই।

6.2 মতীক চাবা আউন সোর্স রেভিন্যু (OSR) শেম্বা হায়বসি RLBশিংনা আত্মনির্ভর ফংনবগীদমক শেল থুমগী ওইবা চঙদ্রবা য়াদবা মরুওইবা অমনি। মসিনা মখোয়বু সার্ভিস পীবদা মগুন লৈবা হেলহনলি অমসুং মীয়ান্নসু থাজবা হেনগৎহনগনি। RLBদা পীরিবা তেক্সকী থবকশিংগী মনুংদা, গ্রাম পঞ্চায়তনা অতোপ্পা মথাং হায়বদি ইন্তর্মেদিএত পঞ্চায়ত (IP) অমসুং জিলা পঞ্চায়ত (ZP)শিংদগী তেক্সেসনগী রিকোর্স ৱাংবা হেল্লি। RLBশিং অসিবু কম্মন প্রোপর্তী রিসোর্স (CPR) মেনেজমেন্ত হায়বদি তেঙ্ক ওক্সন তৌবা, উ য়োনবা নত্ত্রগা থাদোকপা, পুখ্রী অমসুং লম থাদোকপা অসিনচিংবা কয়াদগী শেল কাররুবা হোৎনবগী শক্তি পীরি। মসিগী মথক্তা, PRIশিংনা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশনগী শেন্থং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লাকফমশিংদগী কারকপা শেন্থংশিংবু চাগা লাকপা য়াবা এসেৎশিং হায়বদি কম্মর্সিএল বিল্দিং, স্তোরেজ ফেসিলিতী, কৈথেল অমসুং অতোপ্পা শান্দোকপা য়াবা খুদোংচাবশিং শেম্বগীদমক শীজিন্নবগী অয়াবা পীরি।

6.3 লৈবাক অসিগী RLBশিংগী চাংচত্তা লৈবা আউন সোর্স রেভিন্যু (OSR) অসি হৌজিক্কী ওইনা মখোয়গী অপুনবা বজেৎকী চাদা 10 রোম লৈ হায়না পারি। অদুমওইনমক, অন্ধ্র প্রদেশ, গুজরাত, হরিয়ানা, কেরলা, কর্নাতাকা, মহারাস্ত্রা, পঞ্জাব, তমিল নাদু, তেলঙ্গানা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গালগী RLBনা তোঙান-তোঙানবা পাম্বৈশিংদগী OSR কারকপা হেল্লি। RLBশিংবু মখোয়গী OSR হেনগৎনবগী মতীক চাবা থৌরাং ওইনা MoPRনা অতোপ্পা রাজ্যশিংগা তান্নদুনা অমসুং লাক্কদবা শেনবা চহীদা হেন্না ৱাংবা ও.ঈস.আর. ফংনবগী পান্দমশিং RLBনা থন্নবা হায়রি।

## 7. ওদিৎ ওনলাইন- পঞ্চায়ত একাউন্তশিংগী ওনলাইন ওদিৎ

7.1 XVশুবা ফাইনান্স কম্মিশন্না মসিগী রিকমেন্দেসন্দা লোকেল বোদীগী থাক্তা ওদিৎ তৌরবা একাউন্ত লৈতবগী নুংনাংবা ফোংদোক্লি। হায়রিবা মরুওইবা ইনস্তিত্যুসনেল রিফোর্ম অসি ফংনবগীদমক MoPRনা পঞ্চায়তকী একাউন্তশিং ওনলাইন ওদিৎ তৌনবগীদমক ওদিৎওনলাইন হায়বা এপ্লিকেসন অমা হৌদোকখ্রে, মসিনা পঞ্চায়তশিংগী শেলথুম পান্নবদা মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি অমসুং মনুং মপান ফাওনা উরগনি। ওদিৎওনলাইন্না একাউন্ত ওদিৎ তৌবদা হেন্না খুদোংচাহনবদা নত্তনা পাঙথোকখ্রবা ওদিৎশিংগী ওদিৎ রেকোর্দ নিংথীনা থম্বদসু মতেং ওইরগনি। হায়রিবা এপ্লিকেসন অসিনা ওদিৎ ইক্কারি, লোকেল ওদিৎ রিপোর্ত দ্রাফ তৌবা, ওদিৎ পেরাশিং দ্রাফ তৌবা অসিনচিংবগী থৌওংদা স্ত্রিম্লাইন তৌবা য়াহল্লগনি। ওদিৎওনলাইনগী খ্বাইদগী মরুওইবা হীরমশিংগী মনুংদা অমদি, মসি মপুং ফানা কনফিগুর তৌবা য়াবা এপ্লিকেসন অমনি হায়বদি, এপ্লিকেসন অসি রাজ্যগী ওদিতরনা ওদিৎওনলাইন শীজিন্নদুনা ওদিৎকী থবক তৌবা মতমদা রাজ্যগী ওদিৎকী থৌওং কায়হন্দনবা শেমদোকপা/কনফিগুর তৌবা য়াই। পঞ্চায়ত/ত্রেদিসনেল লোকেল বোদী (TLB)গী তাংকক খুদিংদা পঞ্চায়ত/TLBশিংবু ওদিৎ তৌনবগীদমক ওদিৎওনলাইন হাপচিনবনা পঞ্চায়তকী মথৌদা হেন্না মনুং মপান ফাওনা উনবা মপাঙ্গল কল্লবা ওনলাইন সিস্তেম অমা ওইগনি অমসুং সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশন (CFC)গী শেন্থংশিংবু মখোয়না খুঙ্গংগী লমশিংদা থবক পায়খৎপদা নুংঙাইগনি।

## 8. XV FC গ্রান্তশিংগী থবক থৌরমশিংগী সোসিএল ওদিৎ

8.1 সোসিএল ওদিৎকী মেকানিজম অসি থৌরমশিং অসিগী ফংনিংলিবা পান্দমশিং অসিবু তশেংনমক ফংলব্রা হায়বদু য়েংনবা অমসুং কান্নবশিং অদু কান্নবা ফংগদবা মীওইশিং অদুদা য়ৌরব্রা হায়বা খঙনবা লিংখৎখিবনি। সোসিএল ওদিৎশিং অসি



*সোসিএল ওদিৎ পব্লিক হিয়রিং*



*এরোবিক কম্পোস্তিং য়ুনিৎ, GP এরুকোনে (কোল্লম, কেরলা)*

MGNREGSকী ওইনদি তৌদবা য়াদ্রবা অমা ওইনা মতীক চানা পাঙথোক্লি অমসুং মসি রাজ্য খরদা XIV FC শেন্থংগী য়ুতিলাইজেসন য়াওনা অতোপ্পা লৈঙাক্কী থৌরম অমসুং স্কিমশিংবুসু কোনশিন্নবা পাকথোক চাউথোক্লক্লি। MoPRনা হৌজিক্তি মপুং ফাবা সোসিএল ওদিৎকী চৎনা পথাপশিং শেম্নবা খোঙথাং পায়খৎখ্রে, হায়রিবসি তোঙান-তোঙানবা স্তেকহোল্দরশিংনা XV FC শেন্থংশিংগী থবক থৌরমশিং সোসিএল ওদিৎ তৌনবগী পোরম য়েংনবা চে-চাং ওইনা শীজিন্নগনি।

## 9. ফাইনান্স কম্মিশন গ্রান্তশিং য়াওনা পঞ্চায়ত চাউখৎপগী মায় পাক্লবা হ্বারীশিং

### 9.1 ওর্গানিক কম্পোস্ত প্লান্ত

কোল্লম (কেরলা)গী এরুকোনে গ্রাম পঞ্চায়তনা বাইওদিগ্রেদেবল হ্বেস্তশিংগীদমক এরোবিক কম্পোস্তিং য়ুনিতশিং মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চলাইনবা প্রোজেক্ত পায়খৎনবা মীৎয়েং থম্লি। প্রোজেক্ত অসিনা গ্রাম পঞ্চায়তকী থাক্তা থাগী ওইনা লুপা 20,000/- পীদুনা 'কার্সিকা কর্ম সেনা' (ফার্ম হ্বার্কর আর্মী)গী মীওই 25 (নুপী অমসুং নুপা য়াওনা) খল্লে। হায়রিবা খল্লবা মীওইশিং অসি লৌ খোইবদগীনা হাই তেক ফার্মিং ফাওবগী লৌউশিংউগী থবকশিংদা ত্রেন তৌরবনি।

স্কিম অসিগী মখাদা, ওর্গানিক কম্পোস্তশিং অসি হায়রিবা শিন্নীশিং অসিগী সার্ভিস শীজিন্নদুনা গ্রো বেগশিংগী মওংদা শেম্লে। মসিগী মোদেল অসিনা লেয়রিং তেকনিক শীজিন্নে অমসুং লেয়র অমনা অচোৎপা ওর্গানিক হ্বেস্ত কিলো 500 পুবা ঙম্মি। মহৌশাদা অকাইবা পীদবা মাইক্রোবাইএল কন্সোর্তিয়ম অমসুং অতোপ্পা পোৎলম কয়াবু পথ-পুম্থহনবগী থবক হৌহন্নবা শীজিন্নে। খুদম ওইনা, গ্রো বেগ অমা শেম্নবগীদমক, লৈহাউ কিলো 8+ কোইয়র পিত কম্পোস্ত কিলো 1.5 + শন্থী (অকংবা) গ্রাম 300 + বোন মীল গ্রাম 100+ নীম কেক + মাইক্রো ফুদ গ্রাম 10 শীজিন্নে। মসিনা ওর্গানিক কম্পোস্ত ওইনবা হোৎনবদা নুমিৎ 10 চঙগনি। ওর্গানিক ওইবা হার শীজিন্নদুনা মহৈ মরোং লোকপগী মথক্তা, মসিগী তেকনিক অসিনা খুন্নাই অমগী থাক্তা লৈবা অরেম্বশিংবু মতীক চানা শীজিন্নবা ঙমহল্লে অদুগা গ্রাম পঞ্চায়তকী মশাগী শেন্দাল লন্থী অমসু ওইজরে।

### 9.2 সোলার হ্বাতর তেঙ্ক

রামগর জিলা (ঝারখন্দ)গী গ্রাম পঞ্চায়তনা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশন গ্রান্তশিংবু মীয়ামগী মফমশিংদা জল মিনার (সোলার য়াওরবা ঈশিংগী তেঙ্ক) শানবগীদমক শীজিন্নে। জল মিনার অমা হায়বসি মফম চাবা অমদা ঈশিংদা লুপশিনবা য়াবা ঈশিং চিংখৎনবা পম্প শীজিন্নদুনা শেম্মি অমসুং হায়রিবসি ঈশিংগী তেঙ্কশিং অসিগী মথক্তা খিনবা সোলার পেনেলশিংনা পুথোকপা সোলার ইনর্জীনা মথৌ তৌহল্লি। মসি থব্রুবা ঈশিং পুথোক্লবগীদমক রিন্যুএবল ইনর্জীগী মরুওইবা শীজিন্নফম অমনি। খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা পায়খৎপা অসিগুম্বা মখলগী থবকশিং অমসুং থৌরাংশিং অসি অতোপ্পা শেন্থং য়ামদবা অমসুং মৈ চাং নাইনা ফংদবা গ্রাম পঞ্চায়তশিংনা পায়খৎচরক্লবগী মশক থোকপা খুদম অমনি।



*সোলার হ্বাতর পম্প অমসুং হ্বাতর তেঙ্ক, GP সোসো (রামগর, ঝারখন্দ)*

## 10. হ্বারোইশিন

10.1 লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা থৌরাংশিংগা পুশিন্দুনা নিংথীনা শীজিন্ননবগীদমক পঞ্চায়তশিংদা মতীক চাবা শেন্থংশিং পীদুনা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিশনগী মনাসু খুঙ্গংগী মীয়ামদা তঙাইফদবা সার্ভিসশিং পীনবগী পান্দমদা ইনফ্রাস্ত্রকচর হেনগৎহনগনি। খুদক খুদক্কী ওইনা হায়রিবা শেন্থংশিং অসি মতীক চানা শীজিন্নরিব্রা হায়বা য়েংবা য়াবা ওনলাইন মোনিতরিং সিস্তেমশিংগা পুনশিন্দুনা খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈবা মীয়ামগী পুন্সি হেন্না লায়থোক্লা হিংহনবা য়ানবগী য়ুম্ফম অমা শেমগনি। অসুম্না, মপাঙ্গল লৈরবা য়ুম্ফম অমা থোন্দুনা হায়রিবা থৌরাং অসিদগী আত্মনির্ভর ভারতকী মঙলান মঙফাওনবা ঙমগনি।

# আত্মনির্ভর ভারতকী ৱাখল্লোনশিং থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনবদা ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয় (MoTA) অমসুং পঞ্চায়তি রাজ ইনস্তিত্যুসন (PRI) শিংগী থৌদাং

**– MoTA***

*"ভারত্তা লৈরিবা মীয়াম অসি ভারত কন্নবা হোৎনবা মতমদা অৱাবা কয়া মাইয়োক্লরকখ্রে। চহী চা অমা লাকপা মতমদা □2□গী লাংফম থেংননবা হোৎনবদা ভারতনা মশাগী তেক ইন্তেলিজেন্স শীজিন্নে। মালেম পুম্বনা হৌজিক্তি থাজরে মদুদি ভারতনা মতীক চানা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙম্মি অমসুং মীওইবা জাতিগীদমক চাউনা মতেং পাংবা ঙম্মি।"*

*-প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদী*

ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয় (MoTA) অসি সেদ্যুল ত্রাইব (ST)শিং চাউখৎনবগীদমক লৌখৎপা থবক থৌরমশিংগী পোলিসী, প্লানিং অমসুং কোওর্দিনেসনশিং অপুনবা ওইনা য়েংশিল্লিবা মন্ত্রালয় অমনি। STশিংনা লৈবাক অসিগী 2011গী সেন্সস্কী মতুং ইন্না অপুনবা মীশিংগী চাদা 8.6 লৈ, হায়রিবসি কম্যুনিতি/গ্রুপ 705 লৈদুনা পার্তিকুলারলী ভলনরেবল ত্রাইবেল গ্রুপ (PVTG)গী কম্যুনিতি/গ্রুপ 75গা লোইননা পুল্লা ক্রোর 10.45 লৈবাক অসিগী লমগী চাদা 15দা লৈরি। সেদ্যুল ত্রাইব কম্যিনিতীশিংগী মনুংদা চাদা 75না ময়াই থংবা ভারত্তা লৈ, মসিগী মনুংদা মধ্য প্রদেশনা খ্বাইদগী য়াম্মি, মথংদা মহারাস্ত্রা অসিনচিংবনা ওইরি। অদুমওইনমক অৱাং নোংপোক লমদমগী মনুংদনা অপুনবা সেদ্যুল ত্রাইব মশিংগী চাদা 10 লৈ।

MoTAনা ত্রাইবেল খুন্নাই পুম্নমক্কী চাউখৎনবা পান্দম থল্লি। মখোয়না তোঙান-তোঙানবা হীরমদা থবক পায়খৎলি, শম্না, তেক্নোলোজী, ইনফ্রাস্ত্রকচর শেমগৎ শাগৎপা – ইনস্তিত্যুসনশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং কেপাসিতী বিল্দিং শাগৎপা, গেপ এনালাইসিস, কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়শিংগা খুৎশম্নবা, মশক নাইবা ওর্গানাইজেসনশিংগা পুন্না চৎমিন্নবা অসিনচিংবশিংনি।

পঞ্চায়তি রাজ ইনস্তিত্যুসন (PRI)শিংগী মরোল অহুম অমসুং MoTAনা ভারত্তা লৈরিবা ত্রাইবেল কম্যুনিতিশিংগী ওইবা তুং কোইনা চৎকদবা অমসুং মশানা পুথোকচবা য়াবা প্রোজেক্তশিং অমসুং পোলিসীশিং পুথোক্তুনা আত্মনির্ভর ভারতকী ৱাখল্লোনবু থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

PRIশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদকী লাংফম মনুংদা মশাগী খুঙ্গং হন্নরকখ্রবা মাইগ্রেন্ত লেবর চাম্মা চাম্মনা পীরিবা শিংনবশিংবুসু কোকহন্নবগীদমক মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়না শকখঙলবা সেন্তর্স ওব এক্সিলেন্স (CoE) হায়বসি জাতি/অন্তর্জাতিগী থাক্তা মমিং লৈরবা ইনস্তিত্যুত/ওর্গানাইজেসন অমনি, মসিদা ত্রাইবেল কম্যুনিতিশিংগী চাউখৎনবগীদমক রিসর্সকী থবক কয়া পায়খৎলি। মন্ত্রালয় অসিনা পীরিবা স্কিম অসিনা মরুওইনা হৌজিক হৌজিক মশক নাইবা ত্রাইবেলশিংগী চাউখৎনবা প্লান তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিংনা চথরিবা রিসর্সশিংবু শৌগৎনবা অমসুং মপাঙ্গল হাপ্পবা পান্দম থল্লি।

গুরুদেব শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা হন্দক্তা শ্রী অর্জুন মুন্দা (কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রী) অমসুং শ্রীমতি রেনুকা সিংহ সরুতা (ত্রাইবেল এফিয়র্সকী রাজ্যগী মন্ত্রী)গা লোইননা পঞ্চায়তি রাজ ইনস্তিত্যুসন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং লৌমীশিংবু শক্তি পীনবগীদমক সেন্তর ওব এক্সিলেন্স (CoE) অনি লিংখৎখ্রে।

**শ্রী শ্রী ইনস্তিত্যুত ওব এগ্রিকলচর সাইন্স অমসুং তেক্নোলোজীনা** MoTAগা খুৎশম্নদুনা মখোয়না ত্রাইবেল লৌমীশিংদা নেচরেল ফার্মিং তাকপী তম্বীনবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্ত অসিনা ত্রাইবেল লৌমী 10,000বু তুং কোইনা নেচরেল ফার্মিংগী তেকনিক পীবীদুনা মখোয়দা য়োনবগী খুদোংচাবা পীনবা তাক্লবা পান্দম থল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা, আর্ত ওব লিভিং, SSIASTগী কাংবুনা মখোয়গী অহানবা মায় পাকপা অমা হন্দক্তা কন্নাদ তালুকা, ঔরাঙ্গবাদ জিল্লাদা 'খুঙ্গংগী সরপঞ্চ' শ্রী রাওসাহেব দহাতোন্দে অমসুং 'পুলিস পতিল' শ্রী য়াশ্বন্ত শেল্কেগা লোইননা শরুক য়ারদুনা লৌমী 89দা নেচরেল ফার্মিংগী অহানবগী ত্রেনিং পীখ্রে। মসিদা নেচরেল ফার্মিংগী থিয়রিতিকেল অমসুং প্রেক্তিকেলগী হীরমশিং হায়বদি এঞ্জাইম শেম্বা, অমৃৎ রাসয়ান, গোধারিৎ (শন্দা য়ুম্ফম ওইবা) ফার্মিং, মহৌশাগী ওইবা থৌওং শীজিন্নদুনা লৈহাও চাংয়েং তৌবা অমসুং মাইক্রোব কলচর তৌবা, মসিগা লোইননা অতোপ্পা হীরম কয়াসু লৌমীশিংদা



*ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়দগী ফংবা ইনপুৎশিংদা য়ুম্ফম ওইবা

হিদাক লাংথক শীজিন্নবনা লৌ উরিবা লমশিংদা পীবা অকাইবশিংগী মতাংদা তাকপীবনচিংবা য়াওরি।

লৌমীশিংবু মখোয়গী পোত্থোকশিং তোঙান-তোঙানবা মফমদা য়োন্নবগী অমসুং মখোয়বু তান্নবা কৈথেলশিংগী মতাংদা খঙহন্দুনা মখোয়দা হকশেলতা নত্তনা মহৌশাগী ওইবা লৌউশিংউগী পথাপ শীজিন্নদুনা শেলথুমগী কান্নবা ফংবগী মতাংদা খঙহল্লি।

মহৌশাগী পথাপ শীজিন্নদুনা লৌউ শিংউ তৌবগী লৌশিংগা লোইননা, ত্রেনিং কেম্প অসিনা লৌমীশিংগী ৱাখল নুংঙাইনা থম্নবগী মতাংদসু পান্দম থল্লি। আর্ত ওব লিভিংগী সেনিয়র ত্রেনর সুধির চপ্তেনা নিংশা হোনবা অমসুং প্রনায়াম তেকনিকশিং লৌমীশিংদা তাকপী তম্বী, মসিনা ৱাখল ইংহনবা, লৈতাবা অমসুং নুঙাই য়াইফনা লৈবা পুন্সি ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংই।

মকোক থোংবা ইন্দস্ত্রী বোদী **ASSOCHAM (CoE)**না ভারত সরকারগা খুৎশম্নদুনা ত্রাইবেল নহাশিংবু ওন্ত্রপ্রিনর ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি। অসুম তৌনা, ত্রাইবেল কম্যুনিতিগী কেপাসিতী অমা শাগৎকনি, মসিনা মখোয়না লৈবাক অসিগী সোসিও ইকোনোমিক চাউখৎপদা মতেং পাংদুনা প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদীনা নীংজরিবা আত্মনির্ভর ভারতকী মঙলান মঙফাওনহনগনি। "ত্রাইবেল ওন্ত্রপ্রিনর্শিপ দিভেলপমেন্ত প্রোগ্রাম' হায়বসিনা ত্রাইবেল খুন্নাইগী পুন্সিগী মগুন হেনগৎনবা পান্দম থল্ললি অমসুং ত্রাইবেল ওন্ত্রপ্রিনর্শিপ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা পান্দম থল্লি।

*ঐখোয়গী ত্রাইবেল খুন্নাইনা মতৌ করম্না কোভিদ-19 লাইচৎকী লাংফম মনুংদা মখোয়গী হিংনবগী লম্বী থিখিবগে হায়বগী ৱারী অনি লৈ।*

## কোভিদ-19 লাইচৎনা চহী 28 শুবদা ঙাইরিবা ত্রাইবেল নুপামচা বিশাল কুমারগী মফমদদি লাইবক ফবনা থোঙদা থীল্লরবা হায়বদু ওইখ্রে

চহী 28 শুরবা ত্রাইবেল নুপামচা বিশাল কুমার বিহারগী নোংচুপ চম্পারান গী গৌনাহা ব্লোক্তা লৈবা মহাক্কী তাম্নবা খুঙ্গং জমুনিয়াদা এন্তরপ্রাইজ অমা লিংখৎনবগীদমক হল্লকখি। কোভিদ-19 লাইচৎনা মরম ওইদুনা মহাক্কী হিংনবগী লম্বী থদৎপীখি, মসিনা মরম



*ভিশাল কুমারনা মহাক্কী রেস্তোরন্ততা*

ওইদুনা মহাক থাইগী ইন্সাং য়োনবা রেস্তোরন্ত অমগী আসা তৌখি।

বিশালনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা রেস্তোরন্ত অমদা অনিশুবা চেফ ওইনা থবক তৌরম্মি, লাইচৎ অমসুং ভাইরস অসিবু লাকশিন্নবগীদমক থমখিবা লোকদাউন্না মরম ওইদুনা মহাক্কী মমা মপাগী ময়ুমদা হন্দুনা মশাগী লল্লোন ইতৈক অমা য়েংজবনা হেন্না ফরগনি হায়না মহাক্না খনজখি। মহাকপু মহাক্কী মরুপ অমসুং মরী মতাশিংনা অপীকপা রেস্তোরন্ত অমা হাংদোক্লবা হোৎনবদা মহাক্কীদমক লেপ্পীখি মরমদি মহাক্কী ওইনা তুংশিলহৌবা শেল অমত্তা লৈরমদে। মহাক্না মীওই অহুমখক মহাক্কী মতেং পাংবীনবা নেকখি অমসুং অপীকপা লম মচা অমা থাগী লুপা 4000দা ভরা লৌখি।

"ঐহাক্না মফম অসি শেমজিন্নবা হোৎনবদা লোন ওইনা লৌখিবা শেনফমদগী লুপা লাখ 2 মুক থাদখি," হায়না মহাক্না হায়খি।

কুমারগী মতুং ইন্না, কর্বার অদু লোকদাউন্না মরম ওইদুনা ইকা কান্নরমদে, মরমদি মী অয়াম্বনা চান-থরুবদা লোইশিন্নবা শেল লৈনরমদে, অনিশুবদা, মী অয়াম্বা অনৌবা রেস্তোরন্ত অমদা চঙবা মতমদা ইহৈ হৈনবা ওইনদে।

কুমারনা ফোংদোক্লকপদা মহাক্কী স্তাফশিংনা ময়ুম হনখিবা মতমদা শেল খিতংতা ওইরবসু পুজখিনবতমক তানবা ঙল্লম্মি হায়খি। মহাক্না মসিমসু হায় মদুদি মহাক্না আসাদি তৌখি মদুদি লোকদাউন অসিনা হেক মপুং ফানা হাংদোক্লকপগা মহাক্কী কর্বার অসি শোইদনা মায় পাক্কনি হায়বসিনি।

## মখোয়গী ওইবা মায় পাকপগী ৱারী য়েকচবা

ঝারখন্দগী জোর্খাত্তা লৈবী চহী 50 শুর্বী রুধান দেবীনা চহী 35গী মমাংদা আর্ত তম্লুবনা মঙাল চাওরবা লাইবক ওমা ওইরকখিবা



*রুধান দেবী*

পোত্থোক পুথোকপা সেক্তরশিংদা কোভিদনা কা হেন্না শাথিনা য়ৈখিবনা ভারতকী কর্বারশিং চলাইনবা হোৎনবদা অমসুং শেল থুমগী শিংনবা কয়া অমা মাইয়োক্লখি। অদুমওইনমক, মহাক্কী আর্ত ফোর্মনা মহাক্কী পোকফম ঝারখন্দগী জোরাতখক্তদা নত্তনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অমসুং জাতিগী থাক্তা শকখঙনরবী চহী 50 শুরবী রুধান দেবীগী ওইনদি অৱাবা হায়বদু ওইহনখিদে।

রুধান দেবীনা লেপ্তনা লাই য়েকখি অমসুং হৌজিকসু ওর্দর কয়া ফংলি। অয়েকপা লাইশিং অসি অহানবদদি ক্লাইন্তশিংগী অয়াবা য়েংনবগীদমক



*রুধান দেবীনা য়েকপা লাই*

ৱাৎসএপ্তা থারম্মি অমসুং মখোয়না মসিগী মতুংদা রুধান দেবীগী বেঙ্ক একাউন্ততা হকথেংননা অয়েকমল অদু থাজিল্লকখি।

মহাক্কী অহানবা লাইদুবু নীংশিংলদুনা মহাক্না ফোংদোকখি মদুদি মহাক্না মহাক্কী মমাগী মপামগী মন্দোমচাদগী লাই য়েকপা তমহৌখি অমসুং লুহোংলবা মতুং ফাওবা লাই য়েকখি।

রুধান দেবীনা ৱাহোং অমসুং ঝারখন্দগী রাজ্যগী শা ওইরিবা শামু য়েকপা য়াম্না পামজৈ। মহাক্না য়েকপা কৈ অমনা মী অমদা তেমশিংনবগী লাই অসিসু য়াম্না পাম্নৈ অমসুং মসি মহাক্না মহাক্কী পাক্লবা ফক্লাংদা য়েকই।

মহাক্কী মচানুপা অহুম অমসুং মমৌ নুপীশিংনা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা আর্ত ফোর্ম অসিগী কর্বার তৌরি। "জোরাকাথকী কুর্মি খোবার লাই অসি লুহোংবগীদমক শেমখিবনি অমসুং য়ুমশিংবু খুঙ্গংগী ময়াইদা মচু শংই অমসুং মসিগী মতুংদা লৌরোক পান্থাদসু য়েকই। লাই অসি কোম্ব-কৎ ৱার্ক ওইরিবা খোবার স্তাইলদা য়েকই," হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।

মহাক্কী আর্ত ফোর্ম অসিবু শন্দোক্না তাক্লদুনা রুধান দেবীনা হায়খি মদুদি লৈবাক্কী ফক্লাংদা অমুবা কালি মাতি (মেঙ্গানিজ) তৈশিন্দুনা লৈখোমগী ফক্লাং অসি শেম্মি, মসিগী মথক্তা, ফি শীজিন্নদুনা দুধি মাতিগী হঙ্গাম মপাল মচুগী লৈবাক্কী লৈরোন অমা তৈগনি। "মসিদগী অচোৎপা অপাবা লৈরোল অসিবু কক্কনি নতত্রগা অকায়বা শমজেৎ শীজিন্নদুনা অখন্নবা অচৌবা শাগী মওংশিং ওইবা মওংদা লৌথোক্কনি। হায়রিবা লাইশিং অসিগী সবজেক্তশিং অসি মহৌশানা শামু, কৈ, শজি, ৱাহোং, উচেক অমসুং পাম্বীশিংসু ওই," হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক 1993-94দা ওস্ত্রেলিয়ান হাই কম্মিশন (নৈ দিল্লী) প্রোজেক্তকী থবক পায়রম্বা অঙনবা আর্তিস্তশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক 1995তগী হৌদুনা ত্রাইবেল ৱিমিন আর্তিস্ত কোওপরেতিব (TWAC)গী আর্ত প্রোজেক্ততা থবক তৌরক্লি।

মহাক্কী লাইশিং অসি ওস্ত্রেলিয়া, ইংলন্দ অমসুং য়ুরোপতা উৎখ্রে। মহাক ললিত কালা একাদেমী ত্রাইবেল অমসুং ফোল্ক আর্ত কনক্লেব (ভোপাল অমসুং রাঞ্চি) দা শরুক য়াখ্রে। অতোপ্পা মফমশিংগী মরক্তগী মহাক্না ভগবান বির্সা জৈবিক উদয়ান, বির্সা মুন্দা এয়র্পোর্ত (রাঞ্চি), সর্কিৎ হাউস অমসুং রেলৱে স্তেসন (হজারিবাঘ) তসু মুরেল কয়া অমা য়েকখ্রে।

মহাক্না মসিমসু শন্দোক্না তাকখি মদুদি মহাক্না তুংদা হৌরক্কদবা মীরোলনসু আর্ত ফোর্ম অসিবু মাঙজিল থানা পুখৎলম্ববা হোৎনরি। "ঐগী ইচাগী মথক্তা, ঐগী ইমৌনুপী অহুম্মক হায়রিবা আর্ত ফোর্ম অসিবু মতীক চানা খঙলে," হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।

## ত্রাইবেল নুপীশিংবু তশেংনমক মনীং তমহনবা

হৌখিবা চহী অহুম্লোম অসিদা, ইন্তর্নেসনেল ক্রোপ্স রিসর্চ ইনস্তিত্যুৎ ফোর সেমি-এরিদ ত্রোপিক (ICRISAT)না সেন্তর ওব এক্সিলেন্স (COE) অমা ওইনা তেলঙ্গানা রাজ্যগী ত্রাইবেল খুন্নাইগীদমক হোৎনদুনা মখোয়গী ন্যুত্রিসন অমসুং মপুং ওইনা পুন্সি মহিং ফগৎনবা হোৎনরি, মসিদা মখোয়না অপীকপা কর্বার তৌরিবা ত্রাইবেল খুন্নাইবু হেনা চাউবা কর্বারদা শরুক য়াহনবা, ত্রাইবেল নহাশিং অমসুং নুপীশিংবু থবক পীবা অমসুং খুন্নাই অসিদা ওন্ত্রপ্রিনর্শিপ হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। ICRISATনা ত্রাইবেল নুপীশিংনা মপুং ফানা চলাইবা ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎ নিপান লিংখৎখ্রে। হায়রিবা য়ুনিৎশিং অসিনা ত্রাইবেল খুন্নাইদা মশানা মশাবু থবক পীজহল্লে, মখোয়গী শেন্থোক লম্বী ফগৎহল্লে অমসুং মখোয়বু তুং কোইনা চৎপা য়াবা কৈথেলদা মায় ওনশিল্লবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইহল্লে। ভারত সরকারনা 'এস্পিরেসনেল দিস্ত্রিক্ত' শেমদুনা মীৎয়েং চঙনবা হোৎনরকপা মতমদা ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়গা লোইননা প্রোসেসিং য়ুনিৎ নিপান লিংখৎপগী প্রোজেক্ত অসি হৌখিবনি। ত্রাইবেল ৱেলফিয়র দিপার্তমেন্ত (TWD), তেলঙ্গানানা ICRISATগী MoTAনা শকখঙলবা ত্রাইবেল এফিয়র্সতা লৈবা সেন্তর ওব এক্সিলেন্স অমা ওইরিবা এগ্রিবিজিনেস অমসুং ইন্নোভেসন প্লেৎফোর্ম অসি লিংখৎপগী থৌদাং শিন্নখি।

তেলঙ্গানাগী ভাদ্রচলাম, উৎনুর অমসুং এতুর্নাগরমগী ত্রাইবেল লৌমী নুপী অপুনবা মশিং 80বু ICRISATনা ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎশিং অসিদা ত্রেনিং পীখি। ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎশিং অসি ফুদ সেফতী অমসুং স্তেন্দার্দ ওথোরিতী ওব ইন্দিয়া (ফসাই)গী চৎন-কাংলোন ঙাক্না লিংখৎপনি অমসুং খুৎলাইশিং হাপ্পি। মখোয়না লমদম অসিগী অকংবা লমদগী পুথোকপা মহৈমরোংশিংবু মচি ওইবা চীঞ্জাক ওইহন্দুনা জাতি অমসুং অন্তর্জাতিগী থাক্তা লৈবাক কৈথেলগী থাক্তা মগুন লৈহল্লি। ICRISATনা হায়রিবা য়ুনিৎশিং অসিবু শেন্নদুনা মশা মতোমতা তুং কোইনা চৎপা য়াবা মোদেল অমা ওইহনবা হোৎনরি।

অপীকপা ইন্দস্ত্রীগী সেক্তরনা পোত্থোক পুথোকপা, থবক পীবা অমসুং মপান্দা থাদোকপগী থবক তৌদুনা রাজ্যশিংগী চাথোক হেনগৎনবা হোৎনবদা মরুওইবা

থৌদাং লৌরি। সেক্তর অসিনা মেন্যুফেকচরিং সেক্তরগী অপুনবা আউৎপুৎ ভেল্যুগী চাদা 40 ওই হায়না পারি। অপীকপা ইন্দস্ত্রীনা থবক পীবগী চাং অসিসু অচৌবা ইন্দস্ত্রীশিংদগী শরুক মঙা হেল্লি। ইন্দস্ত্রী চাউখৎলকপা হায়বসিনা শেন্মিৎলোনগী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাউথোকহন্দুনা লন হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি।

ICRISATনা কোর্স সেরিএল অমসুং মচি ওইবা মচাক য়াওবা মিলেৎশিংদগী পুথোকপা চীঞ্জাকশিং শারি, অসুং মসি লৈঙাক্কী সপ্লিমেন্তরী ন্যুত্রিসন প্রোগ্রামশিং (স্কুল মিদ দে মিল, ত্রাইবেল হোস্তেল ফীদিং প্রোগ্রাম, ICDS অসিনচিংবশিং)দা ত্রাইবেল মীয়ামদা মচি ওইবা চীঞ্জাক পীবা হেনগৎনবা হোৎনরি। হায়রিবা পোথোকশিং অসি তেলঙ্গানাগী তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী থৌরাংশিংদা মাংজৌননা শীজিন্নবা হৌখ্রে।

ICRISATনা হায়রিবা ন্যুত্রিসনেল ওইবা পোত্তোকশিং অসিবু প্রোসেস তৌনবা খন্দোক্লবা ITDA গী মফমশিংদা ITDA, গিরিজন কোওপরেতিব কোর্পোরেসন (GCC) অমসুং লল্লোন ইতীক্কী খুদোংচাবা য়েংদুনা অপীকপা য়ুনিৎশিং লিংখৎলি। হায়রিবা য়ুনিৎশিং অসিনা ত্রাইবেল খুন্নাইগী কাংলুপশিংবু স্ত্রেতেজিক বিজিনেস এন্তর্প্রাইজেস ওইনা ওন্থোক্লে অমসুং মখোয়গী হকশেল অমসুং সোসিও ইকোনোমিক্কী ফিবম ফগৎহল্লি। ICRISA□গী মোদেলনা ত্রাইবেল নুপীশিংবু আইনগী ওইবা অয়াবা ফংলবা জোইন্ত লাইএবিলিতী গ্রুপ (JLG) হায়না শেম্লি, মসিনা ত্রাইবেল খুন্নাইদা মশানা মশাবু থবক পীবগী খুদোংচাবা, মখোয়গী শেল থুমগী ফিবম ফগৎহনবা অমসুং মখোয়বু তুং কোইনা চৎপা য়াবা কৈথেলগী ৱাখল্লোন চেনবা মায়কৈদা পুশিনবীরি। মসিনা অমুক মখা তানা মখোয়গী ওইবা খুন্নাইগী চৎনরোলদা থবক পীজবদা মতেং ওইরগনি।

পোথোকশিং অসি হৌজিক লৈরিবা GCC ব্রান্দশিংগী মখাদা য়োম্লি অমসুং হায়রিবসি ত্রাইবেল ৱেলফিয়র বিভাগ, তেলঙ্গানা লৈঙাক নত্ত্রগা অতোপ্পা রাজ্য সরকারগী বিভাগশিংগী মখাদা নত্ত্রগা লৈবা ফুদ ইন্তর্ভেন্সন স্কিমশিংগী মখাদা য়াওরি অমসুং মসিবু কৈথেলশিংদা য়োম্লি। মসিগী মথক্তা, নুপী খুদিংনা লুচিংবা JLGনা চলাইবা য়ুনিৎশিংদা মনীং তম্না পুথোকপা অমসুং মখোয়গী মশাগী মমিং শীজিন্নদুনা কৈথেলদা য়োনবগী খুদোংচাবা লৈ।

প্রোজেক্ত অসিগী মরুওইবা মচাক্তি ত্রাইবেল নুপীশিংবু ন্যুত্রিসন ওন্ত্রপ্রিনর ওইহনবনি। ICRISATদগী ফংবা ত্রেনিংগা লোইননা মখোয়না লমদম অদুদা লোকপা পোথোকশিং লৈবা ঙম্লে, থোংবা য়ারবা/চাবা য়ারবা মচি ওইবা চীঞ্জাক শেম্বা ঙম্লে, মখোয়গী থবক অদুগী শেল পুথোকপা, একাউন্ত শেন্নবা, মখোয়গী পোথোকশিং চাইল্দ কেয়র সেন্তরশিং (অঙ্গনৱারি)দা থাবা অমসুং লেমহৌরিবশিংবুনা কো-ওপরেতিবশিংগী খুথাংদা কৈথেল য়ৌহনবা ঙম্লে। ICRISATনা ত্রাইবেল নুপীশিংবু য়োকখৎলি অমসুং শক্তি পীরি অমসুং মখোয়গী খুন্নাইবু লমদম অদুদা ফংবা মচাকশিং শীজিন্নদুনা "ন্যুত্রি-ফুদ বেস্কেৎ" পুথোকপা ঙমহল্লে। ন্যুত্রি-ফুদ প্রদক্তশিং অসি অহেনবা ইনর্জী, প্রোতিন, ফেৎ অমসুং মাইক্রো-ন্যুত্রিএন্ত য়াওবা পোথোকশিং খুন্নাইদা পীনবা শেম শাই। হায়রিবা পোথোকশিং অসি হকচাং শোক্তবা মওংদা য়োম্মি অমসুং মসি হেক হাংবগা চাবা য়ারবা নত্ত্রগা হাংবগা থোংবা য়ারবা মওংদা পীরি।


ময়ামগী কৈথেলদা মখোয়গী খুন্নাইগী মশক তাকপা ঙম্বা, অপীকপা করবারগী সেক্তরদা মখোয়গী খুন্নাই অসিবু পাক শন্না শরুক য়াহনবা, ত্রাইবেল নহা অমসুং নুপীশিংবু থবক পীবা, খুন্নাই অদুদা ওন্ত্রপ্রিনর শেমগৎপা, অতোপ্পা মফমদা হোংবা হন্থহনবনা য়ুনিত অসিনা লোকেল ওইনা পোথোক পুথোকপা, প্রোসেস তৌবা অমসুং শীজিন্নহনবা, অনৌবা মখল অমদা কস্তমরশিং চিংশিনবা, অমসুং লমদম অদুগী ওইবা মশক অমদা মচি ওইবা চীঞ্জাক পুথোকপা অমসুং দাইতরীগী মখল কয়া শেমগৎপা, মচি ওইবা পোথোকশিং ত্রাইবেল য়ুম্থোং খুদিংদা ফংহন্দুনা হকশেল অমসুং ন্যুত্রিসিয়স স্তেতস অমা অফবা মওংদা শাগৎপা (মচি ওইবা চীঞ্জাক ৱাৎপা অমসুং এনেমিয়া কোকহনবা) হায়বসি অপীকপা কর্বারগী এন্তরপ্রাইজশিংগী কান্নবা মশক অমনি।



*ত্রাইবেল ওন্ত্রপ্রিনর নুপীশিংনা চাউথোক্লা মখোয়গী য়ুনিৎশিংদা লেপ্পা @ICRISAT*



*ত্রাইবেল ওন্ত্রপ্রিনরশিংনা মখোয়গী য়ুনিৎশিংদা চীঞ্জাক্কী পোথোক পুথোকপা @ICRISAT*




# মায় পাকপগী ৱারী

**- রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়**

*"ঐহাক্না চেৎনা থাজৈ মদুদি ভারতনা মঙলান অসি শোইদনা মঙফাওনবা ঙমগনি। ঐহাক্না অসিগুম্বা তৌবা ঙম্বা, থাজবা অমসুং ঐহাক্কী নুংশিরবা ভারত মচাশিংগী শক্তিদা থাজবা থম্মি। ঐখোয়না করিগুম্বা অমা তৌগে হায়না লেপখ্রবদি, ঐখোয়না পান্দম অদু ফংদ্রিফাওবা পোথাদে"*

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

## মায় পাকপগী ৱারী: রাজস্থান

## দিজিতেল লিতরেসী: খুঙ্গংগী কম্যুনিতিদা শক্তি পীনবগী থৌরাং

**এসেতকী মিং:** দিজিতেল লিতরেসী ত্রেনিং

**এসেতকী লৈফম:** গ্রাম পঞ্চায়ত: গোগুন্দা অমসুং দাদিয়া পঞ্চায়ত, ব্লোক: গোগুন্দা, জিলা/রাজ্য: উদয়পুর, রাজস্থান

**অচঙবা শেল:** লুপা লাখ 1.60

### প্রোজেক্তকী মওং মতৌ:

**থবক্কী ৱাহৌদোক:**

থবক অসি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ (SHG)গী মীহুৎশিংবু দিজিতেল লিতরেসীদা ত্রেনিং পীরিবা শ্যামা প্রসাদ মুখর্জী রর্বান মিসন (SPMRM)গী মখাদা পায়খৎলি। থবক অসিনা নুপীশিংবু দিজিতেলগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক অমসুং অতোপ্পা SHG মীহুৎশিংবু মতেং পাংনবগীদমক তেক্নিকেলগী ওইবা লৌশিং পীনবা পান্দম থম্লি।

**থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবাঃ**

গোগুন্দাগী ত্রাইবেল লৈবা মফমশিংদা ময়েক চৎপা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা অমসুং খোঙজেল থুনা হোংলিবা তেক্নোলোজীগী খোঙচৎতা ইনবা ঙম্নবগীদমক প্রোজেক্ত অসি তঙাইফদবা অমা ওইখি। মসিতা নত্তনা, হায়রিবসি SHG মীহুৎশিংবু স্কিল অমসুং পুন্সিগী লম্বীগী খুদোংচাবা পীদুনা থাক ৱাংনা থাংগৎপীনবা তঙাইফদবা ওইখি।

**মাইয়োক্নখিবা শিংনবশিং:**

মরুওইবা শিংনবশিং মখাদা থমজনিঃ

- মঙাল অমসুং মহৈগী অৱাৎপা লৈবা।
- নুপী অমসুং অঙাংশিংবু শেন্দাল লম্বীদা পুশিনবা মতমদা লৈবা সমাজগী অখুবা মীৎয়েং।
- থবক্কী খুদোংচাবা ফংদবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না থংনবা রাজ্যশিংদা য়ুমহোংবা।

**থবক পায়খৎপগী থৌওং:**

থৌরাং অসি উদয়পুরগী জিলা পরিসদ অমসুং রাজস্থান গ্রামীন আজিবিকা বিকাস পরিশদ (রাজীবিকা) না পুশিন্দুনা শৌগৎপা উদয়পুর জিলাগী SHGশিংনা পায়খৎখি। মরী লৈনবা লাইন দিপার্তমেন্তশিংদগী মতেংসু ফংখি।

**বিভাগশিং পুনশিনবাঃ**

- জিলা পরিসদ, উদয়পুর
- রাজীবিকা, (গোগুন্দা) উদয়পুর
- দিস্ত্রিক্ত এদমিনিস্ত্রেসন, উদয়পুর
- লোকেল এদমিনিস্ত্রেসন, গোগুন্দা

**থবক পায়খৎলিবা এজেন্সীঃ** রাজস্থান গ্রামীন আজিবিকা বিকাস পরিসদ (রাজীবিকা) উদয়পুর।

**শাফু:**

- মোবাইল নত্ত্রগা কম্প্যুতর শীজিন্নবা হৈত্রিবা নুপীশিংবু মিং চল্লকপা।
- হৌজিক ফাওবদা বেৎচ অমদা কেন্দিদেৎ 6 ত্রেন তৌখ্রে।
- লাক্কদবা চয়োলশিংদা কেন্দিদেৎ 15না শাবা বেৎচ অমা ত্রেন তৌনবা শেম শারি।
- থবক অসিনা পায়খত্রিত্রবঙৈ মমাংদা লৈরমদবা ত্রেনীশিংগী ইমুং মনুংশিংনা দিজিতেল লিতরেসী ত্রেনিংদা থৱাই য়াওরকপা।

### থবক মফমদগী লাকপা ৱাফমশিং:



*গোগুন্দাদা কম্প্যুতর ত্রেনিং সেন্তর*

**খুঞ্জা/কান্নবা ফংলিবশিংগী অপাম পামদা:**

কিরন গোস্বামি, হৌজিক হৌজিক্লা রাজীবিকা, গোগুন্দাদা বেঙ্ক সাখি কেদর অমা ওইনা থবক তৌরিবনা ত্রেনীশিংগী মরক্তা অমা ওইনা ফোংদোকখি মদুদি দিজিতেল লিতরেসী ত্রেনিংদা মিং চন্দ্রিঙৈ মমাংদা মহাক কম্প্যুতরগা মরী লৈনবা হীরম অমত্তা খঙলমদে অমসুং মহাক্কী লৈকাইদা ত্রেনিং অসিদগী লাক্কদবা পুন্সিগী লম্বী নাথৈদুনা মহাক্না কম্প্যুতর তম্লিংবগী অপাম্বা লৈ হায়না ফোংদোকখি।

ঙসিদি, ত্রেনিং অসিগী মতুংদগী মহাক কম্প্যুতরগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোকপদা অকিবা লৈত্রে অমসুং মহাক্কী কম্প্যুতরগী মরমদা খঙ-হৈবশিং অসিবু বেঙ্ক সাখিগী থৌদাংদা শীজিন্নদুনা মহাক্কী মথৌ হেন্না পাঙথোকপা অমসুং মরীক চুম্না তৌবা ঙম্লগনি।

---

**মায় পাকপগী ৱারীঃ ছতিসগর**
**শঙ্গোমগী ফার্মিংদগী SHGগী পুন্সিগী লম্বী থাক ৱাংখৎহনবা ক্লস্তরগী অকুপ্পা মরোল:-**
**রঘুনাথপুর, ফেজ–2, ত্রাইবেল ক্লস্তর, জিলা:- সুর্গুজা (CG)**

**থবক্কী তঙাইফদবা:-**

থবক অসি লৌমীশিংগী চাগা হেনগৎনবা অমসুং নুপীগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংবু মপাঙ্গল লৈহন্নবা অহানবদা হৌদোকখিবনি। শঙ্গোম পুথোকপা হায়বসিনা লৌউশিংউগী অইনদি মরুওইবা মচাক অমা ওইবনা খুঙ্গংগী শেন্মিৎলোনবু তুং কোইনা চৎপা য়াবা মওংদা থাক ৱাংখৎহনবদা মতেং ওই। খঙবা হৈবা ৱাৎপা অমসুং পুথোক পুশিনগী পাম্বৈদা খুদোংচাদবা অমসুং মমলদা দোলালি খুথাং য়াম্বনা লৌমীশিংনা মখোয়গী পোথোকশিংগী মতীক চাবা মমল অদু ফংবা ঙমজদে। দোলালী চাবা অমনা লৌমীদগী শঙ্গোম লিতরদা লুপা 25/28দা লৈগনি অমসুং মসিবু লিতরদা লুপা 40দা য়োল্লি। থবক অসিনা মসিগী কান্নবা অসি সপ্লাই চেনগী খ্বাইদগী পীকপা শেল ফাওবা লৌদুনা ফংহল্লি।

লৌমীশিংদা মতীক চাবা অমসুং হেন্না ফবা মমল ফংহন্নবগীদমক দিস্ত্রিক এদমিনিস্ত্রেসন্না কোওপরেতিব সোসাইতী এক্ত 1960গী মখাদা লিংখৎখিবা FPO দুধ সাগর প্রোজেক্তকী থোঙদা শঙ্গোম পুথোকপগী থবক চাউখৎনবা হোৎনখ্রে। FPO অসি শ্যামা প্রসাদ মুখর্জী রর্বান মিসননা সুর্গুজা জিলাগী ভেতরিনরী বিভাগকা খুৎশম্নদুনা পায়খৎলি।

***থবক্কী অকুপ্পা মরোল:-***

- মচাকশিংগী মমিং:- এগ্রি সার্ভিস প্রোসেসিং অমসুং মসিগা মরী লৈনবা থবকশিং
- মখা তাবা মচাকশিংগী মমিং:- শঙ্গোমগী ফার্মিংদগী SHGগী পুন্সিগী লম্বী থাক ৱাংখৎহনবা
- প্রোপোজ তৌবা প্রোজেক্তকী অচঙবা শেনফম (CGF ফন্দ):- লুপা লাখ 42.23
- CGF ফন্দ:- লুপা লাখ 42.23
- থবক পায়খৎলিবা এজেন্সী: ভেতরিনরী বিভাগ
- ও অমসুং এম এজেন্সী:- দুধ সাগর সহাকারি সমিতি
- সোসাইতীগী মমিং: দুধ সাগর সহাকারি সমিতি মর্যাদিত
- সোসাইতী রেজিস্ত্রেসন: ফেব্রুৱারী 24, 2018
- থবক হৌখবা তাং: এপ্রিল 16, 2018

**ইন্তর্ভেন্সন:-**

- **মওং মতৌ:-** শঙ্গোমগী পোথোক পুথোক্লিবা, খোল্লিবা অমসুং কৈথেলদা য়োল্লিবা লৌমীশিংগী কো-ওপরেতিব সোসাইতী ওইনা থবক তৌবা।
- DEDS স্কিমগী মখাদা বেঙ্ক অমসুং NABARDকা পুনশিনবা
- শনগী ধার: জর্সি, হোলস্তিন ফ্রিসিয়ান, সহিৱাল অমসুং গির।
- **অপুনবা শনগী মশিং:-** 140-150
- **পুথোক্লিবা শঙ্গোমগী অপুনবা চাং:-** নোংমদা লিতর 850
- **অপুনবা খোমজিনলিবা সেন্তর:-** সেন্তর 3
- **কৈথেলদা থাদোক্লিবা আউৎলেৎ:-** জিলা অসিদা আউৎলেৎ 2 লৈ
- **কল্লেক্সন সেন্তর:-** মিল্ক ফার্মর মেনেজিং কম্মিতীগী থৌদাং
- **কল্লেক্সন সেন্তর ইনফ্রাস্ত্রকচর:** কন্তেনর, লেক্তোমিতর ফেৎ কালকুলেতর অমসুং ফর্নিচর
- **কল্লেক্সন সেন্তর অমসুং মার্কেৎ** আউৎলেৎতা থবক শুরিবা শিন্নী মশিং: 11
- থবক অসি নোংমদা শঙ্গোম লিতর 50 পুথোক্তুনা হৌরম্মি অমসুং হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা সমিতি অসিনা লৌমীশিংদগী নোংমদা শঙ্গোম লিতর 800-850 লৈরে।

**শাফু/ফংলবা কান্নবশিং:-**

- SHG 12দগী নুপী 65দি মিং চল্লবা মেম্বর ওইবতা নত্তনা সোসাইতী অসিগী শঙ্গোম থাদোক্লিবশিংনি।
- দুধ সাগর সহাকারি সমিতিনা লৌমীশিংদগী শঙ্গোম অসি লিতরদা লুপা 32দা লৈরি। সপ্লাই চেন্দা কৈথেল য়ৌনবা হোৎনবদা

মরক্তা লৈবা মশিং হন্থরকপনা লৌমীশিংনা লিতর অমদা লুপা 4-7 ফাওবগী অহেনবা কান্নবা ফংই।

- দুধ সাগর সহাকারি সমিতিনা শঙ্গোমশিং অসি লিতরদা লুপা 40দা য়োল্লি অমসুং দিস্ত্রিক্ত হোস্পিতাল অমসুং বাল সপপ্প্রেশান গৃহনা চাং নাইনা শঙ্গোম লৈবশিং ওইরি। মসিগী মথক্তা সমিতি অসিনা সোসাইতী অসিগী য়ুমথোং 450 লোমদা তেক্লিবা শঙ্গোম থারি অমসুং হৌজিক্তি অম্বিকাপুর সিতী অমসুং মনাক নকপা খুঙ্গংশিংদসু পাম্নরি।

মেম্বরশিংবু শঙ্গোমগী প্রোজেক্ত অসি হেন্না মায় পাকপা য়ানবগীদমক ত্রেনিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা কেপাসিতী বিল্দিংগী থৌরমশিংদা শরুক য়াহল্লি। মখোয়না লৈঙাক্কী থৌরাংশিং অমসুং লৈঙাক্কী থৌশিলশিংগী মতাংদা খঙবা হেনগৎপগী খুদোংচাবা ফংলে। প্রোজেক্ত অসিনা শেলথুমগী চনিং তাবা অমা লাকহনবা, মিংচৎ অমসুং শক্তি হায়বদি নুপী লৌমীশিংগী পুন্সিদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী শক্তি পীবীরে। দুধ সাগর সমিতিগী নিয়ম ওইনা অপুনবা শেন্দোং অসি সোসাইতী অসিগী মেম্বরশিংগী মরক্তা য়েন্থোক্লি।

- **চাগা অমসুং শেন্দোং:-**

| শেনবা চহী | অপুনবা চাগা (লুপাদা) | লৌমীশিংগী পেমেন্ত (লুপাদা) | অচঙবা খাইদোক্লবা মতুংদা তাবা শেন্দোং (লুপাদা) | চাদিং: স্তাফকী তোলোব, গারী থাউ, শেমজিনবগী অচঙবা, পোৎচৈশিং য়োম্বা অসিনচিংবা . (লুপাদা) | অপুনবা শেন্দোং (লুপাদা) |
|---|---|---|---|---|---|
| **2018-2019** (এপ্রিল 16, 2018 – মার্চ 31, 2019) | 4543630 | 3450840 | 1092790 | 981515 | 111275 |
| **2019-2020** (এপ্রিল 1, 2019 – মার্চ 31, 2020) | 7036115 | 5468174 | 1567941 | 1497007 | 70934 |
| **2020-2021** (এপ্রিল 1, 2020 – অগস্ত 31, 2020) | 3382255 | 2699004 | 683251 | 58259 | 100655 |
| **অপুনবা** | **14962000** | **11618018** | **3343982** | **3061118** | **282864** |

**ওপরেসন অমসুং মেন্তিনেন্স:-**

- ওপরেসন অমসুং মেন্তিনেন্স অসি দুধ সাগর সহাকারি সমিতিনা তৌরি। অদুমওইনমক ওপরেসন অমসুং মেন্তিনেন্সকী অচঙবা শেলদি চাদিংগী শরুক (য়াদবা শেম্বা, গারী থাউ অমসুং স্তাফকী তোলোব)কী মখাদা কোল্লি অদুবু অপুনবা শেন্দোংগী চাদা 5দি অতোপ্পা তঙাইফদবা নত্ত্রগা থোক্লকপা য়াবা তম্বা ঙমদবা থৌদোকশিংগীদমক খাকই। করিগুম্বা তঙাইফদবা লৈরবদি, সমিতিনা ওপরেসন অমসুং মেন্তিনেন্সকী চাদা 5 অসিদগী হেনগৎপসু ঙম্মি।

**মরুওইবা স্তেকহোল্দরশিং:-**

- দুধ সাগর সহাকারি সমিতি, বাত্বাহি, লুন্দ্রা (সুর্গুজা)**কান্নবা ফংলবশিং:-**
- রর্বান ক্লস্তর অমসুং মনাক নকপা খুঙ্গংশিংগী নুপীশিংগী SHG

**রিফরেন্স কন্তেক্ত:-**

- মিং- রাহুল মিশ্রা, DPM লাইব্লিহুদ, সুর্গুজা (CG), ইমেলঃ- rahulwadrafnagar@gamil.com



*দুধ সাগর কমিতিনা কান্নবা ফংলবশিংনা চলাইবা শঙ্গোন*




*শঙ্গোম কল্লেক্সন অমসুং তেস্তিং সেন্তর*




সমিতিগী মীহুৎশিংগী কেপাসিতী বিল্দিং ত্রেনিং



চহীগী ফম্বা জেনরেল মীতিংদা সমিতিগী মেম্বরশিংদা সর্তিফিকেৎ য়েন্থোকপা

## মায় পাকপগী ৱারী: ওরিশা
## দ্রাইয়িং জোন: কর্বার অসিদা ভেল্যু হাপচিনবা

**এসেৎকী মিং:** কেশপুর গ্রাম পঞ্চায়তকী ঙা কংহনফম

**এসেৎকী লৈফম:**
***খুঙ্গং:*** কেশপুর,
***গ্রাম পঞ্চায়ত:*** কেশপুর,
***SPMRM ক্লস্তর:*** কেশপুর
***ব্লোক:*** খালিকোতে
***জিলা/রাজ্য:*** গঞ্জম, ওরিশা
***অচঙবা শেল:*** লুপা লাখ 10

**প্রোজেক্ত অসিগী মওং মতৌ:**

**থবক্কী ৱাহৌদোক:**

প্রোজেক্ত অসিদা সিমেন্ত হৈরবা ৱাংখৎহল্লবা ফম্বাক অমা চিলিকা পাৎকী মপান্দা শারি, মসিগী নাকন নাকন্দা লৌথোকপা য়াবা বিনশিং থমদুনা ফত্ত-হাউথীশিংবু মওং মরীল চুম্না শেন্নরি। অপুনবা ওইনা লুপা লাহ 10 চংনা শেল্লদুনা মসি হৌজিক্তি মপুং ফারে অমসুং লৌমীশিংনা শীজিন্নবা য়ারে। শমুদ্র খোঙবালগী মফমশিংদা অকংবা ঙা হায়বসি য়াম্না পাম্নবনিনা, হায়রিবা ফম্বাক অসিনা ঙাশিংবু খন্দোকপদা নুংঙাইহল্লি অমসুং কংহন্নবগী মফম অমা ওইরি, অসুম্না কর্বার অসিদা অহেনবা ভেল্যু হাপচিল্লি। প্রোজেক্ত অসি শীজিন্নবা য়াবগী ফিবমদা লৈরে অমসুং হায়রিবসি গ্রাম পঞ্চায়তনা য়েংশিন্নবা খুৎশিন্নখ্রে।

**মাইয়োক্লখিবা শিংনবশিং:** চিলিকাগী ময়াদা লৈবা লমশিং অসি চিলিকা দিভেলপমেন্ত ওথোরিতীগী মখাদা লৈবনা প্রোজেক্ত পায়খৎনবগী চুন্নবা মফম খনবা অমসুং অয়াবা লৌবা।

**থবক পায়খৎপগী থৌওং:**

পল্লিবা থৌওংশিং খুদিংমক তঙাইফখিদে, খুঙ্গংগী থাক্তা চুন্নবা মফম পুথোকপা, তেহসিলদার অমসুং চিলিকা দিভেলপমেন্ত ওথোরিতী (CDA), CDAনা লমগী অয়াবা পীবা, অকুপ্পা মরোল য়াওরবা প্রোজেক্ত রিপোর্ত শেম্বা, তেহসিলদার অমসুং জুনিয়র ইঞ্জিনিয়রনা লম য়াৎপা অমসুং ইরোই লোইবদা ৱার্ক ওর্দর থোকপনি।

**থবক পায়খৎলিবা এজেন্সী:** পঞ্চায়তি রাজ অমসুং দ্রিঙ্কিং ৱাতর বিভাগ, ওড়িশা সরকার।

**তোঙান-তোঙানবা মীওই/ফংসনরিশিংনা পাংলকপা মতেংশিং:** PRIগী মীহুৎ খুদিংমক্না চুন্নবা লম পুথোক্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংখি।


**শাফু:**

1. ইমুং 70 রোমদা খুদোংচাবা পীরি
2. মেন্তিনেন্স নেম্বা অমসুং লায়বা
3. অকোইবদা অকায়বা পীদবা অমসুং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদবা
4. ঙা ফাবা অমসুং অতোপ্পা ঙাগা মরী লৈনবা থবকশিং হেনগৎপা।
5. ঙা কংহনবগী থৌওংদা মতম তেনশিনলকপা
6. 6. মীয়াম শরুক য়াবা হেনগৎলকপা

**মমাং অমসুং মতুংগী নৈনবা:**

ঙা কংহনফম মফম অমা শেমদ্রিঙৈ মমাংদা ঙা কংহনবা অমসুং লৈবগী থবক তৌরম্বা ঙামীশিং অমসুং খুঞ্জাশিংনা ঙা কংহন্নবগীদমক প্লাস্তিক্কী চেরং শীজিন্নরম্মি। হায়রিবা থবক অসি হকচাং শোক্লিংঙাই ওই অমসুং ঙাশিং অসিসু কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। তোখাইবা ঙাশিংগী কংহনফমশিং অসি পাৎকী খোঙবান্দগী লাপ্পনা মরম ওইদুনা পুথোক পুশিন তৌবদা মাঙবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংলম্মি।

চিলিকাগী মপান্দা ঙা কংহনফম অসি শারবা মতুংদগীদি ঙামীশিংগী পুন্সি অদু অদুক্কী মতীক লায়থোকহল্লে অমসুং খুদোংচাহল্লে। কংহনফমদা লৈরিবা কঙ্কৃত ওইবা লৈমাই অদুনা ঙাশিংদগী থোকপা ঈশিং মনিলশিং খোঙলৈ থুনা চুপশিল্লি অমসুং কঙ্কৃতনা নুমিৎকী মৈশাবু প্লাস্তিক শীজিন্নবগা চাংদম্নবদা মতম কুইনা চুপশিন্দুনা থম্বা ঙম্মি। মসিগী মথক্তা পুথোক পুশিন তৌবদা মাঙবগী চাংসু কা হেন্না হন্থরে।




# মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজ ফোর্মেলাইজ তৌবা অমসুং চীঞ্জাক শেম শাবগী মতাংদা ইরোমদোম লেপচবা ভারত ওইহনবা

- দা. বিজয়া কুমার বেহেরা*

*"ঙসিদি, মালেম শীনবা থুংবদা লৈরিবা মলতি নেসনেল কম্পেনীশিংনা ভারত্তা হাইজিন্নরক্লি। ঐখোয়না মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং মেক ফোর ৱার্ল্দ হায়বা লাইৱা অসিগা লোইননা মাংজিল থানা চৎকদবনি"*

-নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

## ৱাহৌদোক

2019-20দা ভারতনা লুপা ক্রোর 140814 লোমগী তোঙান-তোঙানবা থাক্তা লৈবা প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক (চাবা য়াবা লৌউশিংউগী পোৎতগী লাপ্পা) পুশিনলকখি। অতোপ্পা অমদনা, চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা মরমদগী মরুওইনা ইনফ্রাস্ত্রকচর ৱাৎপা অমসুং ফত্তবা, ফুদ প্রোসেসরশিংদা ইনস্তিত্যুসনেল ওইবা ক্রেদিৎ ফংদবা, মাইক্রো ফুদ প্রোসেসর লৈতবগা লোইননা ৱো মতিরিএল অমসুং আউৎপুৎ ৱাৎপা, অতেকপা ফুদ পাম্বগা লোইননা প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক্কী কৈথেলগুম্বা ফরক তাবনা মরম ওইদুনা প্রোসেসিং তৌবা ৱাৎপা অমসুং কৈথেলদা লৈবা অহেনবা চীঞ্জাকশিংবু লীদুনা থম্বা ঙমদবদগী লোল্লবা অমসুং লোল্লবা মতুংদা লৌউশিংউগা মরী লৈনবা চীঞ্জাক্কী পোথোকশিংদা লুপা ক্রোর লাখ 1 রোম মাঙলি। হায়রিবসিসু ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রী (MoFPI)গী মখাদা ভারত সরকারনা লেপ্পা লৈতনা লোকপা লোইরবা মতুংদা লৌউশিং অমসুং মসিগা মরী লৈনবা পোথোকশিং মাংবা হন্থনবা পান্দমদা, অহেনবা ইন্দস্ত্রী লিংখৎতুনা লৈবাক অসিদা চীঞ্জাক প্রোসেস তৌবগী চাং হেনগৎতুনা ফার্মগী ৱাংমদা লৈবা থবকশিংগী খুদোংচাবা পীনবা অমসুং লৌমীশিংগী চাগা 2022 ফাওবদা শরুক অনি থোক্লা হেনগৎনবা পান্দম থম্লি।

## ফুদ প্রোসেসিংদা মীৎয়েং চঙবা "মেক ইন ইন্দিয়া" প্রোগ্রাম অমসুং আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান

লৈবাক অসিগী অপুনবা সোসিও ইকোনোমিক্কী ফিবম চাউখৎনবগীদমক ফুদ প্রোসেসিংগী মরুওইবা লৈরিবসি খঙলদুনা, মরুওইনা ভারতকী অপুনবা GDPদা মেন্যুফেকচরিংগী সেয়র হেনগৎনবা, ফুদ মেন্যুফেকচরিংবু ইকাইখুম্নজরিবা ভারতকী প্রধান মন্ত্রীগী থৌৰাং অমা ওইরিবা "মেক ইন ইন্দিয়া"গী খ্বাইদগী মরুওইবা মীৎয়েং চঙগদবা মফম অমনি হায়না শকখঙলি। সেক্তর অসিদা ইনভেস্তমেন্ত হেন্না চিংশিন্নবগীদমক, MoFPIনা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রীশিং হেনগৎনবা ইনফ্রাস্ত্রকচর চাউখৎনবা হোৎনরি। মীয়ামদা খুদোংচাবা ওইগদবা লম্বী থোং, মৈ, ঈশিং, অমোৎপা লৌথোকপা অমসুং পল্লিং, পেকেজিং, কোল্দ স্তোরেজ, দ্রাই স্তোরেজ অমসুং পুথোক পুশিনগুম্বা কম্মন প্রোসেসিং ফেসিলিতী লৈবা মেগা ফুদ পার্ক (MFP)শিং মন্ত্রালয় অসিগী প্রধান মন্ত্রী কিসান সম্পদ য়োজনা (PMKSY)গী মখাদা লৌউশিংউগী পোথোক মরাং কায়না ফংবা মফমশিংদা শেমগৎলি। হায়রিবা পার্কশিং অসিদা মতীক চানা শেমগৎ শাগৎলবা প্লোৎশিং অমসুং ফেক্তরীশিং মতম শাংনা ওন্ত্রপ্রিনরশিংদা মখোয়না "প্লগ এন্দ প্লে মোদেল"দা ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎশিং লিংখৎনবা পীরি। MFPগী স্কিমগী মথক্তা, মন্ত্রালয় অসিনা লৈবাক অসিগী ফুদ ভেল্যু/সপ্লাই চেন পুম্বদা লৈরিবা সপ্লাই চেন ইনফ্রাস্ত্রকচরগী অৱাৎপা লৈরিবসি কোক্লবগীদমক মন্ত্রালয় অসিনা অতোপ্পা স্কিম কয়া অমসু পায়খৎলি, মসিদা MoFPIনা তোঙান-তোঙানবা ফুদ প্রোসেসিং/প্রিজর্বেসন প্রোজেক্তশিং ফুদ তেস্তিং লেবোরেতরী য়াওনা লিংখৎনবা ইনভেস্তরশিংদা শেলগী মতেং পীরি।

ভারতকী ফুদ প্রোসেসিং ইকোসিস্তেমগী তোপ তোপ্পা মশক অমদি লৈবাক অসিদা রেজিস্তর্দ/ওর্গানাইজ মাইক্রো য়ুনিৎ সেক্তর 40000 লৈবা মতমদা লাখ 25 রোম লৈরিবা অনওর্গানাইজ ওইনা অপুনবা ফুদ প্রোসেসরশিংগী চাদা 98 ওইরিবা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসরশিংদনা হেন্না মীৎয়েং চঙবা অসিনি। হায়রিবা য়ুনিৎশিং অসিগী চাদা 66তি খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈ অমসুং মখোয়গী মনুংদা চাদা 80 রোম্না ইমুং মনুংদা য়ুম্ফম ওইবা য়ুনিৎশিংনি। হায়রিবা য়ুনিৎশিং অসি মাইক্রো এন্তরপ্রাইজকী মনুংদা চাউনা চল্লি। মসিগী এন্তরপ্রাইজশিং অসি মখোয়গী পাক চাউবা অমসুং মফমদা খুদোংচাদবা লৈবনা মসিবু মরুওইনা চাউখৎনবা হোৎনবগী থৌৰাংশিংদা হেক হেক কাপ্তোকপীরি।

হায়রিবা য়ুনিৎশিং অসি অনৌবা তেক্নোলোজী অমসুং খুৎজু খুৎলাই, ত্রেনিং, ইনস্তিত্যুসনেল ক্রেদিৎ ৱাৎপা, পোথোকশিংগী তঙাই ফদনা ঙাক্কদবা মগুন ঙাকপা ঙমদবা; ব্রান্দিং অমসুং মার্কেতিংগী স্কিল অসিনচিংবা ৱাৎপা, মরুওইবা সপ্লাই চেন্দা চঙবা ঙমদবা অমসুং লোইগদৌরবা/প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাকশিংবু থাক ৱাংবা চীঞ্জাক্কী পোথোক ওইহন্নবগীদমক অচৌবা ফুদ প্রোসেসরশিংগা চাংদম্নবা ঙমদবা নত্ত্রগা অচৌবা ফুদ সপ্লাইয়রশিংগা মরী থম্বা

*ইকোনোমিক এদভাইজর, MoPR অমসুং এক্স-ইকোনোমিক এদভাইজর, MoFPI

ঙমদবনা তোঙান-তোঙানবা শিংনবা কয়া মাইয়োক্লে। হায়রিবা মখোয়দা লোইনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবগীদমক, মাইক্রো ফুদ প্রোসেসরশিং অসি অখন্নবা মতেং তঙাইফদবনা মতমগা চুনহনবা তাই, মখোয়গী থবক্কী চাং ৱাংখৎহনবা তাই।

## আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান অমসুং ফুদ প্রোসেসিং সেক্তরদা তেংবাংবা

আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা, ভারত সরকারনা MoFPIগী মীৎয়েং মখাদা জুন 2020দা ভারত পুম্বগী ওইবা কেন্দ্রগী শেন্থং মখাদা "PM ফোর্মেলাইজেসন ওব মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তর্প্রাইজেস (PMFME) স্কিম" কৌবা স্কিম অমা হৌজিক লৈরিবা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজশিংদা শেলগী মতেং, তেক্নিকেল অমসুং কার্বারগী মতেং পীনবগীদমক হৌদোকখ্রে। হায়রিবসি 2020-21দগী হৌদুনা 2024-25 ফাওবা চহী মঙাগী ওইনা লুপা ক্রোর 10,000 থাদদুনা পায়খৎকনি। মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎ লাখ অনিনা হকথেংনননা ক্রেদিৎ লিঙ্ক সবসিদী পীদুনা মতেং পাংগনি। স্কিম অসিনা SC/ST, নুপী অমসুং থৱাই য়াওবা জিলাশিং অমসুং FPO, SHG অমসুং প্রদ্যুসর কোর্পোরেতিব – ত্রাইফেদ, নেসনেল SC দিভেলপমেন্ত ফাইনান্স কোর্পোরেসন, NCDC, স্মোল ফার্মর এগ্রি-বিজিনেস কন্সোর্তিয়ম (SFAC) অমসুং নেসনেল রুরেল লাইব্লিহুদ মিসন্দা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি।

## PMFMEগী পান্দমশিং

নওর্গানাইজ ওইবা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজশিংগী থৌদাং অমসুং মখোয়গী মথৌদা হন্থহল্লিবা শিংনবশিংবু খঙলদুনা MoFPIনা মতেং কয়াগা লোইননা সার্ভিসশিং য়াওরবা পেকেজ অমগী থোঙদা স্কিম অসি পায়খৎপনি। স্কিম অসিগী পান্দমশিং মখাদা পীরি:

i) হৌজিক লৈরিবা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ওন্ত্রপ্রিনরশিং, FPO, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমসুং কো-ওপরেতিবশিংনা ক্রেদিৎ লৌবদা হেনগৎহনলে;

ii) ব্রান্দিং অমসুং মার্কেতিং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ওর্গানাইজ সপ্লাই চেনগা লোইননা পুনশিনবা;


iii) হৌজিক লৈরিবা এন্তরপ্রাইজ 2,00,000বু ফোর্মেল ফ্রেমৱার্কতা হোংদোকপদা মতেং পীবা;

iv) কম্মন ওইবা সার্ভিসশিং হায়বদি কম্মন প্রোসেসিং ফেসিলিতী, লেবোরেতরী, স্তোরেজ, পেকেজিং, মার্কেতিং অমসুং ইঙ্কুবেসন সার্ভিসশিং হেন্না ফংহনবা;

v) ফুদ প্রোসেসিং সেক্তরদা ইনস্তিত্যুসন, রিসর্চ অমসুং ত্রেনিং মপাঙ্গল কনহনবা; অমসুং

vi) এন্তরপ্রাইজশিংবু প্রোফেসনেল অমসুং তেক্নিকেলগী ওইবা মতেং হেন্না ফংহনবা

স্কিম অসিনা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রীগী অনওর্গানাইজ সেগমেন্ততা হৌজিক লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মাইক্রো এন্তরপ্রাইজশিংবু অথোই অহেন তানবা হেনগৎনবা অমসুং সেক্তর অসিবু ফোর্মেলাইজ তৌনবা পান্দম থম্লি; অমসুং ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গানাইজেসন (FPO), সেল্ফ হেল্প গ্রুপ (SHG) অমসুং প্রদ্যুসর কোওপরেতিবশিংবু মখোয়গী অপুনবা ভেল্যু চেন্দা মতেং পাংনবা পান্দম থম্লি।




*বিহারগী জিলাশিংদা লৈবা ক্লস্তর এপ্রোচ (ওদোপ)*

## PMFMEগী মখাদা জিলা অমা পোত্থোক অমগী লাল্লোং

স্কিম অসিনা জিলা অমা পোত্থোক অমা (ODOP)গী খোঙথাং অমা লৌখত্তুনা ইনপুৎ লৈবা, কম্মন সার্ভিসশিং ফংহনবা অমসুং পোত্থোকশিংবু কৈথেলদা ফংহনবগী কান্নবা মহৈ য়ালহন্নবা হোৎনরি। স্কিম অসিগী ODOPনা ভেল্যু চেন চাউখৎহন্নবা অমসুং মতেং ওইগদবা ইনফ্রাস্ত্রকচরগা চুশিন্ননবা ফ্রেমৱার্ক অমা পীগনি।

জিলা অমদা ODOPগী পোত্থোক্কী ক্লস্তর অমদগী হেন্না লৈবা য়াই। লৌমী অমসুং ওন্ত্রপ্রিনরশিংনা হৈনৌ, আলু, লিৎচি, খামেন অশিনবা, তাপিওকা, কিন্নু, ভুজিয়া, পেথা, পাপদ, আচার, মিলেত্তা য়ুম্ফম ওইবা পোত্থোকশিং, ঙা য়োকপা, শা য়েন লোইবা, শা অসিনচিংবশিংগী প্রোসেসিং য়ুনিৎ পাকথোক চাউথোকহনবা অমসুং লিংখৎপা য়াই। স্কিম অসিনা ODOPগী পোত্থোকশিংগী বেকৱার্দ অমসুং ফোর্ৱার্দ লিঙ্কেজ, কম্মন ফেসিলিতীশিংগী প্রোবিজন, ইঙ্কুবেসন সেন্তর, ত্রেনিং, R&D, মার্কেতিং অমসুং ব্রান্দিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দম থম্লি।

## PMFME স্কিমগী মখাদা পীবা মতেং

i) **ইন্দিভিজ্বেল মাইক্রো এন্তরপ্রাইজশিংদা পীবা মতেং:**

- অয়াবা প্রোজেক্তকী শেনফমগী ক্রেদিৎ লিঙ্ক তৌবা কেপিতেল সবসিদী চাদা 35, খ্বাইদগী য়াম্বা সিলিং ওইনা য়ুনিৎ অমদা লুপা লাখ 10

- কান্নবা ফংগদবশিংগী কন্ত্রিব্যুসন – প্রোজেক্তকী শেনফমগী চাদা 10, বেঙ্ককী বেলেন্স লোন।



ii) FPO/SHG/প্রদ্যুসর কোওপরেতিবশিংগী মতেং: সোর্তিং গ্রেদিং, স্তোরেজ, কম্মন প্রোসেসিং, পেকেজিং, মার্কেতিং, তেস্তিং অসিনচিংবগীদমক মখোয়গী অপুনবা ভেল্যু চেনগা লোইননা FPO/ SHG/ প্রদ্যুসর কোওপরেতিবকুম্বা ক্লস্তর অমসুং গ্রুপশিংগী ক্রেদিৎ লিঙ্ক গ্রান্ত চাদা 35।

iii) **SHGশিংদা পীবা মতেং:**

- সীদ কেপিতেল ওইনা SHGগী মীহুৎ অমদা ৱার্কিং কেপিতেল অমসুং অপীকপা খুৎজু খুৎলাইশিং লৈনবগীদমক লুপা 40,000/-
- সীদ কেপিতেল অসি SHG ফেদরেসন্দা গ্রান্ত ওইনা SNA/SRLMনা SHGশিংগী মীহুৎশিংদা লোনগীদমক পীগনি

iv) SHG মেম্বর অমমমদা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রীগী য়ুনিৎ অমমম ওইনা ক্রেদিৎ লিঙ্ক গ্রান্তকী শেনফম ওইনা প্রোজেক্তকী শেনফমগী চাদা 35, খ্বাইদগী য়াম্বা সিলিং লুপা লাখ 10। SHG লেবেলগী ফেদরেসন্দা ক্রিদিৎ লিঙ্ক গ্রান্ত ওইনা চাদা 35গা লোইননা কেপিতেল ইনভেস্তমেন্তকী মতেং পীবা।

v) **কম্মন ইনফ্রাস্ত্রকচরগী মতেং:** কম্মন ইনফ্রাস্ত্রকচরগীদমক ক্রেদিৎ লিঙ্ক গ্রান্ত @চাদা 35 FPO, SHG, কোওপরেতিব, লৈঙাক্কী এজেন্সী অমহেক্তা নত্ত্রগা প্রাবেৎ এন্তরপ্রাইজশিংদা পীবা। কম্মন ইনফ্রাস্ত্রকচর অসি কেপাসিতীগী মতীক চাবা শরুক অমা ওইনা ৱায়দুনা শীজিন্নবগী মওংদা শীজিন্নবা অতোপ্পা য়ুনিৎশিং নত্ত্রগা মীয়ামদা ফংহনবা। স্কিম অসিগী মখাদা থাদগদবা কম্মন ইনফ্রাস্ত্রকচরদা য়াওরিবসি:

- লৌউশিংউগী পোখোক নৈনবা, সোর্তিং, গ্রেদিং, ৱেয়রহাউজ অমসুং ফার্ম গেত্তা কোল্দ স্তোরেজ থম্নবা লম;
- ODOPগী পোখোক প্রোসেস তৌনবা কম্মন প্রোসেসিং ফেসিলিতী;
- ইঙ্ক্যুবেসন সেন্তরদা অপীকপা য়ুনিৎশিংনা মখোয়গী পোখোকশিং প্রোসেসিং তৌনবগীদমক ৱাইবগী মওংদা য়ুতিলাইজ তৌনবা অমা নত্ত্রগা অমদগী হেনবা পোখোক্কী মখল লৈগদবনি। ইঙ্ক্যুবেসন সেন্তর অসি ত্রেনিংগীদমক শীজিন্নবসু য়াগনি। অদুমওইনমক, হায়রিবসি কম্মর্সিএল বেসিস্তা শীজিন্নগদবনি।

vi) **ব্রান্দিং অমসুং মার্কেতিংগী মতেং:** ব্রান্দিং অমসুং মার্কেতিংগী মতেংগীদমক চাদা 50গী শেন্থং FPO/SHG/কোওপরেতিব নত্ত্রগা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজশিংগী SPVদা থাদবা। হায়রিবসি ODOP পোখোক্কীদমক রাজ্য নত্ত্রগা রিজনেলগী থাক্তা পীগদবনি।

vii) **কেপাসিতী বিল্দিং:** কেপাসিতী বিল্দিংগী মচাকশিংগী মখাদা PMFME স্কিম অসিনা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রীগী তঙাইফদবশিং পীনবা অমসুং মখাগী মীওইশিংগী কাংলুপ অসিবু প্রদক্ত স্পেসিফিক স্কিল্লিং পীনবা শেমদোক্লবা থৌরাং ওইরিবা ওন্ত্রপ্রিনর্শিপ দিভেলপমেন্ত স্কিল্লিং (EDP+): গী ত্রেনিং পীনবা পান্দম থম্লি। মীওইশিংগী কাংলুপশিং অদুদি:

i. স্কিম অসিগী মখাদা ক্রেদিৎ লিঙ্ক গ্রান্ত লৈরবা ইন্দিবিজ্বেল মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজশিং।

ii. স্কিম অসিগী মখাদা লোন লৌদ্রিবা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিবিজ্বেল মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজশিং

iii. SHG/FPO/কোওপরেতিবশিংগুম্বা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং অমসুং গ্ররুপশিংগী শিন্মীশিং।

iv. SHG/FPO/কোওপরেতিবশিংগী ফুদ প্রোসেসিংগী থবক থৌরমদা য়াওরিবা মীহুৎশিং

v. PMFME স্কিম- স্কিম অসিগী ত্রেনিংগী শরুক পায়খৎনবা হোৎনবদা শরুক য়ারিবা লৈঙাক্কী ওফিসিএলশিং অমসুং অতোপ্পা রিসোর্স পার্সনশিং

## PMFME স্কিম পায়খৎনবা হোৎনবদা PRIশিংগী থৌদাং

স্কিম অসিনা পায়খৎলিঙৈ মনুংদা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং এন্তরপ্রাইজ 2,00,000দা হকথেংননা শেলগী মতেং পাংনবা পান্দম থম্লি অমসুং ওন্ত্রপ্রিনর লাখ 8 অমসুং SHG, FPOশিংগী গ্রুপ মেম্বর লাখ 1 রোমদা স্কিল অমসুং কেপাসিতী বিল্দিং পীনবা পান্দম থম্লি। PRIশিংনা থাক খুদিংদা স্কিম অসিবু পায়খৎতুনা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসরশিংগী চাদা 66তি খুঙ্গংদা লৈবা অমসুং চাদা 80রোম্না ইমুং মনুংদা য়ুম্ফম ওইবনা খুঙ্গংগী মীয়ামদা ভাপ তাহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৈ।

# ফুদ প্রোসেসিংদা মায় পাকপগী ৱারী

**-ফুদ প্রোসেসিং মন্ত্রালয়**

*"ভোকেল ফোর লোকেল হায়বসি ভারত মচা খুদিংমক্কী লাইৱা ওইগদবনি"*

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

## 1. ভিসাখা মিল্লেত ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গানাইজেসনগী খোঙচৎ

**বিসাখাপতনমদা করিগী মিল্লেত FPO লৈরিবা?**


লৌউশিংউদা মমল খঙহেন হেনগৎলকপা, প্রোসেসিং তৌদবা, অমসুং ফার্ম গেত্তা মিল্লেতকী ভেল্যু এদিসন তৌবগী থবকনা লৌমীশিংগী অপুনবা চাগাদা শোকহল্লি। মফম অসিদা পুথোকপগী মমল কয়া চঙদনা মিল্লেত লোকপা হায়বসি লৌমীশিংনা পাম্নে। জিলা পুম্বদা মশিং য়াম্না লৈরিবা অপীকপা লম লৈজবা মিল্লেত লোকপা লৌমেশিং অসি পুনশিন্দুনা তেক্নোলোজী পুশিল্লকপা, মিল্লেত পুথোকপা হেনগৎহনবা, অমসুং লৌমীশিংগী চাগা হেনগৎনবগীদমক কৈথেলগা শম্নবা হেনগৎনবগীদম ইনপুত অমসুং সার্ভিসকা মরী লৈনবা থবকশিং হেনগৎহনবা। হায়রিবা তঙাইফদবশিং অসি FPO অমা শেম্লবদি পাঙথোকপা ঙমগনি। মসিদা অপুনবগী ওইনা মখোয়গী পোত্থোকশিংগী প্রোসেসিং তৌনবা অমসুং চুন্নবা মমলদা কৈথেলদা থাদোক্কবা হোৎনবদা মিল্লেত থারিবা লৌমী খুদিংমক্না চুংশিন্নবা চঙই।

**মতৌ করম্না ICAR-IIMR না ভিসাখা মিল্লেত FPO অমা মওং চুম্না শেগৎখিবা!**

ভিসাখা মিল্লেত FPO অসি 2014গী কম্পেনী এক্ত 2013গী (18, 2013) রুল 18গী মখাদা 2019গী নবেম্বর 15দা ICAR-IIMRনা লোকেল পার্তনর ওইরিবা চহী কুন্থ্রারোম শুরবা অনাকালি মন্দল, অন্ধ্র প্রদেশকী ভিসাখাপতনম জিলাগী থুমাপালাদা লৈবা কম্যুনিতি বেজ ওর্গানাইজেসন সরাদা তম্পাক দিভেলপমেন্ত সমিথি (SVDS)গা খুৎশম্নদুনা লিংখৎখিবনি। ICAR-IIMRনা ওর্গানাইজেসন অসিবু জিলা অসিদা লৈরিবা অপীকপা অমসুং মার্জিনেল ওইবা লৌমীশিংবু মিল্লেত প্রোসেসিং তৌবা অমসুং ভেল্যু এদিসন তেক্নোলোজীশিংগী তেক্নিকেলগী ওইবা মহৈ তাকপীরি।

**ভিসাখা মিল্লেত FPOগী হেন্দ হোল্দিং**

SVDS NGOনা লৌমীশিংবু খোমজিন্দুনা অমসুং মখোয়গী ৱাখলদা মহৈ মরোং অমখক্তা থাবগী মহুত্তা তোঙান-তোঙানবা মিল্লেতকুম্বা পুশিন্দুনা চাংয়েং তৌবা হৌখি। ICAR-IIMR হায়দেরবাদনা ফোতেল মিল্লেত, লিত্তল মিল্লেত, পর্ল মিল্লেত অমসুং ফিঙ্গর মিল্লেতকী অফবা মরূশিং ভিসাখা মিল্লেত ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গানাইজেসন্দা হৌখিবা কুমদা পীখি। মখোয়না মিল্লেত করম্না শেন্নগদগে হায়বগী মেনেজেমেন্তকী লৌশিং মতীক চানা পীবীখিবনা চাথোক য়াম্না ৱাংখি। ICAR-IIMRনা দেহুল্লর, দিস্তোনর, গ্রেদর, এস্পিরেতর অসিনচিংবশিং য়াওরবা মরুওইবা প্রোসেসিং য়ুনিৎ অমা ফার্ম গেত্তা মিল্লেত প্রোসেসিং তৌনবগীদমক লিংখৎনবা লমজিং লমতাক পীরি। হায়রিবা





তেক্নোলোজীশিং অসি শীজিন্নদুনা লৌমীশিংনা হেন্না কান্নবা ফংলবা মমল ফংজরে। লৌমীশিংদা ফীল্দ ভিজিত চৎপা অমসুং ICAR-IIMRদা এক্সপোজর ভিজিত চত্নুনা পুথোকপা, প্রোসেসিং তৌবা অমসুং মিল্লেতকী ভেল্যু এদেদ তেক্নোলোজীশিংগী মতাংদা হেন্না ভাপ তানবা শরুক য়াবগী খুদোংচাবসু পীরি। FPOগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী পোত্থোকশিংগী



প্রোসেস তৌরবা মিল্লেতকী পোত্থোক্না লোয়ননা FPOগী মীহুৎশিং




ভিসাখা মিল্লেত FPOগী থবক থৌরমশিং

ব্রান্দিংগা লোয়ননা লাক্লে। মখোয়না মিল্লেতকী ভেল্যু এদেদ প্রদক্তশিং হায়বদি মিল্লেত আতা, মিল্লেত রাৱা, ইস্তেন্ত ইদলি মিক্স অসিনচিংবশিং প্রোসেস তৌবা হৌরে। হায়রিবসিগী তেক্নোলোজীশিংসু ICAR-IIMRদগী FPOশিংদা থাদোকখ্রে।


**(পাউদম অসি ICAR- ইন্দিয়ন ইনস্তিত্যুৎ ওব মিল্লেত রিসর্চ, হায়দেরবাদনা পীবীরকপনি)**

## 2. মেল্লিফেরাগী মায় পাকপগী ৱারি, বথিন্দাদগী খোই য়োকপা পিক্না তৌবা মী মরি

গ্রীন রিভোলুসন্দা তৌবগুন্না, অৱাং ভারততা খোই য়োকপা শৌগৎখিবগী ক্রেদিৎ পঞ্জাবকি লৌমিশিংদা চৎকনি। ময়াম অমগী মরক্তা, বথিন্দাগী কনকৱালা খুঙ্গংদগী খোই য়োকপা পিক্না তৌবা মী মরিগী ৱারি অমা লৈ, মখোয় 2014-15 দা খোইগী বোক্স 100 দগী খোইহি ক্বিন্তল 2-3 পুথোক্তুনা হৌরম্মি, অমসুং ঙসিদি ‘মেল্লিফেরা’ ব্রান্দগী মখাদা রিতেল পেকশিংদা ক্বিন্তল 50 গী মথক্তা য়োল্লি। অহৌবদা, মখোয় MSME য়ুনিৎ অমা ওইনা ‘মেল্লিফেরা ইন্দিয়া’ হায়বা মমিংগী মখাদা রেজিস্তর তৌখি অমসুং 20-12-2019 দগী মখোয় রেজিস্ত্রার ওফ কম্পনিজদা ‘সোসাইতি’ কেতগোরিগী মখাদা রেজিস্তর তৌবা ‘ফার্মর প্রোদ্যুসর কম্পনি’ অমা ওইখি।

মতম অদুগী মনুংদা, FPC গী মেম্বরশিং অদু 200 তা হেনগৎলম্মি অদুগা য়েঙহং, চাত মসলা, মেথি, খোইহি, বেসোনগী প্রদক্তশিং, বুজিয়া, চিল্লি ফ্লেক্স, আচার মখল 14, দালিয়া, মিল্লেত, অসিনচিংবা য়াওনা ফুদ প্রদক্ত 62 প্রোসেসিং অমসুং পেকেজিং তৌরম্মি। মখোয়গী ফেসিলিতি অদু বথিন্দাগী তলৱান্দিদা লৈ। FPC গী থবক-থৌরমশিং অদু মিস্তর শাইলেন্দর সিধুনা চিয়রমেন ওইরগা মেম্বর 14 না মেনেজ তৌই।






খোই য়োকপগী হীরমদা, মখোয় মার্কেৎতা ‘বী পোল্লন’ হৌদোকপা ইহান হানবনি। মখোয় বথিন্দাদা মথক্কি প্রদক্তশিং অসিগী মখোয় মশাগী রিতেল আওৎলেৎ লৈজে। মখোয় মনসা মনাক্তা, নভা, অমসুং সঙ্গরুরদা নেসনেল হাইৱেদা রোদসাইদ হাইৱেশিংদা লৈ। মখোয় কিরয়ানা দুকানশিংদা ওন-দিমান্দদা প্রদক্তশিংসু সপ্লাই তৌই।

ফেব্রুৱারি 2020 দা মেল্লিফেরানা মিনিস্ত্রি ওফ ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজ অমসুং মিনিস্ত্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্দ দিভেলপমেন্তনা পুন্না ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু স্তেদিয়মদা শিল-লাংবা ওর্গানিক ফুদ ফেস্তিবেলদা শরুক য়াখি অমসুং মখোয়না নুমিৎ অনিদা লুপা লাখ 1.5 কি প্রদক্তশিং য়োনখি। মেল্লিফেরাগী চহীগী ওইবা সেল্স তর্নওভর লুপা লাখ 30 গী মথক্তা ওই। হৌজিক ফাওবদা, □□□ না বেঙ্কশিংদগী ক্রেদিৎ/লোন অমত্তা লৌখিদ্রি। মখোয় সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইজে।

খোইহি অমসুং অমসুং অতোপ্পা প্রদক্তশিং অনিমক্কি প্রোসেসিং অমসুং পেকেজিং মেছিনশিং খরগা হেন্না লৌশিন্দুনা মখোয়গী প্রদক্তশিংগী প্রদক্সন কেপাসিতি পাকথোক-চাওথোক্লবা মেল্লিফেরাগী আশা চাওবা অমসুং থবক ওইনা পাংথোকপা য়াবা প্লান অমা লৈ।

**(পঞ্জাব এগ্রো ইন্দস্ত্রিজ কোর্পোরেসন লিমিতেদ, চন্দিগড়না পীবা কন্তেন্ত)**


## 3. নেতিব অরাকু কোফিগী ইন্সেপ্সন

নেতিব অরাকু কোফিগী ইন্সেপ্সন অসি ফাওন্দরগা অমসুং অরাকু ভেলি, বিসাখাপতনম, আন্ধ্র প্রদেশ, ইন্দিয়া দগী ত্রাইবেল লৌমিগী মরক্তা সড়ক নাকলদা ইমোস্নেল ওইবা ৱা তানখিবা অমগী ফল অমনি।

কেজুয়েল সম্মর ব্রেক অমদা, 18শুবা জুলাই 2017 দা ব্রান্দ নেতিব অরাকু কোফিগী ফাওন্দর “রাম কুমার বর্মা” মহাক্কি তীমগা লোয়ননা অরাকু ভেলিদা চৎলিঙৈদা অনন্থগিরি হিল্স (অরাকু ভেলিদগী কিলোমিতর 20 লাপ্পা লৈবা) গী সড়ককি নাকলদা ঙাইহাক লেপ্লম্মি। মহাক্কি য়াও শজিক পীজরিবা ত্রাইবেল লৌমি অমা মহাক্কা থেংনরম্মি অমসুং মহাক্কা লোয়ননা অরাকু কোফিগী মরমদা অমসুং ব্রান্দ অদু ফংখি হায়বগী মরমদা কেজুয়েল ওইনা শান্নবা ৱারি অমগী মনুংদা, লৌমি অদুনা হায়রম্মি, “ঐহাক এরিয়া অসিদা 1950 দগী লৈরক্লি অমসুং কোফি ইন্দস্ত্রিগী চাওখৎপা উদুনা লাক্লি, অদুম ওইনমক ঐখোয় লাইরদুনা অদুম লৈরি। হেন্না হন্থবা মমল অমদা লৈবা



*নেতিব ত্রাইবেল কোফি ফার্মর অমগা লোয়ননা শ্রী রাম কুমার বর্মা (মনিংদা)*




*(রাম কুমার বর্মা পি, ফাওন্দর অমসুং CEO, নেতিব অরাকু কোফি না পীবা কন্তেন্ত)*




*নেতিব অরাকু কোফিগী প্রদক্তশিং*

মিদলমেন য়াম্না লৈ অমসুং ঐখোয় তশেংনা ঐখোয়গী শরুক ফংদে"।.

ত্রাইবেল লৌমি অসিগা ইমোস্নেল ওইনা ৱা খন্নবা অসিনা ফাওন্দরগী থম্মোয়দা শোক্লম্মি অমসুং মসিগী মরমদা করিগুম্বা অমা তৌনবা হোৎনবা অদুনা, ওগস্ত 2017 দা নেতিব অরাকু কোফি হায়না মমিং থোনবা কম্পনি অমা হৌবা ওইহনখি, মদুগী মকোক ওইবা ফিলোসোফিদি লৌমিদগী কোফি হকথেংননা লৈরগা অমসুং মদু কনজ্যুমরদা মখোয়গী থোঙজিল মপান্দা পুনবনি। মসিনা, অমরোমদা, ত্রাইবেল লৌমিশিংবু হেন্না য়াম্বা মমল ফংহনবদা মতেং পাংগনি লোয়ননা পেমেন্ত অদু লৌমিগী বেঙ্ক একাওন্ততা হকথেংননা পীগনি। .

নেতিব অরাকু কোফি অসি হৌখিবা চহী 3 অসিদা দিজিতেল মেদিয়াদা ব্রান্দ অসি প্রোমোত তৌবদা মায় পাক্লি অমসুং লৈবাক অসিদা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদগী হৌরগা কন্যকুমারি ফাওবদা কস্তমর বেজ অমা লৈ।

হৌজিক, মখোয় কোফি সর্ব তৌই:

- কস্তমরশিংদা - 3500+
- কোর্পোরেত ক্লাইন্তশিংদা - 10+
- স্তার হোতেল গ্রুপশিংদা – 8
- এভিয়েসন ইন্দস্ত্রিদা - 1
- ওর্গানিক স্তোরশিংদা - 20+
- রিতেল স্তোরশিং - 10+
- তর্নওভর - লুপা18,00,000 (2020-2021)

**(রাম কুমার বর্মা পি, ফাওন্দর অমসুং CEO, নেতিব অরাকু কোফি না পীবা কন্তেন্ত)**


---

## 4. শ্রম – খুঙ্গংগী নুপীশিংগী ভেঞ্চর অমা

SHRAM-সেল্ফ হেল্প -রিসাইক্লিং, ওল্তরিং এন্দ মেনুফেকচরিং গ্রুপ অসি পিয়ুশা অবভি কৌবা MBA অমনা হিমাচল প্রদেশকি বতমন্দি খুঙ্গংগী নহা ওইরিবি নুপীশিংগী গ্রুপ অমগা কোওর্দিনেত তৌরগা মখোয়গী ফোংদোকপা ঙমদবা তেলেন্ত অমসুং স্কিলশিং অদু পুথোক্লকৱা হৌদোকখিবনি। চহীগী ফাইনান্সিয়েল তর্নওভর লাখ 7.0 রোমগা লোয়ননা গ্রুপ অদু 1শুবা জুন 2008 দা লিংখৎখিবনি। মসি ক্বালিতি-ৱাংবা প্রদক্তশিং শাবগীদমক খঙনৈ।

গ্রুপ অসি লোকেল ইন্দস্ত্রিয়েল ৱেস্ততগী হেন্দিক্রাফ্টশিং শাবগী থবক তৌদুনা লাক্লি অমসুং হৌজিক ফুদ প্রোসেসিং এক্তিবিতিশিংদসু দাইভর্সিফাইদ তৌখ্রে। লোকেল সর্তিফাইদ ওর্গানিক ফার্মগী পোথোক অদু গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা মখল-মখাগী রেদি তু ইৎ প্রজক্তশিংদা প্রোসেস তৌই।

প্রজক্তশিং অসিগী মরক্তা আচার, কেন্দি, অমসুং চতনি, পফ তৌরবা ব্রাওন রাইজ, পফ তৌরবা বাজ্রা গুম্বা রোস্ত তৌবা চানবা পোৎশিং, রোস্ত তৌবা গেহু অমসুং নুং হৱাই, ফ্লেতন তৌরবা চেংদগী শাবা নমকীন, অমসুং অতোপ্পা পফ তৌবা গ্রেনশিং য়াওই।






প্রজক্তশিং অসি রোস্ত তৌই অমসুং প্রজক্তশিং অসি ফেৎ য়াওদবনিনা হেল্থ-কন্সিয়স ওইবা মী খুদিংমক্তা শোয়দনা চাগদবনি। চাওখৎলক্লিবা মার্কেৎ ত্রেন্দশিংগা খোংয়াং মান্নবা অনৌবা প্রদক্ততা দিভেলপমেন্ততা গ্রুপ অসিনা থবক তৌদুনা লৈ।

ক্রেম-ক্রেম লাওবা অমসুং মদুগী মহাওগীদমক পৃথীবি পুম্বদা খঙনবা গুজরাতকি স্তেপল ওইবা খাক্রশিং অসি গ্রুপ অসিনা হিমাচল প্রদেশকি তিনসেল তাওন অমদা শাবনি। খাক্রশিংগী থোইদোক-হেন্দোকপদি ওর্গানিক ইনগ্রেদিয়েন্তশিংনা শেম্বনি অমসুং হর্বশিং য়াওবা খাক্রশিং নতত্রগা মল্তিগ্রেন খাক্রশিং গুম্বা তোপ-তোপ্পা ফ্লেবর খরা লৈ। পীনৎ বত্তর য়াওবা রাইজ ক্রেকরশিং গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা স্পেসিয়েল্তিনি। গ্রুপ অসিনা অঙাংমচাশিংগী রোস্তেদ ক্রেকর থুনা লোঞ্চ তৌরগনি। গেহুগী য়ামদগী শেম্বা ওর্গানিক নূদল্স অসিসু য়াম্না য়াংনা য়োল্লিবা মার্কেৎতা য়োল্লিবা কনভেনস্নেল নূদল ব্রান্দশিংদগী ময়াম্না হেন্না পাম্নবা আইতেম অমনি।

হন্দক্তা গ্রুপ অসিনা ওর্গানিক ইনগ্রেদিয়েন্তশিংদগী অমসুং অশেংবা দেসি ঘী শিজিন্নদুনা পিন্নিশিং অমসুং লদ্দূশিং শাবা হৌখ্রে। দেসি ঘীনা শাবা ত্রেদিস্নেল লদ্দূশিং অমসুং পিন্নিশিং অদু ওতকি পিন্নি অমসুং মল্তিগ্রেন লদ্দূশিং ওইনা শেমদোকখ্রে অমসুং মদুগী লিস্ত লোইবা নাইদ্রে।

হৌজিক্কি মতম অসিদদি মীশিংনা নুমিৎ চুপ্পা এক্তিব ওইনা লৈহনবা অথুবা ব্রেকফাস্ট অমা তৌনবা য়েংঙি। মরম অসিনা গ্রুপ অসিনা গ্লুতেন য়াওদবা মুইজলি পুথোক্লকখ্রে মসিদা পফ তৌরবা মখল কয়াগী গ্রেনশিং, মরূশিং, অমসুং নতশিং য়াওই। মসি পুক লুমদে অমসুং মচিসু ওই।

**(SHRAM-SHG না পীবা কন্তেন্ত)**

# রুরেল স্কিল

## রাজ্যশিং/UT ফাওনা নহারোলশিংগী মায় পাকপগী ৱারিশিং

*"খুঙ্গংগী ভারতনা ঙসিদি পাৱর সপ্লাই, খ্বাইদগী কোনবা তেক্নোলোজি অমসুং ইন্তরনেত কনেক্সন গুম্বা সহরশিংদা ফংবা ফেসিলিতিশিং ফংনবা তৌই। খুঙ্গংদা লৈবা অঙাং অমনা লেবোরেতোরি অমদা এক্সপেরিমেন্ত তৌনবা অমসুং খ্বাইদগী কোনবা IT গী পাম্বৈশিং শিজিন্নবা সহরগী ছাত্র অমগুম্না খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংগদবনি"*

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী




**কেন্দিদেত মমিং:** মিস এলিজাবেত বাইরাম

**লৈফম:** তমেংলোং, মনিপুর

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** থিঙ্কস্কিল্স কন্সল্তিং প্রাইবেত লিমিতেদ (ইম্ফাল সেন্তর) দগী ফুদ এন্দ বিভরেজ সার্ভিসেস কোর্স

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** BLR LOUNGE, বেঙ্গলোর

**তলব:** থা অমদা লুপা 18000 ফাওবা

**হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:**

মহাক BPL ইমুং অমদগীনি। য়ুমথোং অদুগী চহীগী ইনকম লুপা 72,000 রোমনি মদু অয়াম্বা ওইনা লৌউবদগী লাকই। মহাক ক্লাস X পাস তৌরবা ছাত্র অমনি। ইমুংগী ইনকম নেম্বনিনা মহাক্কি খোঙচৎ অদু খুদোংথিবনি অমসুং অসুক য়ামদবা ইনকম অসিনা য়ুম অমা শিল-লাংবা অৱাবা অমনি। মহাক DDU-GKY বু থাগৎচৈ মরমদি DDU-GKY গী মখাদা লৈবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমদা মহাক মিং চনবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা মহাক ফংখি মদুনা মঙ মঙজবগী অমসুং আশা তৌবগী তাঞ্জা অমা মহাকপু পীখি।

মহাক বেঙ্গালুরুদা BLR লাওঞ্জদা "এতেচি" অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লি অমসুং মহাক্কি ইমুংবু শেল-থুমগী ওইনা সপোর্ত তৌবা ঙম্লি। এলিজাবেথ হরাওই মদুদি মহাক হৌজিক শেল-থুমগী ওইনা নিংখা তপ্লে অমসুং সপোর্ত তৌবিবগীদমকসু মহাক্কি কম্পনিবু ক্রেদিৎ পী। মহাকপু DDU-GKY গী মখাদা মিং চনবিবগীদমক PIA (M/s. থিঙ্কস্কিল্স প্রাইবেত লিমিতেদ) গী মায়কৈরোমদা মহাক্কি তৌবিমল খঙবসু মহাক ফোংদোকচৈ। মহাকপু 7085742439 দা পাও ফাওনবা য়াগনি

---



**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস অঙ্গিতা য়াদব

**লৈফম:** মলানিপুর কতকুই, বেতুল, মধ্য প্রদেশ

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** ইলেক্ট্রিকেল তেক্নিসিয়ান, ক্বেস কোর্প, ভোপাল সেন্তর

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** D-মার্ত, হৈদ্রবাদ

**তলব:** থা অমদা লুপা 11,434/- ফাওবা

**হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:**

অঙ্গিতা BPL ইমুং অমদগী লাকপনি। মমা-মপাগী ইমুংগী চহীগী ইনকম লুপা 30,000 রোমনি অমসুং ইনকমগী হৌরকফম সীজনেল ফার্মিংনি। মহাক্কি মমাংগী ইদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসন হাইয়র সেকেন্দরিনি। DDU-GKY না ইন্তরভেন্সন তৌরকপনা মরম ওইদুনা মহাক্কি পুন্সি পুমহোং হোংখ্রে। মহাক চপ মান্নবা থবক অসিদা থা 12 দগী হেন্না লৈরক্লি। মহাকপু থবক অসিদা কস্তমর সেল্স এসোসিয়েত ওইনা প্রোমোসন পীখ্রে।

মহাক "সেল্স এসোসিয়েত" অমা ওইনা থবক তৌরি অমসুং থবক তৌবদা অফবা মরি অমা থমদুনা, থবক্তা অদুম থম্বগা লোয়ননা মহাক প্রোমোসন অমসু ফংলম্মি। মহাক স্কিমদা, স্তেত SRLM দা অমসুং PIA (M/s. ক্বেস কোর্প) দা তৌবিমল খঙবা ফোংদোকই অমসুং ইমুংগী অপুনবা ইনকমদা শরুক তম্বদা পুক্নিং মথুম মরাং হৌই। মহাকপু 9516026233 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস মমতা মার্থা

**লৈফম:** খোর্ধা, ওড়িশা

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** দোকুমেন্তেসন ইনভেন্তরি ক্লর্ক,
অস্ত্রেলিয়ন স্কিল দিভেলপমেন্ত (ASD),
খোর্ধা সেন্তর

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** মিন্ত্রা, বেঙ্গালুরু

**তলব:** থা অমদা লুপা 17,000/- ফাওবা

## হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:

মমতা লাইরবা ইমুং অমদগী লাকই অমসুং মহাক্কি ইমুংবু সপোর্ত তৌনবগীদমক থবক অমা ফংনবা তৌদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক, খুদোংচাবা তাঞ্জাশিং য়াম্না লাকখিদে। ইমুং অদু ইনকমগীদমক সীজনেল ফার্মিংগী মখা পোল্লি অদুগা মদুনা ইমুং অপুম্বা অদু সপোর্ত তৌবদা মতিক-চানা কোন্নদে। মহাক DDU-GKY স্কিমগী মরমদা খঙলকখি অমসুং কাওন্সেলিং তৌবা মনুংদা ফংখিবা মশা মথন্তদা থাজবা অদুনা মরম ওইদুনা, মহাক ত্রেনিংগীদমক দোকুমেন্তেসন ইনভেন্তরি ক্লর্ক ত্রেদকি মখাদা প্রোগ্রাম অদুদা মহাক মশানা মিং চনশিনখি অদুগা মহাক মদু মায় পাক্লা লৌইশিনখি।

মহাক ওনলাইন এপারেল স্তোর অমা ওইবা মিন্ত্রাদা "ব্রিয়রহাওস ওফিসর" অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লি। খ্বাইদগী পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা শরুকতি মহাক থবক অদুদা হৌজিক চহী 2 দগী হেন্না থবক মখা চথখ্রে মদুনা মহাক্কি কম্মিৎমেন্ত অমসুং ফোকস অদু উৎলি। মমতা হরাওই অমসুং সেক্যুর ওইবা থবক অমা তৌবনা মরম ওইদুনা শেল-থুমগী তংদু লৈতাবা ওইনা লৈবদা মহাক শরুক তম্বনিনা অপেনবা ফাওই অমসুং মসি অসুম্না লৈহন্নবা থবক কন্না শুদুনা মখা চত্থবা পাম্মি অদুগা PIA (M/s. অস্ত্রেলিয়ন স্কিল্স দিভেলপমেন্ত) অমসুং মরি লৈনবা স্তেকহোল্দরশিংনা হোৎনবীখিবশিং অদু থাগৎলি। মহাকপু 7205385191 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

---

**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস্তর বসন্ত ছেত্রি



**লৈফম:** রকদোং, নোংপোক সিক্কিম

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** কূক (জেনেরেল)
রিগেল ইনস্তিত্যুত ওফ মেনেজমেন্ত স্তদিজ
(জুরাসিক পার্ক, সামদোং সেন্তর) দগী

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** সোদেক্সো গ্রুপ, মুম্বই

**তলব:** থা অমদা লুপা 15,000/- ফাওবা মদুগী মথক্তা ইন্সেন্তিবশিং

## হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:

বসন্তগী খোঙচৎ থৌদোক য়াম্না থোকপা অমা ওইখি। মহাক ড্রোপআওৎ অমনি অমসুং DDU-GKY গী মখাদা লৈবা ত্রেনিং প্রোগ্রামদা য়াওদ্রিঙৈ মমাংদা থবক ময়াম অমা তৌগে তান্নরুরে। মহাকসু ইনকম নেম্বা মমা-মপাগী য়ুমথোং অমদগীনি। DDU-GKY গী মখাদা মিং চল্লবা মতুংদা, বসন্তনা পর্সপেক্তিব অমা ফংখি অমসুং ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু লোইশিন্নবরোমদা ফোকস তৌবা হৌরকখি। য়াম্না অনৌবা খঙনিংবা ফ্রেসর অমা ওইনা, মহাক DDU-GKY গী ইন্তরভেন্সন অমসুং PIA অমসুং স্তেত SRLM গী য়াম্না চাওবা সপোর্ত অমসুং লমজিংনা ওইহনবা নৌনা ফংবা মশা থাজবগা লোয়ননা হোসপিতালিতি কোর্পোরেত অমদা খোঙ থাংজিনখি।

বসন্ত "স্তেৱার্দ" অমা ওইনা সোদেক্সো গ্রুপতা য়াওখি অমসুং হৌজিক চহী অমদগী হেন্না থবক অদু তৌদুনা লাক্লি। মহাক্না মহাক্কি নৌনা ফংবা মশা থাজবা অদুবু DDU-GKY গী ত্রেনিং প্রোগ্রাম, ত্রেনরশিংগা ক্লাস রুমদা মহাক্কা ইন্তরেক্সন তৌনবা অমসুং ওঝাশিং অমসুং ইমুংনা পীবা সপোর্ত অদুননি হায়না ক্রেদিৎ পী। মহাক খ্বাইদগী ফবা হোস্পিতালিতি ব্রান্দশিংগী মরক্তা অমা ওইবা অমগা লোয়নবা অসিদা চাওথোকচৈ অমসুং অসুম্না চৎপা লম্বিদা এক্সপিরিয়েন্স ফংনা ফংনা মতম খুদিংগী খ্বাইদগী ফবা মওংদা থবক তৌগে হায়না পান্দম থম্মি। মহাকপু 9083214188 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস সিমা নাথ

**লৈফম:** কদমতালা, অৱাং ত্রিপুরা

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** ফুদ এন্দ বিভরেজেস সার্ভিসেস,

তীম লীজ সার্ভিসেস লিমিতেদ (কাশিপুর সেন্তর, অগরতলা, ত্রিপুরা)

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** জিন্সি তর্তল রেস্তোরেন্ত,
বেঙ্গলোর (ইকে হোস্পিতালিতি)

**তলব:** থা অমদা লুপা 10,000/- ফাওবা ফুদ অমসুং
একোমোদেসন লেপ্না পীবা য়াওনা



**হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:**

সিমা মশা হিংনবা লৌউবদগী ফংবা য়ামদবা ইনকমদা মখা পোনবা লৌমিগী ইমুং অমদগীনি। মহাক ত্রিপুরাগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা কদমতালা কৌবা অরাপ্পা মফম অমদগী লাকপনি। মখোয় পুন্সি হেন্না নুংঙাইনা হিংনবগীদমক মহাক্কি ইমুংবু মতেং পাংনিংলবসু, অদু ফাওবা খোঙচৎ অসিদা করম্না মাং চংশিনগনি হায়বা মহাক খনবা ঙমলমদে। অদুদগীদি মহাক খঙনা-চান্নবা মী অমদগী DDU-GKY গী মরমদা খঙলকখি অমসুং প্রোগ্রাম অসিগী মরমদা হংখি। PIA দা মখা তানা কাওন্সেলিং তৌবনা মহাক্কি চেৎনা নিংজবা কনখৎহনখি অমসুং মহাক প্রোগ্রাম অদুদা মিং চনখি অমসুং মায় পাক্লা লোইশিনবদা, বেঙ্গালুরুদা স্তেৱার্দ অমা ওইনা থমখি।

সিমানা অহৌবদা স্তেৱার্দ ওইনা থবক য়াওখিবা ওইরবসু, থবক কন্না শুবা অমসুং থবক অদুদা কম্মিৎমেন্ত পীবা অদুনা মরম ওইদুনা, মহাকপু "ফ্রন্ত ওফিস এসোসিয়েত" ওইনা প্রোমোসন পীখি মদুনা মহাক্কি ফোকস অদু উৎখি। মহাক্কি মশা থাজবগী থাক অদু DDU-GKY মনুংদা ত্রেনরশিং অমসুং মমান্নবা ত্রেনরশিংগা ৱারি-ৱাতাই শান্নবা হেনগৎপা অদুনা ওইহনবনি অমসুং মদুনা থবক শুফমদসু প্রোমোসন কাবা ওইহল্লকখি হায়বা মহাক পনবা কাওখিদে। মহাক DDU-GKY থবক ওইনা পানশিনবদা য়াওদুনা মঙোন্দা কান্নবা পীখিবা স্তেকহোল্দরশিং লোইনমক্তা তৌবিমল খঙই। সিমা পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ফংবা পাম্মি। মহাকপু 8413888184 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

---

**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস নাগেশ্বরি

**লৈফম:** সেলম, তমিল নাডু

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** সেন্তর ফোর অনইমপ্লোয়দ
য়ুথ দিভেলপমেন্ত ত্রস্ত - (CUYD ত্রস্ত) তগী
জেনেরেল দ্যুতি এসিস্তেন্ত

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** কাবেরি হোসপিতাল (সেলম)

**তলব:** থা অমদা লুপা 8,800/- ফাওবা




**হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:**

নাগেশ্বরি অসি মেত্তুর, সেলম দগীনি। মহাক মহাক্কি 12শুবা স্তেন্দর্দ লোইশিল্লে অমসুং মহাক স্তদি মখা চত্থনবা সপোর্ত মতিক চানা ফংলমদে। মহাক থবক কয়াগী ইন্তরভিয়ুগীদমক এপ্লাই তৌরম্মি অমসুং য়াওরম্মি, তৌইগুম্বশুং মহাক মায় পাকপা ঙম্লমদে। মহাক্কি মঙলান্দি শেল-থুমগী ওইনা নিংখা তম্বনি অদুবু মদু মঙলান ওইনা অদুম লৈরম্মি। মহাক্কি মপা লাইরবা লৌমি অমনি। লাইরবা ইমুংদা পোকপা অঙাং অমনা তৌবগুম্না মহাক খুদোংথিবা কয়া থেংনখি। মহাক অসুম্না খুদোংথিবা পুন্সি অমা হিংলিঙৈ মতম অসিদা মহাক্না DDU-GKY গী স্কিল ত্রেনিংগী মরমদা খঙলকখি অদুদগী মহাক জেনেরেল দ্যুতি এসিস্তেন্ত (GDA) ত্রেনি অমা ওইনা য়াওখি অমসুং ত্রেনরশিং অমসুং ত্রেনিং এজেন্সি অদুগী স্টাফনা পীবা য়াম্না ফবা সপোর্তকি মতেংনা মহাক মহাক্কি ক্লাসশিং লোইশিনখি।

মহাক সেলমদা লৈবা কাবেরি হোস্পিতালদা “পেসেন্ত কেয়র এসিস্তেন্ত” অমা ওইনা থবক ফংলম্মি। DDU-GKY দা মিং চনবনা মহাকপু মহাক্কি মঙলান মঙফাওনহনবদা মতেং পাংলম্মি অমসুং হৌজিক মহাক্কি পুন্সিদা মশা থাজবগা লোয়ননা দিসিজনশিং লৌনবগী শক্তি পীখ্রে। ত্রেনিং মনুংদা ফংখিবা স্কিল সেতশিং অমসুং ক্লাসশিংগী মনুংদা কান্নবা ৱারি-ৱাতাই শান্নখিবশিং অদুনা মহাকপু এতিকেত অমসুং মহাক্কি থবক অদু থৱায় য়াওনা তৌবদা দরকার ওইবা স্কিলশিং তম্বদা মতেং পাংই অমসুং মখোয়শিং অদু হৌজিক মহাক্না তৌরিবা থবক্তা শীজিন্নৈ হায়না মহাক্না পনখি। মহাক্না DDU-GKY, TNSRLM অমসুং CUYD ত্রস্ততা তৌবিমল খঙবা ফোংদোকখি। মহাকপু 9047243366 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

---




**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস হর্জিন্দর কোর

**লৈফম:** বস্তি বোহরহিয়া, পঞ্জাব

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** হেল্থকেয়র (নর্সিং এদস)
শ্রী সিদ্ধিবিনায়ক ইদুকেসন সোসাইতি (জলন্ধর) দগী

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** DDU_GKY সেন্তর,
ভারত পেরামেদিকেল ইদুকেসন সোসাইতি।

**তলব:** থা অমদা লুপা 10,000/- ফাওবা

## হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:

মিস হর্জিন্দর কোর খুঙ্গংগী BPL বেকগ্রাওন্দ অমদগী লাকপনি অমসুং মহাক্কি ইমুংগী শেল-থুমগী ফিভম ফবা ওইদে। ইমুং অদু মহাক্কি মপা (লেবর) গী থাগী তলব 7,000 না মখোয়গী চারা অনি ফংনবা মদুগী মখা পোল্লি। মদু খুদোংথিবা ফিভম অমনি মরমদি শেল-থুমগী সপোর্ত ৱাৎপনা মরম ওইদুনা, পুন্সিদা মাংলোমদা চংশিন্নবগী মহাক্কি আশা অদুদা অয়েৎপা লৈরম্মি। মহাক DDU-GKY গী মরমদা হেক খঙবগা, মদু মখা তানা থিজিন হুমজিন্নবা তৌগে হায়বা মঙোন্দা ফাওখি। মহাক্না মশামক ত্রেনিং প্রোগ্রামশিংগী মরক্তা অমদা মিং চনশিল্লম্মি অমসুং অফবা থবক অমা ফংনবগীদমক ত্রেনিং হৌরম্মি। থবক কন্না তৌদুনা অমসুং কখোকপগা লোয়ননা, মহাক্না মহাক্কি ত্রেনিং মায় পাক্না লোইশিনবতা নত্তনা ভারত পেরামেদিকেল ইদুকেসন সোসাইতি, জলন্ধরদা থবক ফংলম্মি।

মহাক ভারত পেরামেদিকেল ইদুকেসন সোসাইতিদা “রিসেপস্নিস্ত” ওইনা থবক তৌবা হৌরম্মি থাদা লুপা 10,000 গী তলব ফংদুনা। মহাক্না DDU-GKY, জলন্ধর অমসুং PIA (শ্রী সিদ্ধি বিনায়ক ইদুকেসন সোসাইতি) দা মহাক্কি তৌবিমল খঙবা ফোংদোকখি। মহাক্কি তলব ময়ুমদা মহাক্কি মমা-মপাদা থাবা অদু অপেনবা ফাওবা এক্সপিরিয়েন্স অমনি হায়না মহাক চাওথোকচনা পল্লি। মহাকপু 8437342745 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

---

**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস্তর মহানন্দা রভা



**লৈফম:** বর্জহারা নম্বর 1, গোওলপারা, অসম

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** ফুদ এন্দ বিভরেজেস
সার্ভিসেস –স্তেৱার্দ ফ্রোম ইন্দিয়া কেন ইদুকেসন প্রাইবেত লিমিতেদ

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** হোত স্পোত রেস্তোরেন্ত,
তিরুপতি, আন্ধ্র প্রদেশ

**তলব:** থা অমদা লুপা 13,000/- মদুগী মথক্তা ইন্সেন্তিবশিং

## হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:

মহানন্দগী খোঙচৎ অসমগী গোঅলপড়াগী খুঙ্গং বর্জহারা নম্বর 1 দগী হৌখি। মহানন্দ মতম চুপ্পদা করিগুম্বা খরা ফংবা পামখি তৌইগুম্বশুং মায়কৈ খঙলমদে। মহাক লাইরিক তম্বা লোইরবা ফাওবদা, মহাক থবক অমা ফংবা ঙল্লমদে অমসুং মহাক্কি পুন্সিগী ওইরক্লিবা মওং অদুদা মহাক পেনজরমদে। নোংমদি ইন্দিয়া কেন (PIA) তীম মেম্বর অমনা মহাক্কা উনরম্মি অমসুং DDU-GKY গী মখাদা থবক ওইনা পানশিনবা ত্রেনিং প্রোগ্রামগী মরমদা

অমসুং মদুনা মহাক্কি পন্থুং য়ৌনবা প্লেতফোর্ম অমা করন্না পীবা ঙমগনি হায়বদু শন্দোক্লা তাক্লম্মি। মহাক্লা মশামকপু DDU-GKY গী মখাদা লৈবা ত্রেনিং প্রোগ্রামগীদমক মিং চল্লম্মি অমসুং ত্রেনিং অদু লোইশিনবা মতুংদা কেফে কোফি দে দা থবক ফংলম্মি। মসিনা মহাক্কি কেরিয়র হৌহল্লম্মি।

মহাক অহানবদা কেফে কোফি দে দা "এসোসিয়েত" অমা ওইনা য়াওরম্মি অমসুং সেক্তর অদুগী মরমদা তম্লম্মি। মহাক্কি অহৌবা তলব থাদা লুপা 9,000 ওইরম্মি মদুনা মহাকপু হরাওনবগী মরম অমা পীরম্মি তৌইগুম্বশুং মহাক মসিসু খঙলম্মি মদুদি মদু হৌবখক্তং ঙাইরি অদুগা অৱাবা কয়া থেংনরুরবা মতুংদা পুন্সিদা মাংলোমদা চংশিনবা পাম্মি। মখা তানা ফোকস তৌদুনা, মহাক থবক তৌবা চত্থরম্মি অমসুং অদুদগী থা 9 নত্ত্রগা অদুমুক লৈরবা মতুংদা, তিরুপতিদা লৈবা পাই ভাইসরোই হোতেলদা থবক তৌনবগী অতোপ্পা তাঞ্জা অমা ফংখি মহাক মদুদা থবক তৌবা অমসুং তম্বা মখা তানা চত্থরম্মি। মদু মহৈ য়ানবা অতোপ্পা কেরিয়রগী মুব অমনি অদুগা মহাক মফম অদুদা অতোপ্পা চহী অমগা থবক তৌরম্মি অমসুং অদুদগী হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র অসিদা চৎলম্মি। মরম অদুনা, মহানন্দনা থবক তৌবা হৌবদগী হৌজিক চহী 2 হেল্লে অমসুং থোইদোক-হোন্দোক্লা অফবা ওইনবগী হোৎনবা মখা তানা চত্থরি। মহাক্কি ইমুংসু মহাক্কিদমক চাওথোকচৈ অমসুং মহাক্লা খুমাং চাওশিনবা ওইনবা আশা তৌই. মহাকপু 6300863712 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।

---

**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস লেখনি সাহু

**লৈফম:** রাইপুর, ছত্তিসগড়

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** ওরিয়োন ইদুতেক (রাইপুর সেন্তর) দগী নোন-ভোইস BPO

**হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র:** তেলি পরফোর্মেন্স – পুলিস কন্ত্রোল রূমদা ইমর্জেন্সি সার্ভিস কোল সেন্তর 112


**তলব:** থা অমদা লুপা 12,000/- মদুগী মথক্তা ইন্সেন্তিবশিং



**হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:**

লেখনি অসি ছত্তিসগড়গী ধমতারি জিলাদগী লাকপনি। মহাক পুন্সিদা করিগুম্বা অচৌবা খরা ফংগে হায়না মতম চুপ্পদা মঙ মঙখি। মায় পাকপা ফংনবগী অপাম্বা অদু য়াম্না কনবা ওইরবসু, মদু তৌনবগী পাম্বৈদি অকক্লবা ওইখি। মহাক্কি মমা-মপাদা মপুং ফানা মখা পোনবা নুপীমচা অমা ওইবনিনা, মহাক মশানা করিগুম্বা খরা থিজিন হুমজিনবা তৌনিংবা অদুদা খরা কিবা পোকখি মরমদি মহাক মশাদা থাজবা অমসুং মহাক্কি মঙলান অদু মঙফাওননবা লম্বী থিনবগী থৌনা ৱাৎলম্মি। চেলেঞ্জ তৌবা দরকার ওইবা কঞ্জরবেতিব ওইবা ইমুংগী বেকগ্রাওন্দ অদুসু অতোপ্পা অথিংবা অমনি। মহাক ক্লাস 12শুবা ফাওবা মহৈ তমজবা ঙমহৌরম্মি তৌইগুম্বশুং ইমুংদা শেল-থুমগী ক্রাইসিস থোক্লকপদগী মদু থাদোকপা তাখি। থবক তৌনবগী তাঞ্জাসু মশিং য়াম্না য়াম্লমদে মদুনসু নিংবা কায়বা ওইহনখি। মহাক ওরিয়োন ইদুতেক (PIA) না শিল-লাংবা মোবিলাইজেসন কেম্প অমা য়াওখি অমসুং মদুগী ফিচরশিং অমসুং ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং অদুদা মিং চন্নবগী দরকার ওইবা ইলিজিবিলিতি ক্রাইতেরিয়াগী মরমদা শন্না তাকখিরম্মি। মহাক্লা মশাবু প্রোগ্রাম অদুদা মিং চনশিল্লম্মি।

সেপ্তেম্বর 2017 দা মহাক্কি কোর্স লোইশিল্লবা মতুংদা, PIA না মহাকপু হিন্দুজা গ্লোবেল সোলুসন্সদা থবক অমা ফংহনবদা মহাকপু মতেং পাংখি মফম অদুদা মহাক চহী অমা থবক তৌখি অমসুং কোন্না তেলিপরফোর্মেন্স কৌবা কম্পনি অমগী মতেংনা পুলিস কন্ত্রোল রূম ইমর্জেন্সি সার্ভিসেস 112 গীদমক "তেলি-কোলর" অমা ওইবগী তাঞ্জা অমা ফংখি। মহাক মফম অসিদা থবক তৌবা পাম্মি অমসুং মহাক্লা মীশিংগী মতেং পাংবনিনা কম্যুনিতিদা মহাক্কি শরুক তম্লি হায়না মহাক খল্লি অমসুং অদুগসু, মহাক মপুং ফানা নিংখা তম্মি অমসুং মহাক্কি ইমুংবু মতেং পাংবা ঙম্মি। মসিগীদমক মহাক্লা DDU-GKY ত্রেনিংবু ক্রেদিৎ পী মরমদি মহাক্লা স্কিলশিংগী মরমদা তম্বতা নত্তনা এতিকেতশিং, লমচৎ-শাজৎশিং, প্রোফেস্নেলিজম অমসুং ঐখোয়গী মপুং ওইনা চাওখৎপা মসিদগী তম্মি। মহাকপু 8770426110 দা পাও ফাওনবা য়াগনি।




**কেন্দিদেৎ মমিং:** মিস মোহিনি দেবি

**লৈফম:** বরাইমিলিয়া বুজুর্গ, জলাউন (UP)

**ত্রেনিং ত্রেদ অমসুং PIA:** হোস্পিতালিতি এসিস্তেন্ত শ্রী সিদ্ধিবিনায়ক ইদুকেসন সোসাইতি

হৌজিক্কি ইমপ্লোয়র: রামকলি দেবি সেবা সংস্থান

**তলব:** থা অমদা লুপা 15,000/- ফাওবা



**হৌজিক ফাওবগী খোঙচৎ:**

ছাত্রি অমা ওইনা, মোহিনি লাইরিক তমগনি হায়না লেপখি অমসুং কেরিয়র অমা শেম্বা পামখি। মহাক্কি মরুপশিংনা হেক-হেক হায়রম্মি মদুদি মহাক্না অরানবা দিসিজন অমা লৌখ্রে অমসুং মহাক্কি মমা-মপানা লুহোংনবা নুপা অমা য়েংবা হৌবা মতমদা ওভরক্বালিফাইদ ওইরগনি হায়না। লম অরাপ্পদা মহাক্না সাইকল থৌদুনা ত্রেনিং তৌবা তোয়না চৎপা মতমদা মীশিংনা মহাকপু লকনখি, মরমদি মহাক্কি আশা চাওবা অদুনা মখোয়বু মীনা থৱা শাবিদবা পোকহল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বশুং মহাক্কি হেক ইমুংদি মহাকপু সপোর্ত তৌখি, মরম অদুনা মহাক মখা চত্থখি। মতাং অমদা, মহাক্কি ইমুংনা মহাকপু লুহোংনবা হায়খি, তৌইগুম্বশুং মহাক্না শন্দোক্লা তাক্লম্মি মদুদি মহাক কেরিয়র অমা লৈরবদি, মহাক হেন্না ফবা প্রোপোজেল অমা ফংবা য়াই হায়না। মহাক্কি মপা অদু য়াম্না চম্বা বেকগ্রাওন্দ অমদগী লাকপা ওইরবসু, মহাক্কি মচানুপীবু লাইরিক তমহন্নবা অমসুং কেরিয়র শেম্নবগী পুক্নিং থৌগৎনবগী ফোরসাইত মতিক চানা লৈখি। মহাক্না মশামকপু DDU-GKY ত্রেনিং সেন্তর অমদা মিং চনশিল্লম্মি অমসুং হোস্পিতালিতি এসিস্তেন্ত ত্রেদতা মহাক্কি ত্রেনিং লোইশিল্লম্মি।

মহাক রামকলি দেবি সেবা সংস্থানদা "এসোসিয়েত" অমা ওইনা থবক ফংলম্মি। DDU-GKY দা মিং চনশিনবনা মহাকপু মহাক্কি মঙলান মঙফাওনবদা মতেং পাংলম্মি অমসুং মহাক হৌজিক্তি মশাগী দিসিজন লৌজবা ঙল্লে। ক্লাসরুম ত্রেনিং অমসুং পাক চাওনা প্রাক্তিকেল ক্লাসশিং তৌবনা মহাকপু মখল-মখাগী তোপিকশিং খঙবদা মহাকপু মতেং পাংঙি হায়না মহাক্না পল্লি। লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা অমসুং থবক কন্না শুদুনা, মহাক ফজনা তৌখি অমসুং তলব ফনা য়াম্না ফংবা থবক অমা ফংলম্মি। কোর্স অদুদা মহাক্না মিং চনবা মতম অদুদগী হৌরগা মহাক ঙসি ফাওবা তুংদা কৈদৌঙৈদা য়েংখিদ্রে অমসুং ফোকস অমসুং নিংবা কনবগা লোয়ননা মাংলোমদা চংশিন্নবা থৌরাং তৌই। তাঞ্জা অসি পীবিবগীদমক মহাক্না DDU-GKY, UPSDM অমসুং স্তেকহোল্দরশিং লোইনমক্তা তৌবিমল খঙবা ফোংদোকই। মহাকপু 8948963734 দা পাওফাওনবা য়াগনি।




কর্তসি: M/o I&B

**মায় পাকপগী ৱারি**

# নমানা নর্সরী – মেনেজমেন্তকী নেচরেল রিসোর্সশিংদা মরোমদোম লেপচনবগী অনৌবা ৱারোল

**– চন্দ্র কনৱর***

***"ঐখোয়গী ওইনা, ইনভাইরনমেন্তপু ঙাক-শেনবা হায়বসি আর্তিকল ওফ ফেথ অমনি। ঐখোয়গী নেচরেল রিসোর্সশিং লৈ মরমদি ঐখোয়গী মমাংগী চারোল-শুরোলনা মসিগী রিসোর্সশিং অসি ঙাক-শেন্দুনা থল্লম্মি। ঐখোয়না তুংগী চারোল-শুরোলগীদমক মদুগা চপ মান্নবা তৌগদবনি।"***

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

নমনা নর্সরি অসি রাজস্থানগী রাজসমন্দ জিলাদা লৈবা খামনোর পঞ্চায়ত কম্মিত্তিগী মখাদা লৈবা বনাস তুরেলগী তোর্ব্বান্দা লৈ। নমনা খুঙ্গং অসিনা তোপ-তোপ্পা মহৌশাগী ফজবগী পিকচর অমা পী। গ্রাম সভানা খুঙ্গং অদুগী অকোয়বদা তুরেল অদুগী তোর্ব্বান্দা বিঘা 10 দগী 15 ফাওবগী লম মচেৎ অমা ষন শজিক চানবা লম ওইনা শেমগৎনবা প্রস্তাব অমদা অয়াবা পীখি। গ্রাম সরপঞ্চ শ্রীমতি চন্দ্র কনৱর অমসুং পর্য়াররন মিত্র শ্রী রঘুবির সিংহনা অতোপ্পা প্রজাগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা মায়কৈ অসিদা ইনিসিয়েতিব অমা লৌখি অমসুং লম অসি শিজিন্নবা য়াই অমসুং মফম অদুদা নর্সরি অমা শেমগৎপা য়াই হায়না সজেস্ত তৌখি। অদুদগীদি গ্রাম সভাগী মীতিং অদুদা লেপ্লে মদুদি MNREGA য়োজনাগী মখাদা ফংবা ফন্দশিং অমসুং 15শুবা ফাইনান্স কম্মিশননা পীবা ফন্দশিং অদুবু ঈশিং, উমং, সোইল কঞ্জরবেসন অমসুং অশেংবা নুংশিৎ ফংবগী মতাংদা খুঙ্গং অদুবু সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইহন্নবা শিজিন্নবা য়াই।

মদুগী মতুং ইন্না, গ্রাম পঞ্চায়ত অদুনা ফীজিবল রিজোলুসন অমা পাস তৌরম্মি অমসুং মদু দিস্ত্রিক্ত কলেক্তর শ্রী অরিবিন্দ কুমার পোসৱালনা খন্নবগীদমক থারম্মি। ইন্তিগ্রেতেদ প্লান অদুগীদমক লুপা লাখ 22.60 গী এমাওন্ত অমা কায়থোক্লম্মি। মসিগী মনুংদা, লুপা লাখ 19.60 MNREGA হেদকি মখাদা কায়থোকখি অমসুং লুপা লাখ 3 না 15শুবা ফাইনান্স কম্মিশনগী মখাদা লৈবা ফন্দশিংদগী পীখি। মায়কৈ অসিদা লুচিংবা





অমা লৌদুনা, কলেক্তরনা সোইল কঞ্জর্ব তৌনবগীদমক উশিং অদু তুরেলগী তোর্ব্বান্দা পরেং শানা থাগদবনি হায়না সজেস্ত তৌখি। নর্সরি অমা শেমগৎপা হায়বসি প্রোজেক্ত অদুগী মওং শেম্নবা চংদবা য়াদে হায়না লৌখি। কলেক্তর অদুনা ইনিসিয়েতিব লৌরগা, জিলা পরিষদকি CEO শ্রীমতি নিমিশা গুপ্তানা খুঙ্গং মফম অদু ইনস্পেক্ত তৌখি অমসুং তৌবা হৌরো হায়না অয়াবা পীখি।

নর্সরি অদুগী আওৎলাইন অমা অহানবদা য়েক্লে অমসুং মদুদা গ্রীন হাওস স্তোর অমা, ইলেক্ত্রিক কনেক্সন অমসুং ইরিগেসন ফেসিলিতিশিং য়াওহল্লে। নর্সরি অদুগী মফম খন্দ্রিঙৈ মমাংদা মখাগী পোইন্তশিং অসি ফজনা খল্লে:

1. মফম: নর্সরি অদু রাজসমন্দ অমসুং বিজনোলগী মরক্তা লৈবা মেন রোদ অদুদা লৈ মদুনা পাম্বীশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা হেন্না লাইহল্লি।
2. ঈশিং ফংবা: নর্সরি অদু বনাস তুরেলগী তোর্ব্বানদা লৈবনিনা, FFC হেদকি মখাদা তৌবা গুহা অদুদা মোতোর অমা ইনস্তোল তৌরগা পাইপলাইন অমা ফাওনা ঈশিংগী সপ্লাই মতিক চানা পীনবা প্রোবিজন অমা শেম্লে।
3. 3. নর্সরি অদু অৱাংবা থাক অমদা লৈবনিনা ঈশিং অদু মশা মথন্তা চেন্থখি। নর্সরি অদুগী ফ্রেমৱার্কতা জিলা অদুগী ভুগোলগী পোজিসন অমসুং ক্লাইমেতকি ফিভমগী মতুং ইন্না চুনবা এক্তিবিতিশিং য়াওই। এক্তিবিতিশিং অসিদা সোইল তেস্তিং, সীদ-বেদশিং শেম-শাবা, মরুশিং

*সরপঞ্চ, খুঙ্গং নমনা, পঞ্চায়ত সমিতি খামনোর, তেহসিল নাথদ্বারা, জিলা রাজসমন্দ, রাজস্থান

লৌবা, মতোল চোংদ্রিঙৈ মমাংদা ত্রীতমেন্ত তৌবা, মরু হুনবা, হন্না-প্লান্তেসন তৌবা অমসুং হেন্না চাওবা পাম্বীশিং দিভেলপ তৌবা য়াওনা ময়াম অমা য়াওই।

নর্সরি অদু লিংখৎনবা গ্রাম পঞ্চায়তনা এরিয়া অদুগী লম বিঘা 10 মুকতা শম্বল খাজিল্লম্মি। প্লান্তেসনগীদমক খল্লবা লম অদু হান্না ত্রীত তৌরম্মি অমসুং অদুদগী মফম অদুদা উপাম্বীশিং থারম্মি। নর্সরি অদু অশেংবগীদি বিঘা অনিমুক্তি এরিয়া অমদা লিংখৎখিবনি অমসুং হৈনৌ, নীম, পুংদোন, অৱাথবি, মঙ্গে, গুলমোহর, হৈগ্রু, সেহজান, আশাপল, কর্দল, ৱা, তুলসি, অতরগুলাব, পীপাল, কানের, অসিনচিংবা মফম অদুদা থাখি। বাইবুন্সা তুলদা ক্বালিতিগী ৱা পাম্বীশিং ত্রিপুরাদগী লৌরম্মি অমসুং মফম অসিদা থারম্মি। মখোয়শিং অসি মনম নুংশিবা ধুপশিং নত্ত্রগা অগরবত্তিশিং শাবদা মতেং পাংনবা থাবনি।

গ্রাম পঞ্চায়তনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবদগী অমসুং পর্য়াবারন প্রহারিশিংগী কথোকপদগী, জুলাই, 2020 দগী ওক্তোবর, 2020 গী মরক্তি মতম অসি্দা নর্সরিদগী পাম্বী 4000 মুক য়োনখিরম্মি অমসুং লুপা 25,000 গী পোৎ য়োনবগী প্রোসীদ ওইনা গ্রাম পঞ্চায়তনা মদুগী ইনকম ওইনা দিপোজিত তৌখি। হৌজিক হৌজিক, পাম্বী 35,000 মুক য়োন্নবা লৈরে অমসুং মখোয়শিং অসি লাক্লিবা মোনসূন ঋতু অসিদা য়োল্লগনি।

নর্সরি অদু লিংখৎপগী মথক্তা, ওর্গানিক হার অমসুং ভর্মি কম্পোস্ত শেম-শানবা পক্কা বেদ অমা শাগৎখ্রে অমসুং ভর্মি জর্মশিং কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, রাজসমন্দনা সপ্লাই তৌখি।

নর্সরি অসি দিভেলপ তৌবগা লোয়ননা, পঞ্চায়তকি ঈশিং লৈতবা লমশিং, লনাইগী ৱেস্ত লেন্দ অমসুং নক্লবা পঞ্চায়তশিংগী লমদা থানবগী পাম্বীশিং মতিক চানা সপ্লাই তৌরগনি।

নমনা নর্সরিনা য়ুমথংনবা জিলাশিংদা নর্সরি প্রোজেক্ত 14 লৈনবা পুক্লিং থৌগৎখ্রে। মসিগী নর্সরি প্রোজেক্তশিং অসি অতোপ্পা প্রোগ্রামশিংগা লোয়ননা MNREGA স্কিমদা শরুক য়াবা অদু য়েংলগা সেঙ্কসন তৌখি।

মথক্তি থবকশিং অসি লোইশিল্লবা মতুংদা, তুরেলগী তোর্ব্বান্দা পরেং শানা সোইল কঞ্জর্বেসন তৌবদা, ইনভাইরনমেন্ত তেক্ত-কায়দনা থম্বদা অমসুং ঈশিং কঞ্জর্ব তৌবদা য়াম্না মতেং ওই। মীশিংনা প্রোজেক্ত অদুদা য়াম্না থৱায় তানা লৌই মরমদি পাম্বীশিং লম অদুদা ফংই অমসুং মসিনা উপাম্বীশিংগী, নুংশিৎকি, নোংগী অমসুং গ্লোবেল ক্লাইমেততা অহোংবা থোকপগী সমস্যশিং সোল্ভ তৌবদা মতেং পাংগনি।










***ঐখোয় উপাম্বীশিং থাসি অমসুং তশেং-তশেংবা ইনভাইরনমেন্ত ওইহনসি।***





# বসন্তপুর কাও সেঙ্কচুয়রি – এন ইন্তিগ্রেতেদ ইফর্ত তুৱার্দস সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ইনিসিয়েতিব

**– অরুন কুমার সিংহ***

*"লৈবাক্না শাবা থাউমৈগুম্বা খুঙ্গংগী প্রদক্তশিং অসি সহরশিংদা 'ফেশন স্তেতমেন্ত' ওইনা শিজিন্নরবদি, মদুনা খুঙ্গংগী লাইরবশিংবু নুংঙাই-য়াইফবা ওইহনবদা মতেং পাংগনি।"*

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

ষনবি অসি বেদিককি মতমদগী হৌরগা ঐখোয়গী শেল-থুমগী অমসুং সমাজগী লন-থুমগী সিম্বোল অমা ওইদুনা লাক্লি। UP দা লৈবা লখিম্পুর খেরি জিলা এদমিনিস্ত্রেসননা ষনবি-ইমুং মনুংগা খুঙ্গংগী ইকোনোমিগী মরক্তা লৈনবা মরিগী হীরম লোইনমক য়েংলম্মি অমসুং থৱা শাবিদ্রবা অমসুং মমা-মপা লৈত্রবা শাশিং অদুগী ফিভম ফগৎহন্নবা তোপ-তোপ্পা প্রোজেক্ত অমা থবক ওইনা পানশিন্নবা দিসিজন অমা লৌরম্মি অমসুং মমৈথংদা মীশিংনা নুংঙাই-য়াইফবা ওইরকপদা মতেং পাংনবা মিৎয়েং অমগা লোয়ননা মীশিংদগী কন্ত্রিব্যুসন লৌখৎলম্মি। স্কিম অসিগী মখাদা, কাও সেঙ্কচুয়রি (গাউ বন্স অশ্রে স্থল) অমা ধারুহেরা ব্লোককি মখাদা বসন্তপুর খুঙ্গংদা মমা-মপা লৈত্রবা শা 210 থম্নবা লিংখৎলম্মি।

লখিম্পুর খেরিগী দিস্ত্রিক্ত কলেক্তর শ্রী শাইলেন্দ্র সিংহগী মতুং ইন্না, প্রোজেক্ত অদুগী পান্দমদি ষনবিগী শাগৈ-নাতৈ অদু সরকারগী মতেংগী মখা পোন্দনবা সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইহন্নবনি। থংনবা এরিয়াশিংদগী লৌমি 100 রোম ষনবিগী লৈফম শেম্বা অসিদা য়াওই অদুগা মসি তৌরগা মখোয় শন্থিদগী শেম্বা হার শিজিন্নবা য়াই অমসুং কেমিকেল ফর্তিলাইজরশিংগী মহুত্তা ইনওর্গানিক ফার্মিংগী ওল্তর্নেতিব অমা খনবা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি।





কাও সেঙ্কচুয়রি অসি দিভেলপ তৌনবা হোৎনখিবশিং অদুগী মহৈ উৎপা হৌরক্লে। সেঙ্কচুয়রি অসিবু তুরিস্ত স্পোত অমা ওইনসু দিভেলপ তৌনবা এক্সর্সাইজ অমা দিপার্তমেন্তনা লৌখৎখ্রে। মসিনা ষনবি থম্ফমশিং মখোয় মশা ঙাকথোকচনবা সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইহনবতা নত্তনা অতোপ্পা ষনবি থম্ফমশিংনা প্রেরনা লৌনবগী হৌরকফম অমা ওইগনি।

ধারুহেরা কাও সেঙ্কচুয়রিবু মোদেল অমা ওইনা দিভেলপ তৌনবা মিৎয়েংগা লোয়ননা, BDO শ্রী অরুন কুমার সিংহনা নোবেম্বর, 2019 দা মফম অদুদা ষনবিশিংগী থক্লবা ঈশিং পীনবা শাবা পুখ্রি মচাদা পিসি কলচরগী স্কিম অমা লোঞ্চ তৌখি। ফিশরিগী স্কিম অসিদগী সেঙ্কচুয়রি অসিনা চহী অমদা হৌজিক লাখ অহুমদগী মরি ফাওবা তাল্লি।



*ব্লোক দিভেলপমেন্ত ওফিসর, ধাউরহ্রা, লখিম্পুর খেরি



কাও সেঙ্কচুয়রি অদুদা পোল্ট্রি অমসু হৌখ্রে। য়েনগী কদকনাথ স্পিসিজ অসি হিদাক ওইনা কান্নবা অদুনা মরম ওইদুনা ময়াম্না য়াম্না তান্নে। ষনবি থম্ফম অদুদা মরুম তাবা খনজিনবা অমা শারগা পোল্ট্রি ফার্ম অমা হৌখ্রে।

চহী চুপ্পা শজিক ফংহন্নবা পান্দম অমগা লোয়নননা নেপিয়র গ্রাস থাবা অদুসু থবক পায়খৎখ্রে। নাপী অসি ষনবি থম্ফমগী চিদাইশিংগী অকোইবদা থাখ্রে।

ষনবি থম্ফম অদু সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইহন্নবা দিপার্তমেন্তনা সাহজান ভাতিকা অমা থাদুনা খোঙথাং অমগা হেন্না লৌখৎখ্রে। পুখ্রিগী একর অমরোমদা থাদুনা, ভাতিকা অসিনা লম অদুগী খুঙ্গংগী মীশিংদা থবক পীগনি অমসুং কাও সেঙ্কচুয়রি অদুসু শেল-থুমগী ওইনা মপাঙ্গল হেন্না কলহনবা ওইহনগনি। CDO অর্বিন্দ সিংহগী ইনিসিয়েতিবতা, ধাউরহেরা BDO অরুন কুমার সিংহনা বসন্তপুর খুঙ্গংদা কাও সেঙ্কচুয়রিদা অতোপ্পা এক্তিবিতি মশিং য়াম্না হৌখ্রে। হুকুম অসিদা, প্লান্তেসনগী তার্গেৎ অমা লেপ্পা মতমদা, সাহজান প্লান্তেসন অদু খন্নবা অমা ওইনা পী। সাহজান পাম্বী অসি হিদাক ওইনা শিজিন্ননবগী ভেল্যুশিং পিক থন্না য়াওই অমসুং অচৌবা কারবারগী পোতেন্সিয়েল অমা লৈ। সাহজান ভাতিকা অসি লম একর অমদা শেমগৎলি মসিগী মথক্তা ষনবি লৈফম অদুদা পুখ্রিগী চিদাইশিং লোমদা সাহজান পাম্বীশিং থারি। সেঙ্কচুয়রি অসিগী শরুক অসি মপুং ফানা মথক কুপ্পি অমসুং পুংশিং চুপ্পগী ওইনা থবক শুবা মীশিংনা শংই। উপাম্বীশিং থাবা হায়বসি থাঙ্গৎশেংনা শাশিংগী য়াম্না কান্নে।

## শন্থি-মপাকশিং শেম-শাবা

ধাউরশারা ব্লোকতা লৈবা সেল্ফ-হেল্প গ্রুপ অনিগী নুপী তরেৎখক কিলো অমদা লুপা 20/- গী মমলদা য়োল্লিবা শন্থি-মপাক শাবদা থবক চিল্লি। মখোয়শিং অসি এমেজোন অমসুং ফ্লিপকার্ত গুম্বা MNC শিংগী মতেংনা কিলো অমদা লুপা 60 দগী লুপা 70/- ফাওবগী মমলদা য়োন্নবগী তুংগী ওইবা স্কিম অমা লৈ। মসি মফম অদুগী নুপীশিংদা কান্নবা পীবা মওংদা থবক শোয়দনা পীগনি।

মসিগী মথক্তা, ষনবি থম্ফম অদুদা চেঙ্গুম লোক্লবগীদমক ত্রেনিং পীরি। কাও সেঙ্কচুয়রি প্রোজেক্ত অসি শেল-থুমগী ওইনা হেন্না ভাইয়েবল ওইহন্নবা পাক-চাওবা থৌরাং অমগা লোয়নননা বীজঅম্রুৎ পুথোকপা, ভর্মি কম্পোস্ত অমসুং অজোলা পুথোকপসু হৌখ্রে।





# আত্ম নির্ভর ওইবা রোমদা: প্রতাপাদিত্যনগর GP গী রিপোর্ত

– দোক্তর আর রামেশ*

*"ঐখোয় দিমান্দনা ইনবা দিভেলপমেন্ত মোদেল অদুদা ইনোৎ পীবা পাম্মি। করি তৌবা তাই, অমসুং করি তৌদবা তাই হায়বদু খুঙ্গংশিংনা হায়হনসি।"*

- নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

## আত্ম নির্ভর অভিয়ানগী রাখল্লোন

**লৈবাক অসিবু কোভিদ ক্রাইসিস অসিগী মপান্দা থোক্লবা গ্রাম পঞ্চায়ত কয়ামরুন্না মখল-মখাগী লম্বীদা হোৎনখ্রে। নোংচুপ বঙ্গালদা প্রতাপাদিত্যনগর GP গী ইনিসিয়েতিব অসি মমিং পনবা মতিক চাই। মসি আত্ম নির্ভর অভিয়ানগী মরমদা অমসুং গ্রাম পঞ্চায়ত অসিদা মসি করম্না থবক ওইনা পানশিল্লি হায়বগী মরমদা শম্লপ্পা রিপোর্ত অমনি।**

**আত্মনির্ভর ভারত অভিয়ান নত্রগা সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ইন্দিয়া** কেম্পেন হায়বসি কোভিদ-19 না প্রজাশিংগী পুন্সিশিং অমসুং মখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈশিংদা – মরু ওইনা কারবার অপিকপা তৌবা, পোৎ মচা-মচা পুথোকচবগী এক্তিবিতি তৌবশিং অসিনচিংবদা শোকহল্লে হায়না কন্না তাক্লকপশিং উৎলকপা মতমদা ভারত সরকারনা লৌখৎখিবা তোপ-তোপ্পা কেম্পেন অমনি। আত্মনির্ভর অভিয়াননা লৈবাক অসি অমসুং মসিগী নাগরিকশিংবু হীরম লোইনমক্তা মীগী মখা পোন্দবা অমসুং সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইনবা, অমসুং লৈবাক অসিবু কোরোনা-ভাইরস ক্রাইসিস অসিদগী পুথোক্লবা পান্দম থম্মি।



*চংদবা য়াদবা পোৎশিং লেম্না য়েন্থোকপা*

কেম্পেন অসি হীরম কয়ামুক্তা তোপ-তোপ্পা ওই মমিং ওইনা হায়রবদা কেম্পেন অসিগী মতম, মসিনা কোভর তৌবা তার্গেৎ গ্রুপ, অমসুং মসিগা লোয়ননা লাকপা রিফোর্মশিং অমসুং ইনেবল তৌহনবশিং। সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইবগী আইদিয়া অসি য়ুম্বী মঙাদা তাক্লি মমিং ওইনা হায়রবদা (ইকোনোমি ফগৎহনবা, ইনফ্রাস্ত্রকচর দিভেলপমেন্ত, সিস্তেমশিং দিভেলপ তৌবা অমসুং রিইনফোর্স তৌবা, ভাইব্রেন্ত দেমোক্রেসি অমসুং দিমান্দ হেনগৎহনবা।

## ফোকস তৌগদবা এরিয়াশিং

অভিয়ান অসিনা পেন্দামিক অসিগী মনুংদা




*কোভিদ থিংনবগী লমচৎ-শাজৎতা এৱয়ারনেস শেন্নবগী রাওন্দশিং*




*খুদোংথিবা নংনিংঙাই ওইবা লাইরবা ইমুংশিংদা হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দশিং য়েন্থোক্লম্মি*

***এসোসিয়েত প্রোফেসর, CRI, NIRDPR, হৈদ্রাবাদ – 30 (মিস্তর সুভ্রা, পঞ্চায়ত সেক্রেতরি, প্রতাপাদিত্যনগরদগী লৌবা ই-পাওগা লোয়ননা)**



খুৎশুমন মাংখিবনা মরম ওইদুনা চরা হেনবগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনবদা ফোকস তৌই। অসুম তৌনা, মসিনা গেহু, হৱাইশিং, অমসুং গ্যাস সিলিন্দর অসিনচিংবা পীখি। নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্ত (NFSA) গী মতুং ইন্না, মাইগ্রেন্ত ৱার্করশিং মখোয়না লৈনিংবা মফমদা মহৈ-মরোংশিং, চনা দালগুম্বা হৱাইশিং মসিগুম্বা চংদবা য়াদবা পোৎশিং ফংবগী ইলিজিবল ওই। রাজ্য সরকারনা কোভিদনা মরম ওইদুনা লোক অপ তৌদুনা লৈরবা মাইগ্রেন্ত ৱার্করশিংদা মসিগী কান্নবশিং অসি য়েন্থোক্কদবনি। মদুদা তিংবা খরচ অদু ভারত সরকারনা মপুং ফানা পুগনি। কোভিদ পেন্দামিক অসিনা রেসন কার্দশিংবু নেসনেল পোর্তেবিলিতি ওইহনবা অসি য়াম্না থুনা তৌবা দরকার ওইহল্লে।

য়ুমদা হল্লকপা মাইগ্রেন্ত ৱার্করশিংবু থবক পীনবা MGNREGS ফন্দশিংগী এলোকেসনসু হেনগৎহল্লে। মখোয়বু ক্বারন্তাইন তৌদুনা থম্লিবা স্কুলশিং অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্তরশিং রিনোবেসন তৌবদা মখোয়বু য়াওহনগদবনি। MGNREGS ৱার্করশিংগী খুৎশুমনশিং নোংমদা লুপা 182/- এভরেজদা ওইরম্বদগী 202 দা হেনগৎলে। MGREGS রিপোর্তশিংনা লেবর এনরোলমেন্তদা 40–50% হেনগৎপা উৎলি।

রাজ্য সরকারনা, ভারত সরকারদগী লৌবা অয়াবা অমদা য়ুম্ফম ওইরগা, মাইগ্রেন্তশিংগী লৈফম লিংখৎনবা দিজাস্তর রেস্পোন্স ফন্দ (DRF) শিজিন্নরম্মি অমসুং মখোয়বু চানবা চিঞ্জাক অমসুং ঈশিং পীরম্মি। কেন্দ্র সরকারনসু স্তেত DRF ওগমেন্ত তৌনবা রাজ্যশিং লোইনমক্তা অহেনবা এলোকেসন পীরম্মি। মসিগী DRF অসি শিজিন্নদুনা রাজ্যশিংনা লোকদাওন মনুংদা অর্বান হোমলেসকিদমক সেল্তরশিং অসিদা লৈবা মীশিংবু নোংমদা চারা অহুম পীখ্রে।

লাইলিহূদ দাইভরসিফিকেসন এক্তিবিতিশিং তৌবা, অমসুং কোরোনা ভাইরস লান্থেংনবদা মতেং পাংবা মাস্কশিং নত্রগা খুৎকি সেনিতাইজরশিং গুম্বা প্রদক্তশিং শানবা বেঙ্ক লোনশিং লৌবদা SHG শিংনা বেঙ্কতগী শেল লাইনা পূবা ফংই।

## ভাইরস অদু কন্তেন্দ তৌনবা প্রতাপাদিত্যনগর GP না লৌখৎখিবা ইনিসিয়েতিবশিং

প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়ত, সুন্দরবন দেল্তাগী শরুক অমা ওইরিবা, অসি নোংচুপ বঙ্গালগী সাওথ 24 পরগনাস জিলাগী মখাদা লৈবা কাকদ্বিপ দিভেলপমেন্ত ব্লোককি খ্বাইদগী চাওবা অমসুং মী খ্বাইদগী য়াম্না তাবা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী মরক্তা অমনি। মসি মী কুংনা তাবা অমসুং মীশিং য়াম্না লৈবা এরিয়া অমনি। মসিগী গ্রাম সনসদ 21 অমসুং হেমলেৎ 28 লৈ। য়ুমথোংগী ইকোনোমি অদু লৌউ-শিংউবা, ঙা ফাবা, অমসুং শিনফমশিং অসিগা মরি লৈনবা থবকশিংগী মখা পোল্লি।

## কোভিদ কন্তেন্দ তৌনবা মীতিং থৌরাং তৌবা

সেতলমেন্তগী মওং অদু মী কুংনা তাবা ওইবনিনা, দেদলি আওৎব্রেক অমা ওইরক্রিঙৈ মমাংদা ভাইরস অসি য়ারিবমখৈ ইফেক্তিব ওইনা কন্তেন্দ তৌহৌগদবনি হায়বা ফেক্ত অসি গ্রাম পঞ্চায়ত অদুনা খঙজিনবা য়াই। ওফিস পায়বা মীশিং/ৱার্দ মেম্বরশিং লোইনমক অমসুং মচিন তোংবা SHG মেম্বরশিংগী ইমর্জেন্সি মীতিং অমা কৌরম্মি। ব্রেন স্তোর্মিং সেসন অমা তৌরম্মি। মেম্বরশিং লোইনমক্না করম্না ভাইরস অদু কন্তেন্দ তৌগনি হায়বা তোঙান-তোঙানবা সোর্সশিংদগী মখোয়না খোমজিনখিবা জ্ঞান অদু শরুক য়ামিন্নরম্মি। লোকেল হেল্থ দিপার্তমেন্তনা ফংহনবা প্রোতোকোল অদুসু রিফর তৌরম্মি। মার্চ 2019 দগী কোরোনা ভাইরস আওৎব্রেক অদু কন্তেন্দ তৌনবগীদমক প্রোএক্তিব ইনিসিয়েতিবশিং পরেং অমা লিস্ত তৌরম্মি অমসুং থবক ওইনা পাংথোক্লম্মি।

## জেনেরেত তৌবা অমসুং থবক ওইনা পাংথোকপা আইদিয়াশিং

আইদিয়াশিং অদুদা য়াওই: (i) এৱয়ারনেস জেনেরেত তৌবা; (ii) ইন-মাইগ্রেন্তশিংগী ক্বারন্তাইন ফেসিলিতি শিল-লাংবা; (iii) থবক্তগী লৌথোকখিবা/



*বেকয়ার্দ পোল্ট্রিবু ওল্তরনেতিব লাইলিহূদ ওইনা প্রোমোত তৌরম্মি*




*বেকয়ার্দ পোল্ট্রিগীদমক য়েন য়েন্থোকপা - SHG গী এক্তিবিতি*

থবক শুদনা অমসুং ইনকম লৈতনা লৈবা মীশিংগীদমক ফুদ সেক্যুরিতি–OSR ফন্দশিং শিজিন্নদুনা লেম্না য়েন্থোক্লম্মি; (iv) অতোপ্পা হিংনবগী পাম্বৈশিং অমসুং হিংনবগী পাম্বৈ দাইবরসিফিকেসন তৌনবা শিল-লাংবশিং; (v) MGNREGS পাক-শন্না শিজিন্নবা; (vi) হেল্থ এৱয়ারনেস, মাস্কশিং য়েন্থোকপা অমসুং রেসনগী দুকানশিং অমসুং অতোপ্পা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা সোসিয়েল দিস্তেন্সিংগী পাম্বৈশিং লৌখৎপা; (vii) মার্কেত কম্মিতিশিং অমসুং দুকান্দরশিংদা দুকান হাংবগী মতমদা অথিংবা লৈবশিং, অমসুং কস্তমরশিং হেন্দল তৌবদা ইনগদবা প্রোতোকোলশিংগী মতাংদা নোতিশ সর্ব তৌখ্রে; (viii) ইনফেক্ত তৌরে হায়না চিংনবা/এসিমতোমেতিক কেসনি হায়না রিপোর্ত তৌরবা মীশিংবু আইসোলেত তৌবা; (ix) মীয়াম্না উগদবা মফমশিংদা দুজ অমসুং দোন্তসশিংগী পোস্তর থম্বা; (x) লোকেল রেসিদেন্তশিং/তেম্পল কম্মিত্তিশিংনা মতম থাবা সিরেমোনিশিং লোইনমক য়ৈথোক্লবা নোতিশ সর্ব তৌবা; (xi) মতমদা অথিংবা থম্বা, তোঙানবা সনসদশিংদগী লাকপা য়ুমথোংশিংগীদমক রেসন দুকানশিংদা নোংমা ওন্ন-ওন্ননা লাক্লবা তৌবা, অমসুং সোসিয়েল দিস্তেন্সিং অসিনচিংবা ইল্লবা ফাওবদা লাইনদা লেপ্পা মী মশিংদা অকক্লবা থম্বা (xii) খুদোংথিবা নংনিংঙাই ওইবা লাইরবা ইমুংশিংদা স্বাস্থ্য সাথি হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দ ইশু তৌখ্রে; (xiii) খুঙ্গং লূ-নান্নবগী কেম্পেন;(xiv) MGNREGS শিজিন্নদুনা সড়ক নাকলদা অশং-অমান দিভেলপ তৌবা অমসুং উ থাবা; (xv) গ্রাম পঞ্চায়তনসু প্রাইমারি হেল্থ চেক-অপ কেম্পশিং শিল লাংখ্রে ত্রানজিৎ পোইন্ত অনিদা – অমনা রেলৱে স্তেসনদা অমসুং অতোপ্পা অদুনা লোকেল বস স্তেনদা, মাইগ্রেন্ত লেবরশিংগীদমক।

লোকদাওনগী মতমদা, গ্রাম পঞ্চায়তনা কম্যুনিতিগী চাকখুম শিল-লাংখি অমসুং পীক পেরিয়দকি মতম – এপ্রিল ময়ায় 2020 দগী হৌরগা থা অনি য়ৌনিংচিৎ লাইরবা মী 300 – 350 দা নুমিৎ খুদিংগী অথোংবা চানবা চিঞ্জাক পীখি। মদুদা তিংবা খরচ অদু গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী ওন রিসোর্স রেভিন্যু (OSR) দগী তিংখিবনি হায়বসি মফম অসিদা পনগদবনি।

## ওল্তরনেতিব লাইবলিহূদস ইনিসিয়েতিবস

হিংনবগী এক্তিবিতিশিং দাইভর্সিফাই তৌনবা MGNREGS বু য়াম্না ফজনা শিজিন্নখি। GP অসিগী ওন রিসোর্স রেভিন্যু (OSR) অদু ফিভম ফনা লৈবনসু প্রতাপঅদিত্যনা য়ুমথোংশিংবু শেল-থুমগী কনস্ত্রেন্তশিংনা অথিংবা পীদনা অতোপ্পা মওংগী লাইবলিহূদ ভেঞ্চর অমা হেক্তা লৌখৎনবগী পুক্নিং থৌগৎপদা নুংঙাইবা ওইহল্লি। লাইবলিহূদ দাইভর্সিফিকেসন/মল্তিপ্লিকেসন গীদমক গ্রাম স্বায়ন্তর য়োজনা গুম্বা নোংচুপ বঙ্গাল সরকারগী প্রোগ্রামশিংগী মরক্তা খরা লোকদাওনগী মতমদা মী ময়াম্না পাম্নখি। মসিগুম্বা ইনিসিয়েতিবশিংদা য়াওই: হামেং লোইবা, চেঙ্গুম লোকপা, য়েন-ঙানু লোইবা, লফোইগী ওরচার্দ দিভেলপ তৌবা, নর্সরি লিংখৎপা, বাইও–ফ্লোক ফিশ ফার্মিং অচিনচিংবা। মখোয়শিং অসি মাস্ক শাবা অমসুং হেন্দ সেনিতাইজর শাবা অসিনচিংবা থবকশিং অসিগী মথক্তা লাকখিবনি।

## লোকদাওন মনুংদা লৌখৎপা হিংনবগী পাম্বৈশিং য়োকখৎনবগী এক্তিবিতিশিং – অকুপ্পা ৱারোল ওইনা

- মাইগ্রেন্ত লেবরর 640 খক তোঙান-তোঙানবা মখলগী MGNREGS থবকশিং তৌরি খুদম ওইনা লৌবুক্কি পুখ্রিশিং তৌবা, ইরিগেসন কনাল তৌবা, তুরেলগী বাওন্দরি কনখৎহনবা অসিনচিংবা অমসুং মসিনা থবক তৌনবগী 64000 মেনদেজ পীখ্রে।
- লাইরবা ইমুং 314 দা অনৌবা জোব-কার্দ পীরে অমসুং মখোয়বু MGNREGS গী মখাদা থবক পীরে
- SHG মেম্বর 600 – লোইনমক নুপী – বু য়েন লোইনবা শেদ, হামেং লোইনবা শেদ পীরে য়েন মচাশিং, অমসুং হামেং মচাশিংগা লোয়ননা।



*য়েন লোইনবা-শেদ শাগৎলিবা - SHG গী মতেং*

শেদ অদু MGNREGS শিজিন্নদুনা শাবনি, অমসুং য়েন মচাশিং অমসুং হামেং মচাশিং লৈবদা তিংবা খরচ অদু SHG লোনশিংদগী তৌবা য়াই, অমসুং দরকার ওইবা মফমদা ওস্তরনেত লাইবলিহূদশিং জেনেরেত তৌনবা GP OSR শিজিন্নখি।

- মার্জিনেলাইজ তৌরবা লৌমি 47 খক্তা বিতল-ভাইন (ক্লা) লোক্লবা চংদবা য়াদবা ইনফ্রাস্ত্রকচর পীরম্মি। মসিগী স্ত্রকচর অমমমদা লুপা লাখ 1.6 তিংই, অদুনা মদুগী শরুক খরা MGNREGS গী মখাদা পী।
- কনাঅমত্তা লৈজদ্রবা অহল ওইরবা মীওই 55 (নুপা 21 অমসুং নুপী 34) দা GP গী OSR দগী মখোয়গী বেঙ্ক একাওন্ততা থাগী পেন্সন (থা অমদা লুপা 1000) পীখি।
- লম অদুগী লৌমিশিংবু গ্রাম পঞ্চায়তনা চলায়বা SLWM প্রোজেক্তগী ভর্মি-কম্পোস্ত হার অদু মমল লেম্না পীরম্মি। লৌমি 700 রোম এক্তিবিতি অসিনা কান্নহল্লম্মি।
- MGNREGS গী মখাদা কিলোমিতর 5.5 গী সড়ক নাকলদা উ থাবা চত্থরম্মি অমসুং নুপী 220 খকপু চারশিং অদু য়েংশিনবগীদমক বৃক্ষ পত্তা পীরম্মি। মসি কোভিদ পেন্দামিক কন্তেন্দ তৌরবা মতুংদা ফাওবা চত্থগনি।
- মশক খঙদোক্লবা মচি য়াওবা চিঞ্জাক চাবা ফংজদ্রবা অঙাং 64 বু মখোয় মচি য়াওবা চিঞ্জাক চাদুনা ফজনা চাওনবা GP অদুগী OSR দগী মচি য়াওবা সপ্লিমেন্তরি ফুদ পেকেজ চাং নাইনা পী।



*নহারোল থবক পীনবা ফিশ কলচর*




*হিংনবা পাম্বৈশিং ওইনা নর্সরি লিংখৎপা*

- মাইগ্রেন্ত লেবরর নেক্তুনা ফার্ম পোন্দ 85 তৌথোক্লে অমসুং মসিনা MGNREGS গী মখাদা মে দেজ 17000 য়ৌনিংচিৎ জেনেরেত তৌরে।
- লোকদাওনগী মতম অসিগী মনুংদা লম অদুগী নহারোল 60 বু মনা-মশিং পুথোক-পুশিন তৌবা ওইনা নেক্লে, মখোয়না থোঙগাল অমদগী থোঙ্গাল অমদা চংদবা য়াদবা পোৎশিং পীরে।
- থবক তৌদবা নহারোল 10 বু হিংনবগী পাম্বৈ জেনেরেত তৌবা ওইনা GP OSR দগী বাইও-ফ্লোক ফিশ ফার্মিং য়ুনিৎ পীরম্মি।
- মার্জিনেলাইজ তৌরবা ইমুং 150 বু তিশু কলচর বনানা ওরচার্দ গার্দেন পীরম্মি, মদুগী খরচ অদু MGNREGS দগী শরুক খরা অমসুং OSR দগী



*লূ-নালহনবা অমসুং সড়ক নাকলদা উ থাবা*

শরুক খরনা তৌরম্মি।

- ইমুং 3000 খকপু ফ্রী হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম স্বস্থা সাথিগী মখাদা কোভর তৌরম্মি;
- প্রতাপাদিত্যনগর GP না পেন্দামিক কন্তেন্দ তৌনবা রাজ্য সরকারনা হোৎনবা অদু সপোর্ত তৌবা ওইনা স্তেত গোবর্নমেন্ত রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ 1.5 গী দোনেসন অমা তৌরম্মি।

মায় পাকপগী ৱারি

# ওন সোর্স রেভিন্যু মোবিলাইজ তৌবা – প্রতাপঅদিত্য নাগর GP গী মায় পাকপগী ৱারি অমা

**– দোক্তর অনজন কুমার ভাঞ্জা***

প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়ত, সুন্দরবন দেল্তাগী শরুক অমা ওইরিবা, অসি মীশিং 32932 লৈবা কাকদ্বিপ সব-দিবিজনগী মখাদা লৈবা কাকদ্বিপ দিভেলপমেন্ত ব্লোককি খ্বাইদগী চাওবা অমসুং মী খ্বাইদগী য়াম্না তাবা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী মরক্তা অমনি। মসি 43.35 সক্বার কিলোমিতর এরিয়া কোনবা সেমি-অর্বান গ্রাম পঞ্চায়ত অমনি, মসিদা গ্রাম সনসদ 21 অমসুং হেমলেৎ 28 লৈ। কালনাগিনি তুরেলনা গ্রাম পঞ্চায়ত অসিবু মায়কৈ অহুমদা কোইশিল্লি। মসিদা য়ুমথোং 7139 লৈ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়তকি এরিয়া অসিদা মী 32932 না শান্তি ওইনা লৈ। এরিয়া অসিগী মরু ওইবা হিংনবগী পান্থৈশিংদি লৌউ-শিংউবা অমসুং ঙা ফাবনি। ইনফিল্ত্রেসনগী সমস্য লৈরবা ফাওবা, তোঙান-তোঙানবা কলচরগী গ্রুপশিংনা চপ মান্নবা জিলাগী অতোপ্পা গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা তাংনা উবা তোপ-তোপ্পা কলচরগী লোয়ননা সমাজগী ওইবা হার্মোনি অমা শেমখ্রে।


মী কুংনা তাবা গ্রাম পঞ্চায়ত অমা ওইবনিনা, মদুগী খুঙ্গংগী মীশিংদা চংদবা য়াদবা এমেনিতিশিং পীবদা খুদোংথিবা ওইরকই। মদুগীসু মথক্তা গ্রাম পঞ্চায়ত অদুনা থোক্লক্কনি থাজদবা সমস্যশিং রিজোল্ভ তৌবা তাবনি খুদম ওইনা ত্যুব-ৱেল খঙহৌদনা কায়বা শেমজিনবা, পৈদুনা লৈবা ফত্ত-হৌদি শেংদোকপা, মহৌশানা থোকহনবা মাং-তাকপগী মতুংদা শেমজিনবগী থবক অসিনচিংবা। মরম অদুনা, গ্রাম পঞ্চায়তকি এদমিনিস্ত্রেসনমা মখোয়গী ওন রিসোর্স রেভিন্যু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা লেপখ্রে।

প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়তনা ৱেস্ত বেঙ্গোল পঞ্চায়ত এক্তকি সেক্সন 46 তা য়ুম্ফম ওইরগা লোকেল রেসিদেন্তশিংদগী লমগী অমসুং য়ুম শাবগী তেক্স খোমজিনখ্রে। গ্রাম পঞ্চায়ত অসিনা বাই-লোশিং (ৱেস্ত বেঙ্গোল পঞ্চায়ত এক্তকি সেক্সন 46) শেম শাদুনা গাড়িশিং রেজিস্তর তৌবগী, চলায়রিবা লল্লোন-ইতিক রেজিস্তর তৌবগী, সেনিতেসন অমসুং ৱেস্ত মেনেজমেন্ত, এদভর্তিজমেন্ত উহনবা অসিনচিংবগী ফীশিং, য়ুজর চার্জশিং অসিনচিংবসু লৌই। ৱেস্ত বেঙ্গোল গ্রাম পঞ্চায়ত এক্তকি মতুং ইন্না, OSR খোমজিন্নবগী গ্রাম পঞ্চায়ত অমমমদা ফংবা প্রোবিজন অনিখক্তং লৈ, অমনা তেক্সেবল রেভিন্যু ওইবা লেন্দ অমসুং বিল্দিং তেক্স অমসুং অতোপ্পা অদুনা নোন-তেক্স। লেন্দ অমসুং হাওস তেক্স লৌনবা গ্রাম পঞ্চায়তকি এদমিনিস্ত্রেসননা অনৌবা এসেসমেন্ত অমা শেমখ্রে। গ্রাম পঞ্চায়তনা শেলগী রিসিপ্ত ইশু তৌদুনা তেক্স অমসুং



নোন-তেক্স অনিমক খোমজিনবা কম্মিশনদা য়ুম্ফম ওইবা কলেক্তিং সরকারশিং নেক্লম্মি। এরিয়র তেক্স খোমজিনবা শোয়হন্দনবা, চহী খুদিংগী গ্রাম পঞ্চায়তনা গ্রাম সনসদ সভা (ৱার্দ মীতিং) অমসুং গ্রাম সভাদা দিফাওল্তরশিংগী লিস্ত ফোংই। মসিগীসু মথক্তা, এরিয়র তেক্স কলেক্সন কেম্পশিং গ্রাম সনসদ (ৱার্দ) অমমমদা কেম্প মোদতা শিল-লাংই। মদুগী মরম্না 95% দগী হেন্না তেক্স খোমজিল্লম্মি। মখা তানা নোন-তেক্স খোমজিন্নবা, গ্রাম পঞ্চায়তনা বাই-লো অমা দ্রাফ্ট তৌখ্রে অদুগা মদু গ্রাম সভানা অয়াবা পীখ্রে। হৌজিক গ্রাম পঞ্চায়তনা বাই-লো অদু ইন্দুনা নোন-তেক্স রেভিন্যু খোমজিল্লি। নোন-তেক্স রেভিন্যুগী হৌরকফমশিংদি চলায়রিবা লল্লোন-ইতিক রেজিস্তর তৌবা, বিল্দিং প্লান অয়াবা লৌবা, নোন মোতোরাইজ পব্লিক ভেহিকল রেজিস্তর তৌবা, মোবাইল তৱার ইনস্তোল তৌনবগী অয়াবা লৌবা, ফত্ত-হৌদি অমাং-অতা য়াওদনা লংথোকপা, হোর্দিংশিং, বেনরশিং উহনবা অসিনচিংবানি। হৌখিবা চহীদা গ্রাম পঞ্চায়তনা কম্যুনিতি তোইলেত 10 শাখি অমসুং কম্যুনিতি তোইলেতশিং অদু শিজিন্নবগীদমক নোন-তেক্স খোমগৎনবগী প্রোবিজন অমসু বাই-লোদা থম্লে। গ্রাম পঞ্চায়তনা ফিশরিশিং, মার্কেত কমপ্লেক্স, দিজিতেল দিসপ্লে বোর্দ অসিনচিংবা গুম্বা রিমুনরেতিব এসেতশিং শেমখ্রে অমসুং চহী খুদিংগী এসেতশিং অসি লীজদা পীরে। গ্রাম পঞ্চায়তনা মীশিংবু মখোয়না গ্রাম পঞ্চায়ততগী করিগুম্বা সার্ভিস অমা লৌনবা লাকপা মতমদা মখোয় অপতুদেত তেক্স রিসিপ্ত পুরকপগী হৈনবি শেমহল্লে। অমসুং মখোয়শিং অসিনা মরম ওইদুনা, OSR কলেক্সনগী মতাংদা কম্প্রেহেনসিব ওইবা অপৱার্দ গ্রোথ অমা হৌখিবা চহী খরা অসিদা উবা ফংখ্রে। FY 2017-18 দা, OSR কলেক্সন অদু 8232388.00 ওইরম্মি, 2018-

*এসোসিয়েত প্রোফেসর, সেন্তর ফোর পঞ্চায়তি রাজ, দিসেন্ত্রেলাইজ প্লান্নিং এন্দ সোসিয়েল সার্ভিস দেলিভরি (CPRDP&SSD) NIRDPR, রাজেন্দ্রনগর, TS – 500030




19 দা মদু 10055565.00 ওইরম্মি অমসুং FY 2019-20 দা, মদু 11260938.00 ওইরম্মি।

মখাগীশিং অসি 2018-19 গী ওন রিসোর্স রেভিন্যু (OSR) কলেক্সন অমসুং য়ুতিলাইজেসনগী অকুপ্পা ৱারোলশিংনি:

## 2018-19 গী ওন রিসোর্স রেভিন্যু (OSR) কলেক্সন অমসুং য়ুতিলাইজেসন:

| রেভিন্যু হৌরকফম | খোমজিনবা এমাওন্ত | চাদিংগী হেদ | চাদিংগী এমাওন্ত |
|---|---|---|---|
| লেন্দ অমসুং বিল্দিং তেক্স | 1215953.00 | ত্যুব ৱেলশিং শেমজিনবা | 591637.00 |
| য়ুম/বিল্দিং শাগৎনবগী পর্মিশন | 398738.00 | সেনিতেসন অমসুং লু নানবা | 98391.00 |
| কারবার রেজিস্তর তৌবগী ফী | 655395.00 | লাইরবা, নামা শোয়রবা, লুখ্রাবিদা পেন্সন পীবা | 641500.00 |
| পার্মানেন্ত এসেতশিং লীজ তৌবা | 765200.00 | কাং/ভেক্তরনা থোকহনবা লাইনাশিং থিংনবা প্রোগ্রাম | 155295.00 |
| মোবাইল তৱারশীং ইনস্তোল তৌনবগী পর্মিশন পীবগী ফী | 1492500.00 | ৱেস্ত মেনেজমেন্ত প্রোগ্রাম | 4716745.00 |
| গাড়িশিংগী রেজিস্ত্রেসন | 37670.00 | এসেৎশিং মেন্তেন তৌবা | 419390.00 |
| লোকেল মেলাদা স্তোলশিং এলোকেত তৌবদগী ফংবা ইনকম | 247000.00 | ব্লদ দোনেসন কেম্প | 249261.00 |
| হোর্দিং, এদভর্তিজমেন্তগী ফী | 71000.00 | সোসিয়ল ফোরেস্ত্রি | 76735.00 |
| ৱেস্ত মেনেজমেন্ত ফী | 1808257.00 | স্ত্রীৎ লাইতশিং শেমজিনবা | 332606.00 |
| নোন-বাইও দিগ্রেদেবল ৱেস্ত অমসুং হার | 198607.00 | স্কুলদা শান্ন-খোৎনবা পাংথোকপা | 260510.00 |
| পোকপগী অমসুং শিবগী সার্তিফিকেৎ থেংনা ইশু তৌবগী ফী | 1453.00 | সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং ত্রেনিং তৌবা | 43900.00 |
| মখল-মখাগী ফোর্মশিং য়োনবা | 68700.00 | মেলনুরিস্তমেন্ত হন্থনবা প্রোগ্রাম | 59274.00 |
| কুইরবা মেছিনরিশিং য়োনবা | 12000.00 | মখল-মখাগী মীতিংশিং পাংথোকপা | 340156.00 |
| দিভেলপমেন্তকি থবক তৌনবা দান তৌবশিং | 3011871.00 | এৱয়ারনেস কেম্পেনশিং অমসুং এদভর্তিজমেন্তশিং | 231976.00 |
| মিসেলিনিয়স দিপোজিৎশিং | 71221.00 | তেক্স-কলেক্তরশিংগী কম্মিশন | 298434.00 |






| রেভিন্যু হৌরকফম | খোমজিনবা এমাওন্ত | চাদিংগী হেদ | চাদিংগী এমাওন্ত |
|---|---|---|---|
| অপুনবা রেভিন্যু | 10055565.00 | হোস্পিতালিতি | 76665.00 |
| | | ওফিস খরচশিং | 897380.50 |
| | | অপুনবা খরচশিং | 9642052.50 |
| লুপা ক্রোর অমা লিশিং য়াঙখৈমঙা চামঙা হুম্ফুমঙা খক্তং | | লুপা লাখ মরিফুতরা তরুক লিশিং তরা নিথোই অমসুং য়াঙখৈনিথোই অমসুং পৈসা য়াঙখৈ খক্তং | |

## লেন্দ অমসুং বিল্দিং তেক্স

2018-19 মনুংদা লেন্দ অমসুং বিল্দিং তেক্সকি অপুনবা এসেসমেন্ত ভেল্যু (দিমান্দ) অদু লুপা 15.66 নি মদুগী মনুংদা লুপা লাখ 12.16 (78%) খক লৌখৎপা ঙম্লম্মি। লেন্দ অমসুং বিল্দিং তেক্স খোমগৎনবা তেক্স কলেক্সন কেম্প কয়ামরুম চহী চুপ্পা শিল-লাংলম্মি।

## কারবার তৌনবগী রেজিস্তর তৌবগী ফী

2018-19 মনুংদা, লুপা লাখ 6.55 (94%) কি অপুনবা ফী অমা কারবার তৌনবগী রেজিস্তর তৌবদগী খোমগৎলম্মি মদুগী অপুনবা এসেসমেন্তনা লুপা লাখ 6.94 নি। রেজিস্তর তৌবগী ফী খোমগৎপদা হেনগৎলিবা অদু বিজনেস ফ্রেন্দলি সার্ভিসশিং ময়াম অমা পীবদগী ওইরিবনি।

## পার্মানেন্ত এসেতশিংদগী ইনকম

গ্রাম পঞ্চায়ত অদুগী পল্লিত তোইলেত 2 অমসুং ফিশরি 7 লৈরম্মি। মখোয়শিং অসি চহী খুদিংগী লীজদা পীথোকই। এসেতশিং অসিদগী গ্রাম পঞ্চায়তনা 2018-19 মনুংদা লুপা লাখ 7.65 তাল্লম্মি।

## ৱেস্ত মেনেজমেন্ত

2018-19 মনুংদা, গ্রাম পঞ্চায়ত অদুনা নোন-বাইও দিগ্রেদেবল ৱেস্ত য়োনবদগী লুপা লাখ 1.98 তানখি। অতোপ্পা অমরোমদা, ৱেস্ত কলেক্সন অমসুং মেনেজমেন্তগী থাগী ফী ওইনা লোকেল রেসিদেন্তশিংদগী লুপা লাখ 18.08 খোমগৎখি। মদুনা ৱেস্ত মেনেজমেন্ত এক্তিবিতিশিংবু সস্তেনেবল অমসুং সেল্ফ-রিলাইয়েন্ত ওইহল্লে।

## ওন রিসোর্স রেভিন্যু (OSR) শিজিন্নবা

OSR অসিগীদগী, প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়তনা তোপ-তোপ্পা অমসুং থাগৎনিংঙাই ওইবা ইনিসিয়েতিব খরা তৌদুনা লাক্লি। মফম খুদিংমক্তা মওং লোইনমক্কি লাইরবা লৈবা লোইহন্নবা অমসুং হকচাং ফনা লৈনবা অমসুং চহী কয়া শুবগী মখা পোন্দনা লোইনমক্কি নুংঙাই-য়াইফবা প্রোমোত তৌনবা, GP না মার্জিনেলাইজ তৌরবা নোন-BPL অহল 64, নুপী লৈখিদ্রবা পাখ্রা অমসুং হকচাং নামা শোয়রবা মীওই খুদিংমকপু লুপা 1000/- গী থাগী পেন্সন পীদুনা লাক্লি। অমুক হন্না, লাইরবা SHG মেম্বরশিংদা লাইবলিহূদ ওপোর্চুনিতিশিং পীনবগীদমক, গ্রাম পঞ্চায়তনা OSR দগী য়েন-ঙানু লোইনবা, হামেং লোইনবা, বাইও ফ্লোক ফিশ ফার্মিং তৌনবা য়ুনিৎ পীখ্রে।

## ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ত

GP গী এরিয়া অসিদা SHG 388 লৈ। মসিগী নুপীগী SHG শিং অসি শক্তি পীনবা, GP অদুনা SHG শিং অদুগীদমক খাও শাবগী, ব্যুতিসিয়ানগী, সিৱিং ত্রেনিংগী, সোফ্ট তোয় ক্রাফ্টিং, চেগী খাও শাবগী অসিনচিংবা তোঙান-তোঙানবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং শিল-লাংই। মথক্তা পল্লিবা ত্রেনিংশিং পীবগী খরচ অদু OSR ফন্দশিংদগী তিংই। গ্রুপশিং অসিগী মখোয়গী প্রদক্তশিং য়োন্নবগীদমক স্তোলশিংসু শিল-লাংখ্রে।

লাইলিহূদশিং শেম্নবা অমসুং হৌজিক লৈরিবশিং অদুবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা গ্রাম পঞ্চায়তনা স্কিল দিভেলপমেন্ত ত্রেনিং ময়াম অমা হৌদোকখ্রে। সব-পোস্ত ওফিস অমা কিন্থগদৌরবা বিল্দিং অমদা মতম খরগী ওইনা চলায়রি, মরম অদুনা মীশিংনা সমস্য য়াম্না থেংনবা তাখি। দরকার ওইবা অদু খঙলদুনা, গ্রাম পঞ্চায়তনা ওন রিসোর্স রেভিন্যুদগী সব-পোস্ত ওফিস অমা ওইনবগীদমক বিল্দিং অমা শাখ্রে।






## সেনিতেসনগা মরি লৈনবা ইনিসিয়েতিবশিং

হাইজিনিক ওইদবা মেন্সত্রুয়েসন অমসুং সেফ ওইদবা মওংদা নেপকিনশিং লংথোকপা অসি খুঙ্গংগী লমশিংদা তোয়না থেংনবা সমস্যশিংনি। মদুগীসু মথক্তা মেন্সত্রুয়েসনগী মরমদা চহী কয়াদগী লৈরক্লবা অন্ধবিশ্বাস কয়া অমা লৈ। সমস্য অসি থেংননবা, অঙাংশিং, ওঝাশিং অমসুং গার্দিয়ানশিং শরুক য়াহন্দুনা IEC এক্তিবিতি অমা ওইনা ৱার্কশোপশিং ময়াম মথং মথং স্কুলশিংদা শিল-লাংখি। অদুদগী গ্রাম পঞ্চায়তনা এরিয়া অদুগী হাই স্কুল 5 লোইনমক্তা সেনিতরি নেপকিন ভেন্দিং মেছিনশিং অমসুং অমসুং ইন্সিনেরতরশিং ইনস্তোল তৌখি। চহী খুদিংগী গ্রাম পঞ্চায়তনা ভোলন্তরি ব্লদ দোনেসন কেম্প, ফ্রী হেল্থ চেক অপ কেম্পশিং, মচি ওইবা চিঞাক ৱাৎনা চাবা অঙাংশিং মশক খঙদোক্লবা স্ক্রীনিং কেম্পশিং পাংথোকই অমসুং ইনিসিয়েতিবশিং লোইনমক অসি OSR দগী থবক পাংথোকই।

OSR গা অতোপ্পা ফন্দশিংগা পুনশিন্নবা অসি প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়তকি ইথিল পীনিংঙাই ওইবা হীরমশিংগী মনুংদা অমনি। সরকারগী ফন্দশিংদগী করিগুম্বা দিভেলপমেন্তকি থবক অমা পাংথোকপা মতমদা ক্রিতিকেল গেপশিং লোইনমক অদু OSR দগী অৱাৎপা মেনশিল্লি। 2016 দা, গ্রাম পঞ্চায়ত অসিনা সোলিদ অমসুং ৱেস্ত মেনেজমেন্ত প্রোজেক্ত অমা লিংখৎখি অমসুং ঙসি ফাওবদা লাখ 50 রোমগী প্লান্ত অদুদা তিংখিবা খরচ অদু OSR দগী তৌখি। মখা তানা, হৌখিবা চহীদা মার্জিনেলাইজ তৌরবা লৌমিশিংগীদমক ফার্ম পোন্দ 53 খক MGNREGS স্কিমগী মখাদা তৌরম্মি অমসুং ফিশলিংশিং (ঙা মচাশিং) বেনেফিসিয়রিশিং অদুদা OSR ফন্দদগী পীখি। অমুক্তসু অঙাংশিংগী হেলদি মেন্তেল অমসুং ফিজিকেল গ্রোথ লৈহন্নবগীদমক, গ্রাম পঞ্চায়তনা OSR, 14শুবা ফাইনান্স ফন্দ অমসুং MGNREGS পুনশিন্নরগা চিলদ্রেন্স পার্ক অমা শাখ্রে। হন্দক্তা প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়তনা ওর্গানিক ফার্মিং তৌনবা পুক্নিং থৌগৎতুনা এগ্রিকলচরেল পোলুসন হন্থহন্নবা লেপখ্রে। অহানবা স্তেজদা, পঞ্চায়তনা প্রোজেক্ত অদু গ্রাম সনসদ (ৱার্দ) 2 দা হৌখ্রে। লৌমিশিংগীদমক ৱার্কশোপশিং শিল-লাংবা, দিমোনস্ত্রেসন ফিল্দ অমসুং য়ুমথোংগী থাক্তা কম্পোস্ত পিৎ লিংখৎপা অমসুং লৌমিশিংদা ওর্গানিক সীদ অমসুং হার সপ্লাই তৌবা, মখোয়শিং অসি MGNREGS অমসুং OSR পুনশিন্নরগা থবক পাংথোকখিবনি।

## লাইরবা, অহল, লুখ্রাবি অমসুং নামা শোয়রবা মীশিংদা পেন্সন পীবা

গ্রাম পঞ্চায়ত অসিনা কোরোনা পেন্দামিক অসিগী ফিভম মনুংদা লোয়ননা পোস্ত-এম্ফান (সুপর সাইক্লোনিক স্তোর্ম) গী মতম অসিদা খুঙ্গংগী লাইরবা মীশিংদা অতোপ্পা হিংনবগী পাম্বৈশিং পীরি। নুপীনা মকোক ওইবা ইমুং 1000 খন্দোক্লে; ঙানু-য়েন লোইনবা শেদ, হামেংগী শেদ MGNREG স্কিমগী মখাদা শাখ্রে অমসুং য়েন্নাও মচাশিং, হামেংশিংসু OSR দগী খরচ তৌদুনা মখোয়দা পীরে। মখা তানা লোকদাওনগী মতমগী মনুংদা, গ্রাম পঞ্চায়তনা লাইরবা অমসুং দিসত্রেস ওইরবা মীশিংগীদমক কম্যুনিতি চাকখুম অমা লিংখৎখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী গ্রাম পঞ্চায়ত অসিগী মীশিং খক্তা নত্তনা অতোপ্পা এরিয়াগী মীশিংদসু চাওরাক্লা চরা 200 সর্ব তৌরম্মি। মসিগী মথক্তা, গ্রাম পঞ্চায়তনা চিফ মিনিস্তরগী COVID-19 রিলিফ ফন্দদা লুপা 150000.00 দান তৌখি। মথক্তা পল্লিবা ইনিসিয়েতিব লোইনমক অসি ওন সোর্স রেভিন্যুদগী থবক পাংথোকখিবনি।

মফম খুদিংমক্তা লাইরবগী মওং লোইনমক মুথৎনবা, মচি ওইবা চিঞাক চাবা ফংদবগী শাপ অদু মাংহনখিনবা, চাক লাম্বা লৈহন্দনবা, ফুদ সেক্যুরিতি ফংনবা, ন্যুত্রিসন ফগৎহন্নবা অমসুং সস্তেনেবল এগ্রিকলচর য়োকখৎনবা, মশা-মউ ফবা পুন্সি হিংনবা অমসুং চহীগী খেন্নবা থিদনা লোইনমক্কি নুংঙাই-য়াইফবা প্রোমোত তৌনবা, জেন্দর ইক্বেলিতি পুরক্লবা অমসুং নুপীশিংবু অমসুং নুপীমচাশিংবু ইমপাৱর তৌনবা অমসুং ইনক্লুসিব অমসুং সস্তেনেবল ইকোনোমিক গ্রোথ য়োকখৎনবা, ইমপ্লোয়মেন্ত অমসুং মী লোইনমক্কি চৎনবা য়াবা তৌনবা থবক লৈনবা, প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়তনা মদুগী ওন সোর্স রেভিন্যু শিজিন্নরি।

চহী খুদিংগী গ্রাম পঞ্চায়তনা মখল-মখাগী সমাজগী ওইবা ফত্তবা চৎনবীশিং খুদম ওইনা নুপী অমসুং অঙাং ত্রাফিকিং তৌবা, চাইল্দ মেরিয়েজ, স্কুল দ্রোপআওৎ, মেলন্যুত্রিসন, চাইল্দ লেবর অসিনচিংবা মুথৎনবা রেলিশিং, ৱার্কশোপশিং, মীতিংশিং ময়াম অমা শিল-লাংই; অমসুং ইনিসিয়েতিবশিং অসিদা তিংবা খরচ অদুসু OSR দগী কোভর তৌই। মসিগী মথক্তা, পোপুলেসন এক্সপ্লোজনদা এৱয়ারনেস পুরক্লবা, 11শুবা জুলাইদা ৱার্ল্দ পোপুলেসন দে পাংথোকখি; গ্লোবেল ৱার্মিং অমসুং ইনভাইরনমেন্তেল পোলুসনগী মরমদা এৱয়ারনেস পুরক্লবা, 5শুবা জুনদা ৱার্ল্দ ইনভাইরনমেন্ত দে পাংথোকখ্রে; মী লোইনমক লাইরিক তম্নবগীদমক পুক্নিং থৌগৎনবা, 8শুবা সেপ্তেম্বরদা ৱার্ল্দ লিতরেসি দে পাংথোকখি। মসিগী মথক্তা, মী লোইনমক্কি মরক্তা এৱয়ারনেস হেনগৎহন্নবগী মিৎয়েং অমগা লোয়ননা, 24শুবা মার্চতা নেসনেল লেপ্রোসি প্রিভেন্সন দে, 30শুবা জানুৱারিদা নেসনেল ত্যুবরক্যুলোসিস দে পাংথোকখ্রে। স্কুলগী অঙাংশিং, SHG নুপীশিং, ASHA অমসুং ICDS ৱার্করশিং, লোকেল নহারোলশিং, পঞ্চায়ত মেম্বরশিং লোয়ননা মীচম প্রজাশিংনা ইনিসিয়েতিবশিং লোইনমক অসিদা শরুক য়াখি। ইনিসিয়েতিবশিং অসি মায় পাকপা ওইনবা রেলি, গ্রুপ দিস্কসনশিং, ৱার্কশোপশিং লোয়ননা য়ুম-অমদগী-য়ুম অমদা সর্ভেলেন্স তৌবা পাংথোকখি। ইনিসিয়েতিবশিং অসি লোইনমকসু GP ওন সোর্স রেভিন্যুগী মখাদা কোভর তৌই। মরম অদুনা প্রতাপাদিত্যনগর গ্রাম পঞ্চায়ত অসি সেল্ফ-রিলাইয়েন্সকি মায়কৈরোমদা চংশিল্লি হায়না ৱারোইশিল লৌবা য়াই।

## আৱাস দিবস তা

# প্রধান মন্ত্রী আৱাস য়োজনা (PMAY) না খুঙ্গংগী প্রজাশিংগী দিগ্নিতি ঙাক-শেল্লি






*“আৱাস দিবস”* (হাওসিং দে) গী থৌদোক্তা কেন্দ্রগী রুরেল দিভেলপমেন্ত, পঞ্চায়তি রাজ, এগ্রিকলচর অমসুং ফারমর্স ৱেলফিয়র অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজগী মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র সিংহ তোমরনা ভিদিও কনফরেন্সিংদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী রুরেল দিভেলপমেন্ত মিনিস্তরশিং অমসুং সেনিয়র ওফিসরশিংগা মীতিং অমা পাংথোকখি। মহাক্না হায়রম্মি মদুদি PM আৱাস য়োজনা-গ্রামিন (PMAY-G) গী পান্দমদি য়ুমশিং পীবনি অমসুং বেনেফিসিয়রিশিংগী দিগ্নিতি ঙাকপনি। তশেংনা হায়রবদা মসিগী হেন্না ফগৎলবা অসিনা বেনেফিসিয়রিশিংগী নুংঙাই-য়াইফবদা পোজিতিব ইম্প্রিন্ত অমা লৈহলহৌগনি। লৈবাক অসিদা পালন তৌবা অতোপ্পা থোইদোক-হেন্দোকপা নুমিৎশিংগা মান্নদবদি, আৱাস দিবস অসি অসি খুঙ্গংগী য়ুমথোং ক্রোর কয়া য়াওহন্নবা থৌদোক অমনি অমসুং স্কিম অসিগী মরমদা বেনেফিসিয়রিশিংগী মরক্তা এৱয়ারনেস শেম্নবা তাঞ্জা অমনি। রাজ্য কয়ামরুমগী রুরেল মিনিস্তরশিংনা “হাওসিং ফোর ওল বাই 2022” হায়বা তার্গেৎ অসি ফংনবা পুক্নিং লেপ্পা অমা ফোংদোক্লে।

মিনিস্তর ওফ স্তেত ফোর রুরেল দিভেলপমেন্ত সাধবি নিরঞ্জন জ্যোতি, রুরেল দিভেলপমেন্ত সেক্রেতরি শ্রী নাগেন্দ্র নাথ সিনহা, এদিস্নেল সেক্রেতরি (রুরেল দিভেলপমেন্ত) মিস অলকা উপধ্যায়, দিপুতি দাইরেক্তর জেনেরেল (রুরেল দিভেলপমেন্ত) শ্রী গয়া প্রসাদ অমসুং অতোপ্পা মিনিস্ত্রিগী ওফিসিয়েলশিং কনফরেন্স অদু এতেন্দ তৌখি। রাজ্য তরাতরুক্কি রুরেল দিভেলপমেন্ত অমসুং পঞ্চায়তি রাজ দিপার্তমেন্তশিংগী মিনিস্তরশিং লোয়নননা সেক্রেতরিশিংনসু কনফরেন্স অদুদা য়াওরম্মি।

PMAY-G অসি প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদীনা 20 নোবেম্বর, 2016 দা উত্তর প্রদেশকি অগ্রাদা “হাওসিং ফোর ওল বাই 2022” পীনবা পান্দমগা লোয়ননা লোঞ্চ তৌখিবনি। অদুদগীদি 20শুবা নোবেম্বরবু চহী খুদিংগী “আৱাস দিবস” হায়না পালন তৌনবসু লেপখি। 2022 চহী লোইবদা চংদবা য়াদবা ফেসিলিতিশিং লোইনমক য়াওবা হাওসিং য়ুনিৎ 2.95 ক্রোর শানবা লেপখি। অহানবা ফেজ, হায়বদি 2016-17 দগী 2018-19 ফাওবদা পক্কাগী য়ুম ক্রোর অমা শানবগী তার্গেৎ অমা থমখি অমসুং লেমহৌবা য়ুম ক্রোর 1.95 অদুনা 2019-20 দগী 2021-22 ফাওবা ওইগদবা অনিশুবা ফেজদা শাগদবনি। অপুনবা তার্গেৎ তৌবা এলোকেসন য়ুম 2.26 ক্রোরগী মনুংদা, পুন্না য়ুম 1.75 ক্রোর খক PMAY-G গী মখাদা সেঙ্কসন তৌখ্রে মদুগী মনুংদা য়ুম 1.20 ক্রোর খক হান্ননা মপুং ফানা শাবা লোইখ্রে।


স্কিম অসিগী মখাদা সরকারনা পেরামিতর কয়ামরুম পীথোকখ্রে খুদম ওইনা য়ুমশিং অদু য়াম্না থুনা শাবা অমসুং ত্রান্সপরেন্সি মপুং ফানা লৈহনবা, ক্বালিতি মেন্তেন তৌবা, দাইরেক্ত বেনেফিৎ ত্রান্সফর, বেনেফিসিয়রিশিংদা মতম চানা পৈসা থাবা, বেনেফিসিয়রিশিংদা তেক্নিকেল মতেং পীবা, দিজাইন ওপসনশিং পীবা, তাংদাংবা মফমশিংদা চুনবা, MIS-এরিয়াজ সোফ্টৱায়র অমসুং আৱাস এপ শিজিন্নদুনা ভিজিলেন্স মেন্তেন তৌবা।

*আৱাস দিবস/সপ্তাহ* পালন তৌবদা মখাগী এক্তিবিতিশিং অসি তৌনবা য়াওহনখ্রে:

- PMAY-G বেনেফিসিয়রিশিংদা ই-পাও পীবা
- বেনেফিসিয়রিশিংবু হাওসিং সাইতশিংদা ইনস্পেক্সন তুর পুবা।
- বেনেফিসিয়রিশিংনা লোনশিং লৌবদা মতেং পাংনবা লোকেল বেঙ্ক ওফিসিয়েলশিংগা ৱা খন্ননবা শিল-লাংবা
- *ভূমি পূজন* অমসুং *গৃহ প্রবেশ,* অসিনচিংবা শিল-লাংবা
- থৌদোক অদুদা চুনৈ হায়না লৌবা অতৈ অতোপ্পা এক্তিবিতি অমা।

**পাউগী হৌরকফম: PIB**

# রুরেল ইকোনোমিদা ইম্বেলেন্স লৌথোক্লবা রিভোলুসনরি পাম্বৈশিং



কেন্দ্রগী পঞ্চায়তি রাজ, রুরেল দিভেলপমেন্ত, এগ্রিকলচর অমসুং ফারমর্স ৱেলফিয়র অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দস্ত্রিজগী মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র সিংহ তোমরনা হায়খি মদুদি খুঙ্গংগী ইকোনোমিদা লৈবা খল মান্নদবা অসি অদুম লৈরে মরমদি লৈবাক অসিগী মীকোক মীশিংগী চাদা 70 পর্সেন্ত খুঙ্গংশিংদা খক্তং লৈ হায়বসি খঙনা খঙনা মমাংগী সরকারশিংনা মসিদা পুক্লিং চিংশিনবা ৱাৎখি। প্রধান মন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদীগী লুচিং মখাদা লৈবা সরকার অসিনা লৌউ-শিংউবা অমসুং খুঙ্গংগী ইকোনোমিদা মপুং ফানা পুক্লিং চিংশিনবা পীরি। খুঙ্গংশিং দিভেলপ তৌনবা অমসুং মদুদা তঙাই ফদনা চংদবা য়াদবা ফেসিলিতিশিং পীনবা রিভোলুসনরি পাম্বৈশিং কয়া হৌখিবা চহী তরুককা তঙ্খায় অসিদা লৌখৎখ্রে। "রুরেল ইকোনোমি: কী তু ইকোনোমিক রিভাইবেল এন্দ কন্তিন্যুয়েল ইক্কেল দিভেলপমেন্ত" হায়বা তোপিকতা কনফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ইন্দস্ত্রিজ (CII) না শিল-লাংবা নেসনেল কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা, ভারতকি খুঙ্গংদা চাওখৎপা পুরকপা ঙমদ্রবদি দিভেলপ নেসন অমা ওইবগী মঙলান মঙফাওনবা ঙম্লোই হায়না শ্রী তোমরনা হায়খি।

চহী তরুক্কি মমাংদা খুঙ্গংগী লমশিংদা তোইলেত, পাৱর, কূকিং গ্যাস, অসিনচিংবা গুম্বা তঙাই-ফদনা চংদবা য়াদবা ফেসিলিতিশিং ফাওবা লৈরমদে অমসুং ইমুং ক্রোর 3 লোম লৈননবা মশাগী য়ুম ফাওবা লৈরমদে হায়না রুরেল দিভেলপমেন্ত মিনিস্তর অদুনা হন্না হায়খি। হৌজিক য়ুমথোং খুদিংমক্লা মসিগুম্বা ফেসিলিতিশিং অসি ফংখ্রে অমসুং অতোপ্পা তঙাই-ফদনা চংদবা য়াদবা ফেসিলিতিশিং অমসুং এমেনিতিশিং PMAY-G গী মখাদা শাদুনা য়ুমশিংদা পীনবা তৌরি।

প্রধান মন্ত্রী গ্রামিন সড়ক য়োজনাগী মখাদা, লোকেলিতি লাখ 1 লিশিং 78 খক হৌজিক ফাওবদা মরু ওইবা হাইৱেশিংনা শম্নখ্রে। মহাক্কি অনিশুবা শাসনদা, প্রধান মন্ত্রীনা হৌজিক অহুমশুবা ফেজ সেঙ্কসন তৌখ্রে মদুগী মখাদা অরোইবা ওইনা কিলোমিতর লাখ 1 লিশিং 25 শাংবা সড়ক শাগনি। তার্গৎ অসিগী মনুংদগী, কিলোমিতর 30,000 রোম শাংবা সড়ক হান্ননা সেঙ্কসন তৌখ্রে।

রুরেল দিভেলপমেন্ত মিনিস্ত্রিনা খুঙ্গংশিং চাওখৎহনবদা অমসুং খুঙ্গংগী লাইরবশিংগী নুংঙাই-য়াইফনবগীদমক চহী অসিদা লুপা ক্রোর লাখ 2 খরচ তৌগনি হায়না শ্রী তোমরনা পাও পীখি। COVID-19 ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা, MNREGA গী বজেৎ লুপা ক্রোর 50,000 খক হেনগৎখ্রে। চহী অসিদা হৌজিক ফাওবদা, লুপা ক্রোর লাখ 1, লিশিং 11 গা 500 গী প্রোবিজন অমা শেমখ্রে। মন্ত্রীনা দীন দয়াল অন্ত্যোদয় য়োজনা অমসুং দীন দয়াল গ্রামিন কৌশল য়োজনাগী মখাদা তৌবা থবকশিংগী মরমদসু পাও অমা পীখি।

লৌমিশিংবু কন্ননবা অমসুং মখোয়বু আইনগী ওইবা কনস্ত্রেন্তশিংদগী থাদোকহন্নবা অমসুং মখোয়বু শেল-থুমগী ওইনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকারনা হন্দক্তা আইনশিং শেমদোকখ্রে হায়না শ্রী তোমরনা হায়রম্মি। স্মোল এন্দ মেদিয়ম ফারমরশিংবু মতেং পাংনবা অমসুং মখোয়না এদভান্স ওইবা অমসুং ক্লস্তরদা য়ুম্ফম ওইবা ফার্মিং এদোপ্ত তৌদুনা শেল তানবা য়ানবা অনৌবা ফারমর্স প্রোদ্যুসর ওর্গানাইজেসন লিশিং তরা লিংখৎলগনি। লুপা ক্রোর লাখ 1 গী প্রোবিজন লৈবা এগ্রিকলচর ইনফ্রাস্ত্রকচর ফন্দ অমসু লিংখৎখ্রে।

রুরেল দিভেলপমেন্ত মিনিস্তরনা CII গী রিপ্রজেন্তেতিবশিংবু ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিৎ মশিং মথং মথং হেনগৎনা খুঙ্গংশিংদা থম্নবা পাম্বৈশিং থিনবা হায়খি। নুপী ক্রোর 7 লাখ 63 রোম SHG শিং ফাওনা লাইলিহূদ মিশনগা শম্নে হায়না পাও পীখি। মখোয়সু শেল তানবা হৌনবা মখোয়গী প্রদক্তশিং অদু মার্কেৎতা য়োনবা তাবনি। থৌদোক অসিদা, বন্ধন বেঙ্ককি ফাওন্দর অমসুং CII গী রুরেল ইকোনোমি কাওন্সিলগী চিয়রমেন, সি. এস. ঘোশ, KPMG ইন্দিয়াগী মকোক শ্রী নীলানচল মিশ্রা অমসুং শ্রী সুধির দেব্রাসনসু মখোয়গী মত ফোংদোকখি।

**পাউগী হৌরকফম: PIB**

Ministry of Panchayati Raj

পঞ্চায়তি রাজ মিনিস্ত্রি
www.facebook.com/MinistryOfPanchayatiRaj
@mopr_goi

রুরেল দিভেলপমেন্ত মিনিস্ত্রি
www.facebook.com/IndiaRuralDev
@mord_goi

দ্রিঙ্কিং ৱাতর অমসুং সেনিতেসন মিনিস্ত্রি
www.facebook.com/MODWS
@swachhbharat

পঞ্চায়তি রাজ
য়ু ত্যুব চেনেল

গ্রামোদয় সংকল্প
মোবাইল এপ

150 YEARS OF CELEBRATING THE MAHATMA

পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়না প্রিন্ত অমদি পব্লিস তৌবা
**ইদিতেদ-ইন-চিফ:** পঞ্চায়তি রাজ মিনিস্ত্রিগী সেক্রেতরি
**প্রিন্ত তৌবা:** ইন্দিয়া ওফসেত প্রেস, এ-1, মায়াপুরি ইন্দস্ত্রিয়েল এরিয়া, ফেস-I, মায়াপুরি, ন্যু দিল্লি - 110064
**পব্লিস তৌবা:** ভারত সরকারগী পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়, তাৱার-II, 9শুবা ফ্লোর, জীৱন ভারতী বিল্দিং, কোনোত পেলেস, ন্যু দিল্লি - 110001

The translation of Gramoday Sankalp has been carried out by experienced translators and duly vetted and corrected by State Institues of Rural Development (SIRDs) under Ministry of Panchayati Raj, with an attempt to convey the meaning in easy and commonly spoken words. Any inadvertent error or omissions, if any, found in the translation is unintentional and not meant to hurt any feelings and therefore may be excused.